

খম্বা খমনু

অনিশুবা তাংকক্

(১৯৭০-৭১ ইংগী পিও-লিটেরেচরকী
পামনবা লাইরিক কম্পিটিশনদা অহানবা মনা ফংবা)


শ্রীসুরচান্দ শর্ম্মা

মমল লুপা ২·৭৫

অকোহ্বা—

শ্রীমতী সুবদনী দেবী

খাগেম পল্লী হুইড্রো[illegible]



শ্লোক [illegible]য়েকপা—

শ্রীমণিহার [illegible]র্মা, বাংথৈ

শ্লোক শাকপ—

মিতম-শঙ্, বাবু-পাড়া, ইম্ফাল

কোপী মশীং—২,০০০

অহানবা থুংনম—মার্চ ১৯৭১

Printed at the Bina Printing Works, Kcisampat Imphal.

ৱাহৈ খরদং

খম্বা থোইবীগী ৱারী অমস্তা তায়বা মৈতৈ লৈবাক্কী মুংশি-মুংওন ৱারীনি। মস অমস্তমক ৱাস্তবা মরমনা মসি মতম পুম্নমক্তা অস্তুম মৌডুমতা লৈরকলি। ওজাশিংনা থোইবীগী বর্ণনা তৌবদা হায়রনে—'চহি চাতকুক পুন্সিদুমনমক মোংমত্তা ইবেম কৌদবী' অস্তুম্না। মসিগী মরমদি মসনা থনবা ৱারী মশাদা মতম মতমগী ঈমোৎ হাপচিন্দুম্না। শৈহেকহৈবা ওজাশিংনা মতম পুম্নমক্তা ইমৌত মৌহম্না অস্তুম য়োকখৎলকপদগীনি। অসিগুম্বা ৱারী অসিগী অশেংবা শেংদবগী মরমদি ঐখোয়না নৈমরুবগী কাম্নবা লৈতে। ঐখোয়না পাম্বদি, হসি উরিবা ৱারী অসিগী ফজবা মশক অসি অদুম্মক প্রলয় ফাওবা মাঙ্খিদবা অসিতনি। ইজরিবা খরা অসি হাম্নগী মওঙ্গা খরা কায়নৈ হায়বমক য়াওগনি। মতাং অদুদা মসিবু ঐতিহাসিক উপন্যাস অমগী মিৎয়েং য়েংবীয়ু, অদুগা ওইবা য়াবমক্তনি হায়রগনা লেখকপু পূক্নীং থৌগৎপিবগী মওঙ্দা মখা চত্থজবা হমজনবা পাংগল পীনবিয়ু। পাঙ্জন্নবা থুদোল অসি মথেল অমা ওইনা সাহিত্য-পূকৈমুং চনবীনবা মোল্লুক্না কচ্চে। ইতি

চঙ্জরিবা

তাং ১৫। ৬। ৭০ ইং

সুরচান্দ শর্ম্মা

তৌবিমল উচ্চবা

চহি থৃদীংগী ওইবা অসিগুম্বা মওঙ্গী লাইব্রিকশিং থনগৎং-পিড়ুবা মদুবু কোঙ্নবনবা উৎসাহ পীবিরিবা ইশাগী সরকারবু থবায় পেন্না থাগৎচে। ইতি

য়াওশঙ্ মনুং · ইজবা

তাং ১৫। ৩। ৭১ ইং

খম্বা থমনু

মপাম লমদম

খম্বা থমনু মচীন মোৌপবানা কবুই শলাং মাইবগী মকা খাদোকলমদুনা মপাম মোইরাং লৈবাক্তা লাক্লবা মতুংদা ওসি নুমিৎ কয়ানিমরুম হোৌখয়ে। মতম কুইনা খাদোকলুরবদগী অতেক-অকায়তগী মশক ওইরম্লবা মপাগী সঙ্গাই অচৌবদু মচীন মোৌপবা চঙ্‌দুনা শেংদোকলে। অদুম ওইনমক ইংখোল অকোয়বা অদুদি উমং-বামংগুমখ্রে। মদু ফাওবা য়েংবা নুংঙাইনা শেংদোক্লনা কোক-খোকপদি মচীন মোৌপবাগী মপাঙ্গল বাংমদা লৈখ্রে। মরম অদুনা অচৌবা থুমজাউ অদুগী শরূক থরদং অহানবদা শেংদোক্লগা লৈনরবা মতুংদা অরাংপা অতৈনা নোংমা নোংমগী অঙম অঙম্বা য়েংদুনা মথং মথং মওং অমা ওইনা লৈবা য়ানবদং শেমজরে।

থমনু হুজীক্তি পীকলিবী নূপীমচাদু নত্রে। থমনু মপাঙ্গল মচাউজরকলে। অদুবু মপাম লমদম ওইদুনস্থ মানা মীয়োল তাকৈগৌদি অমুক্তস্থ উজত্রিবা ওইবনা মকম অসি মঙোন্দদি পূমনৌ নোৌনা খোকখি। মানা মিংকুপ খুদীংগী মপা শলাংতবু, মাগী মযুমজদু থমদি চাংগী মমালবশিং অদুতবু অস্নুম উদুনা লৈখি। মাগী অমা কীরবরকপদা ওসিদি মচে অসিনং মত্তুনা মাবু চাকোম-নাউকোবীনবা

কমাস্থ লৈত্রে, মাগী ওইনজকম, চাউগে কেজরম্কম্ অমদি মাঙী শাজরমকম অদু থঙ্মাৎ বাংখিরা ওইকনা মোইরাংদা হেক থুংলবা সুমিত্তগী অদুম্মক মুংগুক-মুংজানদা লেল্লকখি। মপামম্নি শীংজরবা শলাং মাইবমা মপা নত্তে থংহায় হায়রকপদগী মড্কাওনবগুম থোক্ক্ৰা তাইবঙ্গপানবা অপূম্বমু মমিত্তা পুমহাঙ্ হাঙনা উরবা খম্বমা ইকাই-জখিবমা মাগী মমাঙ্দা লেপ্লুপদবদু কৈ লৈবগুম কিজবদগী মচেগা হৌনদুনা মশীং তৌজবা কংনবনি হায়দুনা চেল্লকলেদি হায়রবমু, মসি য়োরক্ক্ৰা মামা ইকাইবা, হঙোইবা কম্মিস্থ লৈত্রবদস্থ মাগী থম্মোই অদুদি থক বাই শংজবা ওমখিদে। মুংশিজরবা মাগী অম্মা অম্মা অমিমক কায়নরকপদা থম্মোই শেগাক কায়বমথে বাখি।

খমন্থুনা মৌপবাগী মতৌ অদু থঙ্লদুনা অবাবা বাথন কাউরবা মওল মওল কয়া থোক্লা হোংনজরকই। অদুবু মচেগী মমাঙ্দা তাই-হাক্কংগী ওইমা মচীনবান কাথোকৃলম্লবস্থ থংনবা মিংকুপ অমগী মনুংদদি অমুক হেক্কমক শককম হন্জিন্খি। মখোয়গী অম্মা অম্মা কায়নরকপদা মচেম খমন্থুস্থ বাদবা নত্তে, অদুম ওইনমক মহাক্কি মীয়োন তাইৈজদগী বাথল মন্বো চাউবীনি। মৌপবাগীদমক খনজবা মশাগী অবা নুংঙাই কম্মিস্থ থৌশাজরক্কবীনি। অমমোমদা চনীন মখোয় অমিতা ঙায়রবা মতম অসিদদি পুম্নমক মথন্তগী মকোক্তা মল্লবী খমন্থুনি। মরম অদুনা পীক্লিতৈজদগী অদুম্মক উরেন মংজরক্কবী মতেক থরদং কবুই থুন্দা লৈদুনা, বসন্তগী লৈকোল্লংদা মলয়া নুংশিৎ-শউম লাংদুনা কম্মিস্থ মারক্কবী, অবাংপা মশক থদুলক্কবী অমগুম নুংঙাইনা লৈজবম্বদগী মঙ্কাওনরক্কৃনা হান্নগী ফিবমদা অমুক

হাক্তিনরুবী, তুংগী পূর্নীরবা কয়বা মতাংদা অমুক মুংতাইজবা কংলক-
ললে হায়নগী অরেমহ খঙ্জবী খমন্নুবা মৌপবাগীদমক্তা ভসিন্নু
শিংকুপ অমা কাওবা খয় হোন্দোকপা শংজনমথৈ কোয়নোম নোম,
কোয়চং চত্তুশা চয়া অনিদং কংজনবা খানা হোৎনরি।

খবরা মপূক লান্নবদা কোয়না নৈকাই থুংনা চত্তুনা খোম
ইনবীনবা থিবা, কংখ্রবদনা নোক্তাকী ঈশিং ইনবীবা, অতুগুখা অযাবা
মখল অত্নুমখুদি লাহোকখ্রে। অতুমদি ওইরগা ইনখৎলক্তুনা মশা
মপূম মথৈ কাক্তিন্নরুবা, নোংমা নোংমগী মশাগী চীংলেখা মতৌ
অতুম হেনগৎলক্লবদা মতম অসিদদি মাগী মপূক খলহমবা হোৎনখ-
তুনা খায়দগী হেনবা অযাবা অমা ওইরক্রে। খযনস্থ মচেগী অযাবা
মতৌ উত্নুনা নোংমতস্থ মপূক খন্দে হায়বা নৈত্তে, অতুম ওইনমক
মাথুতা লাইমীং ওইজবী মচে অতুনদি মৌপবাবু নোংমতস্থ মপূক
খম্না পীজবা চমত্রে খন্দুনা তাইহাক্তস্থ মচীনবান মকায়ামজবা ফংখিদে।
তৌকমদি খঙ্জদবনা খমন্নুনা কোয়না নৈকাই কৌন্নুনঙবা হোয়কলে।
মত্নুনা মচীন মৌপবাগী চয়াদি লায়না কংলে। মচেনা চথোকখ্রিজৈদা
খবনা ইংখোল শংবন শেংতুনা মযুম শঙ্হৌই। মাথু মচেনা
নোংমতস্থ মযুমদগী হেন্দোকহন্দে।

অচৌবা ইংখোল অতুদা উমংমক্তা মায়না শূকলখা উপাল-
মপালশিং অতুনা অমম্রোমদা থুদোং থাযবা মতমগী মরূপ ওইতুনা
মচীন মৌপবাগী মচীঙ্গাক হেক হেক হায়কলে। কবুই শশাং
মাইখদা অচীন-মৌপবাবু পুতুনা চংলমদাইদা যুম-ইংখোল অদুবু তাক-
থোক শেন্দোক্লবা ইযাৎ-চবান কয়া তৌরবদগী তম্বলাই খোকই

হায়দা কিমত্থনা মোইরাংগী মী অমত্তমত্ত ইংখোল অত্থনা চৎনখিরে। অমরোমদা খমনু খম্বা অনিবু পোকপা থুমন পুরেম্বদি মিংথোউজবা অত্তবা, মোইরাংদা তোমখিম ঙাম্লবা অকনবা মিপা অমনি। মহাক্কা মথুম অসিবু মীনা ফংনত্তমদবা মপোৎ মচৈতনা মচাক ওইনত্থনা, চৎখোম্না শারম্বী। মতম অত্থদদি মসিবু পুরেম্বগী সঙ্গাই হায়না মী পূম্নমক্না ইকাই খুম্নখি অমসুং কজবা মীংথিজবদসু মিংগোৌ অনিনা নৈতেংবদা যুম অসিনা খক মোপথবা তৌরমদে। মমম অত্থনা পুরেম্বা নৈতবা সুমিত্তগীনা ঙসি কাওবদা যাবু কনানসু হন্না য়েংবী-রক্ত্রবা, শেমজিনবীত্রবা অমদি মসুংদা মী নৈত্থনা মথবায় হাপ্পি-রক্ত্রবা অসি কাওবদা মতম কুইরবগী হৌমবা ভুক মত্থরকপা যুমথক্কী ই শোকচিল্লকপা, ফক্লাং মখি চত্তুনা মচি-মচি মাইনা মকম থমদা অকায় অতোই থমদং তুক য়াওবা অসিগুম্বা মওড় থবা অসিদং মত্তনা ফিবম কায়বনচিংবদি কন্নিসু তৌবা নৈত্রি। যুমগী অকোয়বদা উ-বাত্তমা শোঙনা হৌরম্বনা যুম অত্থদা তাইবঙ মীচা অমিথক চৎত্থনা নৈবত্থ অহানবা মতম থমদি কনানসু থঙনখিদে। মখোয়গী মমিত্তা হাম্নগী হান্না ওইমতা অত্থম্মক উবদগী থোইনসু য়েংশিন্নক্কবা নৈখিদে।

খমনুনা মপান থোক্কনা কোয়না চীঙ্গাক থিবা চৎখ্রিরৈজো য়াথং ঙাক্কনা যুমদা নৈহৌবা মোপবা অসিনা শীং থানবগীদমক উ-শা অকংবা থিত্থনা খোমজিল্লি। শীজিন্নবদগী অরেম্বনা পৈথৎলগা মরক মরক্তা খমনুনা কৈথেন্দা পুত্থনা হেক-হেক য়োঙ্গোকই। অমুম্না ভত্তনা শীং থিজিল্লকপদগী মমৈদদি ইংখোল অত্থ কনা য়াজা

কোকশিল্লকলে। অস্তুম্না ইংখোল "অতুমনস্থ অবাবদা মখোয়গী মতেং থবক্তা, ওইরবস্থ পীবা হৌরকলে। অকংবত্তা খিত্তুনা পীং থামত্তুনা, অহেনবনা য়োঙ্খোক্তুনা অস্তুম্না মতম কয়া অমস্থ থাজুলকলে। মমৈদদি উপা থাত্তুনা, থায়দোক্তুনা, সুংশাদা ফৌদোক্তুনা কয়া অমসু অকুক য়োল্লকলে। মমৈদা মমৈদদি মত্তুস্থ বাংশিল্লকলে। খমসুগী অম্বাবা হৈতে, পোথাবা লৈতে, থবক্লা সুংঙাইবনি, থবক্লা পোথাবনি, অসুক খূদীং চীঙ্গাক থিবা চংলি অত্তুগা সুংথিন খূদীংমা কৈথেলদা পীং কোকথোং পুত্তুনা য়োল্লি। অস্তুম্না মশাগী মসুংশা কাওবা হোন্দোকচবা শংদমা মতম শাংনা মোয়্রবদগী থাজবা হমলক্তুনা মেংখদি কোকা মোমগা তাইনয়কলে। অয়ো চৈনা কংত্তুনা হৌগংকাঙ্খং হমখিব্রে।

হায়া খয়া খয়া পৈশিল্লহোবা চীঙ্গাক খয়ত্তুনা মোংমা নিনিষ্ণ মচংনয়ে। অত্তুমক্তুদা খমনু ফৌগংপদি মঙমব্রে। হমলিমখৈ মোমলম্বী, পোপ ত্তুত্রিমখৈ থাজরম্বী খমসুনা হমলক্তবনা হেন্সুনা ত্তুথখিবদগীদি পাক হৌগংপা অরুবা ওইনা থোকখয়ে। অনাবগী মৈচাক ময়ক অত্তুদা মৌপয়া চয়া হেল্লগনি হায়বা বাখল অসিনা অমুক হেম্না মহোন্দা চৈনা ফাওহনখয়ে। খদাঙ্গু চীক্তুনা হয়া হয়া হোংময়ম্বী অদুবু হৌগত্তুনা চুম্না লেপচবদি ওইথোকখিদয়ে। অস্তুম্না উপায় লৈত্রবদা লোংখাক লোংনা হিপ্লগা মমিং উই-শিন্দুনা থাংজীং লাইবু সুজা থম্মোইসুংদা কোমশিল্লমগা মৌপবাদু শিল্লজয়কলে।

কম্ব্রিস্নু থঙ্ত্রিবা থবকা মপাম অমুক থোক্, ইমুং চহুমুনা মচেমু অমুক য়েং, অনাবী মচেদা চান-থরুবা পোৎ পীবু হায়না তান্নবসু তম্জদা, চাক-থুম কা চহুনা অচা-অথক কম্বি লৈবা কোয়না অমুক থি—অম্নুম্না তাইহাক্তস্নু লৈতাকম থহুদনা ককতাওনহুনা থানা থাঙ্লকলে। অস্নুম্না মপুক লাম্বা কাবা হোৎনবনা তম্পিনক্- হুনা পাক হায়দোকপদি তমদবদগী কম্নাম্বক হম্না অহম্-অহা তৌরুনা থানা হোৎনহুনা মচে য়েংনা হায়রকই—'ইচে, ঐ মপাম থোক্রুবে?'

মপাম থোক্রুগে হায়বগী অর্থ লাম্না থঙলবী মচেমনা থবনা থঙ্না হায়রকই—'মপান্দদি কম্বি তৌরুগদৌম্বিবা?'

ইঙক তন্না থম্বনা হায়রকই—'হাইমা, ঐ চাক লামলিবস্নিবি?'

মচেমা হায়রকই, 'চাক লাম্নগা মপান্দদি কদাইদগী চারু- গদৌম্বিবা?'

থম্বনা থুম্নকই—'কনাম্না থঙ্গনি। থোক্রগা থঙ্গম্বিদনা?'

সুংগা থীবনা হেল্লবী থমম্নুনা হায়রকই—'চীঙ্গাক থিরবা হায়রবু মী থৎনরুহুনা তোকনি।' মচীন্দদি অম্নুম্না হায়জরুবা শাই, অম- য়োমদা মপুক চাউবা ঈনথৎলকপা শাবাম অহুনা লাম্বনা চকম তৎলিবা মতৌ অহু উবদদি শ্বায় পাথৎথিহুনা মমিৎ উইশিন্দুনা, মৌপবাবু পুমশিন্নম্বা মাগী সুংশি-লাং অহু য়াম্না থানা হোৎনহুনা পৎ লাউনা থদৎলগা অমুক হায়রকই—'চৎলো, চৎলো, মচীঙ্গাক থিজরু। মপাঙ্গলনা মচীঙ্গাক থিগদবনি। অম্রাম্বা পাখৈনা মপুক থক থলহনফদে। ফংদ-ফংত্রগা লোক্তাক থোজাম্না চহুনা কবোক থিরকউ। মতম কুইনদি চথোকথিগম্নু।'

৩

অদিনং [illegible] থবক্তু অদু নাকল [illegible] ওৎলোক্‌খা [illegible]। [illegible] মতীঙ্‌ডাক থিবথি হায়ত্নুবা মাগী সুংশি-লাইশী নাক্লোক্‌খ লোকখিবকু মশিংবা মেকৌলাইবগীকোনদ্রে। [illegible] বা [illegible] তাবকখিরে।

[illegible] অদুকী সুমিংবা বাতোম লোমখিল্লুবা [illegible] [illegible]। [illegible] সুমিদাংস্তু কল্লিস্ত্র চাবা কংলক্ত্রবনি, মচেলা [illegible] অমুক্তগী হিপথখিবনি। অদুকী চাকলেন অদুমদি থমনুনা [illegible]-[illegible] অমৈবা থরনা থোংবী থাকপিন্থনা মোপবাবু পীজরনী। সুমিদাংগী মতমদদি 'লৌমু লোইরে, ষণসু শিরে' মতৌনি—চাকবা পোৎস্তু অমত্তা তাত্রে, মহাকস্তু মকোক কাঙ্‌বা ঙমদরে। [illegible] মপূক লামুনা লামনা অদুম কল্লিস্ত্র হায়বা তৌদনা তুমথখিন্দুনা অহিং লেবখি। মোংভালমদাইদা মিৎকপ থোমকপদগীদি থক্তু মপুক লাম্বনা নৈকম থঙ্‌লক্তে। মতম অমিদগী হৌনা মিৎকূপ অমম থাহথবদা মুগ অমমম হৌখিবঙুম বানা থোক্ক্‌না হুজীক্তদা মচেলা মপান থোক্লবা য়াথং শিবক্লিবনি। মচে অমিবু থমনা তাইবঙ্‌পানগী পোৎ পূম্মক্কগী হেন্না সুংশিজে অমম্তুং মহুগী মজুংইমা কিরবস্তু [illegible] অমা নৈতে। মমম অদুনা মিৎকূপ থুদীংগী শিরগদবোই শিরগদবোই থমা থমা, থম চবীং চমাঙ্ শম্বদবমথে অস্তুম থাঙ্‌নক্লিনমি।

মচেগী য়াথং কংজবদা থবা শেম শাবকলে। কবুই [illegible] [illegible] নীচৈ জুংগোম অবা নৈ। মহু শায়বগা মচে মেংহুনা হায়রকই, 'অহুদি ইতে ঐ চংলঙ্গা, থুনা হন্নকশি, সুংশা বীগমু' হায়কদ-লবা [illegible] থোজাল তমনা মথোঙ্ শাংলকলে। অরুবা মাগী থোঙ্‌থোং

মখোলনা মচেগী থম্মোইদা দঙ্ দঙ্ লাউনা কয়া কয়া চুথরে। হিগলিবী থমসুনা কনাস্থু থজ্‌দনা অশাংবা মঙ অমা লোইবা মাইরনা হোন্দোক্‌না শোল্লবী থম্মোই অদুবু কাথবা হোৎনজরোর্কি। "

মথং মথং লাক্‌না খম্বনা শোম্মোক য়াংবীদা লেপ্লরে। মমাঙ্‌দা মিৎয়েং থজ্‌না নৈরবা লোক্তাক পাৎ অমদি ঈশিং মরাগীদা নৈবা থাজ-চীংশাং উরকলে। অমুকী অমেঙ্‌বা চুংশা মডাম কাওদোক্‌না শিৎপা, লোক্তাক-লাইজ-ঈয়ীঙ্গা চোৎলবা ঈংলবা চুংশিৎনা কীজি কীনা অমদি মোংমত্তুস্থু শমজেৎ থাদ্রবা, থাউ মশক থজ্রবা ইকা কাবা মশম অদুবু ক্রম ক্রম হুমদুনা মশাদা থেংলবদগী চোক্‌থরম্লবা মশা অদু হাইকেৎ তেকথৎলকপগুম তৌরকলে। মমাঙ্‌দা মমিৎনা উয়িবা পোৎশিং অদুনা নৌনা লাকপা অমদি অমুক্তস্থু মপান থোকচদ্রিবা খম্বগী মপূক লায়না চিংখ্রে। অদুবু অস্থুম্না মমিৎ পেমবা হোৎনবা অসিনদি কয়া কুইগনি ? মিৎনা কুপ্পা মমুংদা হাম্নগী মপূক লাম্বগী বাখল অদু অমুক কাওরকলে। খম্বনা মমিৎ নৈদুনা অস্থুম কোয়না য়েংলকই। মচেগী শেগাদগী মচীঙ্গাক থিক্লনবনি হায়দুনদি থোরকপা শাই; অদুগা থোরক্লগদি হজীক মানা তৌগদবা করিনো ? অহাঙ্‌বা লমহাঙ্‌দা লেপ্লগা মপাগী য়ুমজাউ মমুংগী কা অমদা লেপ্লদগী হেন্না মমশিল্লকলে, চীঙ্গাক নৈকম অমত্তস্থু মমিৎনা কনা খিদুনস্থু উবা নৈখিদ্রে। মাগী মমিৎ মমাঙ্‌দা লিপা নুপী কয়া কয়ানা মাগী মাগী মথৌদা চৎনরি, কনানা লৌবুক্তা লৌ থোইরি, কনা অমনা মকোক্তা অরাম্বা কোকথোং পুদুনা বানা চৎলি অদুগা নুপী কয়ামরুমনা লাপতক্না লোক্তাক্তা ঈম

চিংজুনা ত্রা কাম্নরি—পুরুমক অমি থবনা মমড়্-মহাক্লা উবত্তুম ইকক ওক্লা রেংলি। মন্নাম অসিগী মরক্তা মাগী মপূক থরবা চম্নাখি কথকোঁবা থিরুগনি, কদাইদা চংলগা চাবা ফংগনি। য়েংবা য়েংবা অস্থুম ঙকপনা হেক্সিন্নক্তনা মমৈদদি মাগী মমিৎ অমিমক্তা তথং-লাইক-ঈহৌবকলে। তাইবঙ্পানবা অসিদা মাবা মতোগ্নে খল্লকলে। মিৎকুপ অমগী মনুংদা মচেগী শক্তম উবকলে, মপা কবুই শলাংগী মাবুক্তা লুমা তোকবা মতৌ অদু মীংশিংলকলে। মাগী পেগাবা তুংলিটৈ থবনা মোংমক্তত্ অবাবা ঘমি উবমদে, চাক চখোম অমগীদমক্তা ঙসিগী অস্থুম্বা থক ঝাবা তোঁমমদে, অদুবু ঙসিদি কনাগম্বু তাকপিরবা য়াওদনা মথক্তা অস্থুম খল্লম্বকলে—মতোম্দগী হেন্না তোনবা কনা অমা লৈতবে।

অস্থুম্বা মমিত্তকী মপি শিন্থজুনা মপূম্রীং মুংশিমা কপলুবনম্বু মাগী মবুক খল্লকদবদি লৈতবনা চেম্বকপা পিবাং মথুংনা তৈথোক-লগা অস্থুম অস্থুম মাহুদা থবা থর। চঙশিল্লকলে। লাপতক্লা মাহুদা মণশেনবুং লৈবা উবকলে। মণগী শল্লুপনা মচি মচিদা মরাই কাহুমনা মাপী থত্থুমা চানরি অদুগা অ-দা লাপতক্লা অচৌবা উপাল অমগী মখাদা মণশেমহা থরনা কোয়রাঙ্ লাঙ্থুনা শামরি। অস্থুম্বা কাইদ কাইদ চঙ্শিল্লকপনা মখোঙ্ ইথও থহুদনা থবম্বু মণমা লজীক চাখিবা মনাক অদু য়োশিল্লকলে। মণ মথৈনা মাপী থত্থুমা চাবা মতৌ অদু উবগা থম্বত্ লৈমায়দা মমিৎ থম্লকই।

মমিৎ লৈবখিবদা মাগী মিৎয়েংকম ওইনকুবা পোং অদু উবদা থবা মিৎকুপ অমগী মনুংদা মচীনবাদ মথক-মথা অদিমক

হরাওভি-মীশোক্লা লৈতেংলকলে। খীত্রে, মাঙ্খোৎ মকারাক্লা সিংহমুশ অমসি মতম কাওবা মাঙুহনবা তৌদনা কংহৌবগোই মতাংগুম কমকি থকলে। অকোয়বদা ঈশং শংনা হৌরমলিবা পেরাক মথৈ অহু মথূৎ অদি চেঙ্ঠুনা অকং অকং থন্তুনা, থংশঙ্গা হুকপগা, হুকপগা চাবগা তৌঠুনা কংডেমদবা পোৎ অমগুম ওয়াউনা চাবা হৌরকলে। চীংঙু-লাইনা মাগীদমক মকম অসিদা য়োক্তুনা থম্মীরবগুম থোকখ্রে। মচা নৌমিবী মণবীনা মথাই কাঙ্দ চাবগুম, অমুডসি থম্মুরা লম্পাক থম্না হৌরিবা অশংবা পেরাক অদুবু হাউনা পামনা চায়কলে। মচক অমুত্তাং থাংগত্তুনা হৌরিবা পেরাক অতুনা মশাগী মথুক থলহনবা ওকদরা হায়না খিংনা। কুপ্পদং য়েংলম্লগা মরু লুক্লা কমচুনা হায়গুম য়েং-ওয় চঙ্নুনা কোয়তুনা অকোয় অকোয় অমুক চায়কলে।

অতুম্না থম্বা অশংবা লমহাওং মচি অমদা নীংগাঙ্নমক্লা কমছুনা পেরাক কোয়থগা চাবা মতৌ অসিবু লাম্না উথাদা কমচুনা থণশেন-নহাশিংবু লাম্বা শীমজিন শীমজিন্দুনা মুক্লা শায়হল্লিবা অতোম নোংখাম্না তামনা উবকলে। উবমক্তদা মহাক খিংকম হোৎনা য়াখিদবে। কজবা নীংথিবগী মত্তুন অতকপনি। চীংঙু নোংমা মাগী থুংশেমন্নু অতকপনি। কজবা, নীংথিবতনা য়োমহুনা ইবুংতো মহাক্লা তাইবঙ্-মালং-পান অসিবু শেম্বিরম্মী। পুক্নীং হকচাংগী পেমকম ওইবা, থারবা, চোকথরবা থবায় শানবগী অবা পোখাননক্কন ওইবা, অসিগুম্বা থাংপা লৈতনা লৈত্রবা, নীংথিবা কজবগী মপান নাইজ্রবা মহোশা লাইবেথীগী পুকৈসুং অসিদা মরুক মরুক্তা তোমথিন অমমম ভুক য়াওরকপা, অতুগুম্বা কজবগী মতৌশিং অতুম্ন অতকপনি।

যোংসোন অমা মমা কাপ্পিবগী উপালশিংশিদ্রে, কাংলোককহৌনা য়েংলিবা মখিং অদি অহু কুপকপি হাপ্পবা কাউদ্রে। মখোয়-মমাউশিংবা মমাক্কা ইবাই, লাহুনখিবা মতৌ পুম্নমক অহু খনাংদা কাংবা ভাখিদ্রে। মামা ইবুং মুমা য়েংলিবহু কয়িনো, কয়িমা মাচু তনাংখিনবদো



হাপ্পবদু খঙনবা মণশেংহা অতৈদু মাগী মিৎয়েং মতুংইন্না মখোয় মখোয়গী মিৎয়েংদু থাদবকনে। কমদা থোকখা মপা লৈত্রবা, কেদো মোইহাংবা লনকেৎ-লমহং ই পাল্লিন পাবীখবা লৈত্রবা যোংবোন-মাচা হুকবা অঙ্গমদি অচৎপা খনুক মচাশিং অহুগীদি কাম্ব হাপ্পকপদি—

মখোয় অদুদি মখিং মর্বা চপ থুংমম্রে, থুংবা শাবা মীগী অনাক অমমমগুম চপ্ চপ্ লেপ্তুনা অদুমক লৈমম্রে।

অচীকপত্থু থুগায়দুনা মোংবানমা হায়রকই—'খোমুম লাইবা, তাইবঙ্ মীয়া, য়েংউ আ-দগীসি উবয়া ?' মীংগাঙ্বমা কমদুনা য়েংকা ওয়গা শিমনা ময়াদা হেক হেক হুকলিবা, কবি পোৎপু চায়িবা ! অশংবা য়েশম মথক্তা লুপাগী কোংগোল খিনবগুম, মকক্তা শায়-তোম লৈদুনা মানা কবিবু তৌরিবা ? চেকশিনবীবা মাংশন্না ইকা ইকা কায়বা মকোক্কী মশম মথৈন্না মুংশিং শউম কংবদা ইচাই ইচাই চাইরিবা ; অমোংপা চরৈ অমমা মশাগী ইকাইবা তাকলিবা, উনগী চীংজাউ মতোগুম, তৌরবা মাগী কুচুনা মায়থৈ ওমথৈ তাল্লিবা, মোংমদোম থকী থাজনা মালেম থক্তা কেমবগুম্ কয়াগী মতিক ফজবা, উদবমা নখোয়বু ? য়েংউ, চৎলু অমমা, চীংডু ওইরে থুরুম্মু, ঐতোন্দম্ত তাকলো লাউ, তাইবঙ্ ওইরে পূবকউ, ঐখোয়গী ওকপ কোকহনসি, কেগে কনালো থঙ্হৌসি। মা'নবু তাইবঙ্ পেংলবা, ঐখোয়গুম মীযোম তাঙ্লবা, থুমাক-শাগেবু নাইরবা, শিংথোগী লুহুপ্পা মাগীনি, তাহ্বয়া মাগী কম্মমনি। চৎলু, কৌরু ইনাক্তা, মমিং মথা হংহৌসি, লৈকম শাংকম থঙ্হৌসি।'

মোংবানগী মবা তাচুমম্ব থণশেয়কাশিং অদু কনায় মচি লেঙ্গমদে। মকৈ মকৈ ওমশিনদুনা অমগী মমিংদো অমমা থমদুনা বা তাঙ্দমা য়েংলয়কই, অদুবু মমিং মমিং য়েংলদুনা মখোয় খোক্তুনা কনালো, কনাদা চৎকনি হায়মা কুপ্পা হুংলদুনমহু থবগী

মনাক্তা লেপলুরবা খীশক্তি অমা কাওবা ঙম্মোদ্রবদে। মনাক অকনুরবা লাই ওইবমচুমা মঙৈবা মশাগী করি ওইনবগে থবথবা কিনচুনা খুমজম্ব থোনা কনবা ঙমখিদে। মথোক্কা থম্মি—চুমা অমাগনগী মিৎনা উক্লবিনা অদি কাওবা করি ওইরকপগে থম্-জিনৈগো অমুক্কা মনাক্তা চম্বুনা লেপলুবা—কনাগী নক্তিনা লেগনি। অমুক অকনবগী মতুংদা অককপনি, হৌজিক হাইহাক্তগী মনুংদা শিরগনি থম্লবা খী অমু কাওবা অকমবনবু হায়রবদি লেমু লেম্মি, কম্মু কম্মি, শিগদবা লৈবে হায়রুনা নিঙাই শাংবাবকনা অমদি হায়বা ইল্লুববা থক ঙমদে। নোংবাননা মকক লৈজুনা অশাঙ্কনা মণশেম্মহা অমদা শংত্রিক মুমা য়েংলগা থংশেক থংনা নাংউরকই— 'চৎকে--বা চৎলোই-বা ?'

মণশেম্মহাচু কিবনা খায় পাখৎলি অমম্মুং বা মখা তাম্মবা ভৌদনা কিনা কিনা থবগী মায়কৈ ভম্মকই। অজ্ঞাং অহুবা নোংবানবু মথোম থোক্কনা মপৃক্তা চৈবা চৈবা চৎলি—'মানা থবা চৎবী হায়চুনা ঐবু হেক ; — লাইমা মরাইবা লেপচ: চাজনি।' অমুক নোংবানগী মমাঙদা পল্লুবদি ঙমদবনা থজিক থজীক অহুম থবগী মায়েকনা চম্শিন্নকলি। চৎম চৎনা মহাক্লা থবমা মমিং থম্মা থম্মা মমাক্তা অহুম মুক্তম মুক্তম শোম্মকই— 'কমমা লাইনে ঐদি থম্বনবে, শলেম শম্বোমা ইথম্মমক শোকপনি, ঐবুদি কম্মিম ভৌবীবকনু। চনি ঐবু থাহম্লিবা, কনবা হেন্নি থোয়খিবা, কত্তব অজোম নোংবানগে অকুমবা চৈবাক শীবিদু।' অহুম্মা থজিক থজীক চম্শিন্নকুবনা থবাক্তা অমবু থাজনবীমু থেম্মা লাৎক্কনা য়েংলকলে। ঙমক্তি থাম্মগী অবিথ

মিংয়েংদা অহু নত্রে, অঙকপা পৌভদু অমা উৎসাহী, মহৈরা, চেনা লৈবত্রুবা চক্রাইমক চুমবা অহুগুম্বা মিংয়েংলি। মথুং অমুককু চত্থুবা পেম্বক কোরবগা হাউনা-পামবা চাকপরলিবা মাগী
উদ্রকবা পুমঙক চেকশত্থুবা মনাক্তা চপ লেপ্পগা অহুম্মক মনা-মপ্পান মাইরবা তুমিন রেংদুনা লৈরকলে। খবর মহাকপু উদে, মাক-য়েত্তা য়েংখোক্লবা মাগী মতম লৈতে; মথংদা মথুংনা থংলপ্পবা অকনা মনা খিবদা মখিং অনিমক মখোই চিল্লি। হায়গুম্বা অহুম্মক পেম্বক থত্তনা চাবি।

মপাবা মপাবু কাউথেক্তনা মমিং মনা চপমুংবনথৈ লেপ্তুনা অমুম কুমৈ য়েংলবা মপশেম্বহা অতুনা জ্ঞান তায়ক্তনা খম্বা য়েংলবা মমিং অনিমক অহু আ-দা উখোংদা কমদুনা মাবু য়েংহৌ-খিবা, মাবু পাখোঙ্লোয় ওইনম্বকপা শল্লুপ-পূবা লোংবানগী মায়কৈদা অমুক থারকই। মানা উবে— লোংবানমচিংবা মী পুম্মক্লা মাবু অমদি খবরু হায়গুম অহুম্মক য়েংনবমরি। অমুম্বা লোংবানগী মপক উত্রুবদগীদি মাবু অমুক কিরকলে। চয়োম মুনবীখিত্রুনা চনা কেকনা কোত্রুবগনি খত্রকলে। পাক হেক য়া ওংগুলুনহু কিথগুম লৌ, লোংবান্দনা চৈবরু কি— লিপাখচাত্ত তোকন থহুববনা মপাদা হমাং অমপ্পা কাবকলে। কমিগুবা বাহং-পাউহংলুবদা মী অমিনা নাই ওইকনদ্রুনা পুখীরকখিত্রবদি মহাক চত্তনা কাইখেরবনী অমুনা কংলকখৌদি। লৈকম থত্তনক্তে, লোংবানবা অমুক থেং, অমমা অমুক থবশিন তোত্তুনা হমা হমা মঙক অমুম তৌলোং কাহুলোং পানকলে। অচৌবানদি লোংবানবা মথুং-মপা থাইরকখত্রুনা মহু

কয়া থৌজিনকনি, থৌজিনকপা মুরংগী নিপাকচা অমুনা অমুক
মচুকি মতীক মুঙী মথাক অমুখ মকশিনজকুবা ইনৈদি থোংবানবা
অমুখ মখিং খঙা খঙ্গা খাকচেং ওইরণ চংশিন্নকপা খরগী লেম্বুক
কোয়কমদা মখোয় মামা খাংজিন্নুরে। মী-মখোয় অমা [illegible]
অমুমা ইচক নক্কা য়েংবনেকপদা নিপাক্চা অমুবু উবকনে। [illegible]
অসি কাওরগা নিপামচা অচুদি মথাক কয়াম থৌরমগে হায়রম
খল্লমখি— লোংবাবদা য়েংবা মখিং অমু মসোক্রমখি। [illegible]
খংলাউ লাউরকই— 'কমাকো ?'

মশক উদবা কমাকো অমমা থখোং [illegible] [illegible]
অকনবা নোংনৈনা চেনবা মকংবা উনাঙ্গুম [illegible] অমু খুংগেৎ
থংনা ইয়াং য়াংনা কমা লাপ্না চোংথোকখ্রে। [illegible] [illegible]
লেংলবদা নিপামচা অচুম্না নৈখোক্কুবা য়েংলকই। মামা উবে,
মাগুমনা ভক্কুবা অমদি অকিবা য়াওনবা নৌনা ঈংনা মুংশিনবা মায়থোং
অমমা মতোম্দা শংক্রিক য়েংবা নৈরমলি। [illegible] [illegible] থোক্লাউ,
অচুদা অকি-অখং য়াম্মনা পাখংলুবা ওইচুমদ্রু [illegible] [illegible] [illegible]
থোঙ্খেল অচুমক্কা নিপামচা অচুগী মমায়দা কুপলবা [illegible] [illegible]
অকিবগী নৈচিন অপূর্ব লোইনা হাইজোকপিখিরমগী। [illegible] [illegible]
মমাংদা [illegible] চোংচু কাইনা [illegible] [illegible], [illegible] [illegible]
[illegible] অমখি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
পুন্সমক্কা মশক উবতদা হায়া মাগী মখাপোনবা ওইরনীংবা, [illegible]
মরুম থ পচনীংবা, আকবা হংপোইবা শককম চেনবা, ইথোং থোংনা
ইংলৌভা লৌভবা অচুওবা [illegible] মাগী [illegible], [illegible] [illegible]

মিংকং-মিংকা চাৱৈমদি লেঙ্গুবা ওননা, লাইরেকী মচুগুম উৎবাই, চুমকন লোকপা অতুগুবা মীশক থমদি।

অতুথত্তদুদ্ বা-চাংবা অতৈ তমলাইমক্তা পীরকপা. নৈনবী বাবী অহান্নমদগী খরা খরা তাখিবা নৈনবী নিপামচা অদুনা তাংলোংবা অমা লেংনা থংদোকচনবা য়ান্না বাদা হোৎনচুন্না থৌকেক-অনা যথিংলোম পীং পীং চোংবা চোংবা, মখোল হাজকংবনা মথুং লোয়ন্ছুনা হংলকই— 'থোমুম লাইবা, অ-তাইবদু, খীয়া ?' অদুনা অকিং-অকাইদি হায়দোকলুমগা মাদা কম্বিদু খুমকনগে হায়বগী মরমদা চেদু-থৈবগুম থবাক মিহুম থত্তুবা, মশা তনিক-তনিক তৌনা পাউ-খুম চাইদুনা নৈরকলে।

মাহাং অদু তাবদা ইনৌ লোনা থোক্লবা থবনা অদুকা হেন্না চকগুনুনা হায়রকই—'কৰি হায়বা ?'

থমগী পাউখুম অসি তাবদা অকিবা থাক অমা অদুক হন্থর-ছুনা হন্দক্তি নিপামচা অদুনা মখোনা নৈনা হায়রকই—'ঐখোয়না হায়া লম অসিদা অমুক্ত কাওবা উয়ক্তবদগী. থংদছুনা হংবনি, পাউগদু। য়েংজোর, ইচৌম-ইনাউ ; য়েংদু, অ-দা উখাদা মরাম মরক্তা কমলিবা, ইতোপ তোপ্না উমিবা নিপা অসে অহোম লোংবাম হায়বা অকনবছুনি। মহাক্তা মহাকপু কৌরি। অমুক্তা চংথিরকউ হায়নবা মাদা ঐবু থাবকলিবনি।'

নিপামচা অদুনা মথুং খিন্দুনা তাকলিবা মায়কৈ অতুতদা অমুক্তং নৈখোক্তনা য়েংলমগা থবনা হায়রকই—'ঐ শংত্রি, অহোংদগী চারক্তু, লেক্সক খিত্তা চাখিগে, চকম কাবগা চদুনকে।'

খীত্রে, পাউখুম হেক নংবগা হবাউজখিবদা নিপামচা অদু মা মথা অমা অমুক তারবা তোঁদনা লোংবাম তমবা কৌদুনা কেবদু।

চয়োম মুনবা

পেক্লক থত্তুনা চাবা পেল্লদুনা, চোকয়থম্বা মশাঙ্গ থন্না তেক্ক-থৎলদুনা থম্বা হৌগৎলকলে। ঙসায়মথৈ মনাক্তা থাদোক্তুনা থমলুবা মাগী লীচৈ ভুংগোল অদু পায়দুনা লেপ্লগা মায়কৈ শীন্না মঙক নৈদুনা অমুক্তুং য়েংলকই। মচেগী চা-মবাদি কয়ি পুশিনথিগনি, কদাইদা ফংলুগনি হায়বসিনা বাখল মথাঙ্ অমুক ওইরকলে। কথোং হায়বদুনা লোক্তাক থোঙ্বাম করম্বদা, কদাইবাইদা ওইরিগদনো, কমদোনা পানবনো, পাম্বীনা কয়ম তৌবনো কয়িস্থু খঙ্দবনা ঙাইহাক অমুক চমম্রয়কই। মানা খল্লকই, মদুদি হল্লকপা মতমদা অদুম থিরবস্থু য়াই, মীনা কৌরিবসিদা হান্না চৎলুথিগে, অসি খন্দুনা তপ্না থাংবা থোঙ্পাংনা নোংবানগী মায়কৈ পাংলকলে।

খম্বনা থাংলকপা থোঙ্থাং থূদোংমক মমিৎ কুপ্তুনা য়েংলিবা মোংবাননা য়েংনা য়েংনা খল্লকই 'কনা ওইরিগবা? কেগে মোইরাং মচা ওইরবদি ঐনা খঙ্কম থোকই। ঐনা কয়িগুম্বা খঙ্দ্রবস্থু মানদি ঐবু শোয়দনা খঙ্লমগনি। অদুবু মহাক কেগে-পুং অসিদা হান্না লৈবা মীওই নত্তে, অদুদি কদাইদগীনো? শাজৎনা লেমলিবা থোঙ্থাং অমদি শুৎহাইনা ফজরিবা, তমলুদূনবু কনানা অস্থুম্না চৎপা কৈগনি! মসিনা ঐগী ইনাউককা তুক ওইজররবদি পেনস্থ্র-নিদা শয়ীশো। ইচৌন ইনাউ অনিনা মমথেক্তুনা ঐনা মিংথৌ ওইরগা মাবুনা যুবরাজ হাপ্তুনা পাল্লবদা মোইরাংমচা কনানা মকোক কাঙ্থৎলকনি।'

অস্থুম্না মণ্ডল মণ্ডল থন্দুনা নোংবামনা মমিৎ কৃণ্ডবমথৈ খবর্মা মমাঙ্দা চঙ্লকপত্তু য়েংহুনা লৈরি। অকোয়বদা লৈরিবা মরোয়-মথৈ অত্তুস্থ খম্বনা অস্থুম মকশিন মকশিন্নক্রগা হেন্না হেন্না তঙ্কুনা হায়কম থনকম মথোঙ্ ইথঙ্ থঙ্নদবমথৈ মমিৎ কৃণ্ডনা অস্থুম য়েংখি। হাওফি মতৎ অমা শেৎপা নত্তমা খম্বগী মপাদা অত্তে কম্বি অমত্তস্থ পক্কে, মশম মনা ইফা ফাই, অত্তুগা কম্বিস্থ থৌশাদনা পায়বা লীচে ভুংগোন অত্তুনা লেম্লবা মাগী খৃৎহাই অত্তুগী কজবা অমুক হেনগৎহল্লি। চেংত্রিক চেংবা মথ্বাঙ্নি, খৃৎনা পায়দ্ভুনা লাকশিনবমক য়াগদবঙ্গুম মীংই। শামুগী মাতাম মামবা মপোপ মতা মাম্নবা অশাংবা মপাম্বোম অনি অত্তুনা থোঙ্থাং খৃদীংগী হাইরি। ফল্লবা থবাক অত্তু উবদা লৈরমলিবা যণশেম্নহা পূম্নমকনা ঙক্লথিবনা ময়াদা হয়িং চঙ্খিবা ফাওবা থঙ্মদ্রি। হকচাং মস্থুংদা সনা-মহী চেনবনা অঙোবা উনশা ফাওদোক্কৃনা মপান্দা তঙ্গাং তঙ্গাংবা মঙাল অমা ফুদোম্নকপা মামবা মীংথিজমবা কুচুনা সুমিৎ মঙান্দা ফুদোংভুনা অমুক্কা হেন্না লংখৎনা উরি। কোয়ম্বাওমবা মমিৎকী মিৎমৈ অনিমক্কা মনাকোঙ্ মাকচি য়োনীং য়োনীং তোনা শাংদোকখ্রি, অত্তুগা মদূবু কা হেনখিদমবা হায়দ্ভুনা লাইয়েকপগী ভুড়ি থাত্তুনা য়েকপা মাল্লবা পীশূম অনিমা লীক্লং মওঙ্ শানা মত্তুগী মথক্কা কোয়শিন্দুনা থৎলি। থম্বোই মহীগুম লূমবা মিৎ-পূগ্রী মস্থুং অত্তুদনা মশেক নাইত্রবা থবাম্মীচাকুম লংলবা মিৎমহা অনিনা কোয়তাউ তাউত্তুনা শাম্নবি। মোমোন মীমোক্কী মীংথিম্নবা মেখা অমনা তঙ্গাং তঙ্গাংবা চৌনবান মথক মথাগী ভাইমবা অত্তু

থহ্‌হন্দুনা অমদি মীনোক অহুমা নবম ওইহুনা মায়থোং থানিব অদুবু অচীকপা, অনোবা অমদি অঙৈংবা মচাম কাওহন্দুনা তাঁইবঙ্‌ কনাগী মকাদগ্‌ নত্ত-ওইদবা কন্নিসু তৌরুবা লৈত্রবা, কনাদগীসু অকিবা কংলককম ওইদবা, হেক উবমক্তদা মাবু থক সুংশিনোই হায়না ভমদবা অহুগুম্বা শকক্ম অমা ওইহল্লি।

অস্তুম্না পন্দনা চঙ্‌শিন্নকপনা নোংবানগী মনাক য়োমক্রবদা ইপৌ পৌনা থম্বনা হুংলকই—'ঐবু কৌবা কন্নিনো?'

ফজবা শক য়েংবদা মুন্সুনা পূক্লৌং হকচাং পূমগুম শুক্কংলন্নবা নোংবানবা থম্বগী বাহং তাবদা থংপেক থংখিহুনা নোংথাঙ্‌ কূম্নদগী হেন্না থুনা মকোক মীক্লকই অমস্তুং মিংনা কূম্না মস্তুংদা, মতম কুইনা অস্তুম পাঙ্‌থোক্তুনা লৈক্লবদগী কূপকনি হায়বা কাউক্লম্ববা মমিং অনি অহু তোয়না পা থগুনা কূপলকই। অস্তুম্না মশাবু ফাথজহুনা জ্ঞান তায়ক্লবদা নোংবানবা অমুক হন্না মচক হাইগত্তুনা মমাঙ্‌দা লেপ্লম্নিবা মূর্ত্তি অদুবু য়েংলকই। মাগী মতৌ উবদা হস্তবা মিংয়েংনা য়েংহুনা নোকমি নোকমি তৌরম্বা থম্বনা অমুক হায়রকই—'ঐবু কৌবা কন্নিনো?'

পাইরক কবা নোংবানমনি, তুহং চাউবা অঙোমমনি, মিংনা কূম্না মস্তুংদা নোংথাঙ্‌দগী হেন্না থুনা মপূক্তা বাথল থল্লগা থম্বনা মীয়োম ভাঙ্‌লকপা তাহুনা মাবু তন্নলাইমক্তি নত্তে হায়বা থঙ্‌লবদা মপূক্তী থাজবা মতৌ অদুবু মচীন্না খুমহুনা থস্তুংদা অহুম লোত্তুনা থম্নগা থংহায় হায়দোকপদি ভমত্রহুনা ইক্‌-আক্‌ তোমা তোনা খোতক খোতক হায়রকই—'আ—কন্নিসু নত্তে ইচীম্নাউ! চঙ্‌লকউ লাউ

কমলখো, খঙ্‌নবীংদুনা তৌবনি। ঐ অঙোম নোংবানমি, কেগেদা তোমখিন কাওবনি। অকি হংগোই থমগনু নশক নমিং তাক্লম্মু, পোকফম শাৎকম হায়রম্মু।'

নোংবানগী য়াহং ময়াম অসি তাবদা মীয়োন শুত্রিবা খম্বদি পূমঙক ওক্লা থোকখয়ে। কয়িনা হানকম থোক্লিবা, কয়ম্না তাকপা হৌনবা, মখোঙ্‌ কয়িম্নু খঙ্‌দয়ে। অতুগীম্নু মথক্তা কনাগীম্নু মকাদা মশক মমিং ফোঙ্‌ফদে হায়বা অকনবা মচেগী য়াথংম্নু লৈবনা তৌফম খঙ্‌জত্রবা খম্বনা নোংবানগী পাউথুম পীবা তৌদনা ঈকাইজবনা মমায় মায়থোং ভাঙ্‌শিন্দুনা লৈমায়দা মমিৎ থমদুনা লৈখ্রে।

খম্বা মতৌ উবদা হেম্ন' ভাঙ্গ' ফংলবা নোংবানমা মশাগী কিবম শেমদুনা য়াঙ্‌তিংনা ফম্লগা মথা অমুক হায়রকই— 'মায়পোং য়েংবদা লৌয়িদো, ঐনা হল্লি নীংইদো, ইয়াম্বগী ইবুংঙো! শেংনা নপাউ তম্লম্মু, ঐখোয়গী ওকপা কোকহল্লু। কয়ম্বা শলাই মচানো, কয়ি থবক্তী লাকপনো, লমহাঙ্‌দগী পেরুকপু কমৃতগুম থন্দুনা অতুক হাউনা চাবদি পেরুক্লা চউরকপয়া, চাক্তী মচাউ খঙ্‌দয়া? নঙ্‌গী মতৌ উবদা ঐখোয় 'পূম্বা ওক্লয়ে। কিক্লগনু পাউদম্মু, ইয়াম্বা লৈয়ি কাউগনু।'

অমেঙ্‌বা থোমফমদা খম্বনা হায়রকই— 'তাবিয়ুদো ইয়াম্বা, মণশেমহা লুচিংবা! ঐম্নু মোইরাং মচানি, কেগে পূম্দা পোকপনি, অতুমদি ওইরগা পলেম পম্তৌ লৈত্রবা, লমজা শক্লা চিংলবা লায়রবা মিংগৌ কৌজবা তোলেন তোমবা ঐহাকনি।'

খম্বগী মপাউ ভাবদা অমদি নোঙ্খুকপা মতৌ উবদা মোংবাননা মাবু উং-য়াইগুম থল্লক্না উপীং থোওইদনা হায়রকই— 'লায়রবা লমজা মুংশিদা ! কদিগী নপূক তোম্বদ্রি ? মোংবানগা শকথঙ্ মায়থঙ্ মরদি লায়রবা অমুক নৈরবোই। ঙসিদগী চৌজনা এখোয় নঙ্গী মরূপনি। কনা নৈতে খনকদে, চীংগুম্বা এ নৈরিঙৈ নঙ্গী কদি য়াংকনি ? অদুম্বদি ওইরগা মূম্না তাও লায়রবা ! ঙসিদি হৌন-য়েনশাংনি, অহানবা খঙ্নবা সুমিৎনি। নপাংগল মথৌনা খঙ্মীংই। ইরোয়শিংগী ময়ক্তা লাম্বা চাবা অমগা মূক্না অমুক্তং কোমোদো। কনওয়েন যগী মতৌগুম হাম্না বাইনথোক্লগা কোম্না মরূপ লিংবগুম, চাং য়েংথেক্লখিসি, লমজেন মাঙ্জোং তাম্নসি, লমজা কদি কায়রবগে, য়ানীংদবা নৈবরা ?'

মিৎকুপ অমগী মনুংদা খম্বনা মপা কবুই শলাংনা মাবু মপাংগল চাং য়েংবদা চীংখাদগী নুংজাউ চীংথক্তা পুথৎহনখিবা, চীংগী খুঙ্গা অক্তমগী মমাম্বশিংগা তকথৎনবা মূক্না শাম্নহনখিবা অদু পুম্নমক নোংখাঙ্ কুয়গুম নীংশিংলকই অমসুং চীংগী মমাম্বশিং অদুগা য়েংশ্রুবদা নোংবানগী অকোয়বদা কমলিবা মরোয়-মন্যউশিং অদুবুদি তুমিৎ-কাঙ্ ওনা উদুনা নোংবান্দা মপাউ পীরকই - 'মূক্না মাঙ্জোং লমজেন্দা এনা কনাবু কিক্লদে, অদুম্বদি ওইরগা ঙরাংদগী চাদরি। ইপূক লাম্বা মরমনা লমহাঙ্দা পেক্লক থৎলিঙৈ কৌনীরবনা হানখরে, চকম ক্বাবা ঙমকৌদ্রে। চনীং চমাঙ্ শন্নদ্রি, ইপূক লাম্বা কোক্তদ্রি। মূক্না কোম্না শাম্নসি লমজেনম্থ হয়েং তাম্নসি ঙসিদি মুমদা-হনখিগে, হয়েং ঙম্না নৈরম্মু এম্মু ঙম্না থোরক্কে।'

অসি হায়রগা খম্বহু চংকাদবগী মমায় লৈরকলে। অমরোমদা মচেনা মুংশা খোইরগনি খনবদসু ভপথবা শুমখিদে। খম্বনা চংখি-গদৌবা মতৌ উবদা, মপূক লাম্পী তাবদা চাথুং কিথুংদবা লায়রবা মচা অমনি খন্দুনা উপীত্তবা বাহৈনা মোংবানমা তকিং তকিং হায়রকই— 'করি হায়বা লায়রবা, চকম ভংলি উংলিবা, উখোঙ্দা কোয়রনা পৈখিবা চয়োমশিংসি উবরা? লমজেন হায়বহু তোক্রলি, মূক্রাভদি শারসি, মঙ্না ঐখোয়বু থায়বা চয়োম পুম্নমক মঙ্গীনি, মনা শক্লা কংগনি। অহাউবা মখেন মখেম্নি মপূক খম্না চাগনি; খাংজীং লাইমা খঙ্গনি ঐখোয়গী বাশক হাকনি।'

মমৌ তৌবা মোংবামনি মতাং চাউবা অভোমনি। খমুংদা মামা খল্লকই— 'মসি মীতা জাং অমনি, মোইরাংনিসু মহাররি, অচুমদি শিজুং মাচুং লৈগনি। ঙসি তাঞ্জা কংলিঙৈ, চাদবনা শোল্লিঙৈ নমথেকহোবনা চুমগনি।' অসি হায়না হায়না মহাক্লা উখোঙ্দগী চয়োম অমা লোয়রগা খম্বগী মমাঙ্দা ফাক্তোক্তুনা উংলকই অমসুং খম্বগী মমায় মূম্না য়েংচুনা লৈরকই।

ঙসায়মখৈদি উরমদে, চয়োম লৈবহু খঙ্লমদে। মোংবামগী বাহৈ তাবরগী খম্বনা য়েংশিনখিবদা উরকলে, লোয়না লোয়রমনা মোংবানমা ফাক্তোক্লিবা চয়োম অচুগী মনুংদা য়াওরম্বা লেঙ্-লেঙ্ চংপা ককচেং মঙ্গম মাম্না নোংখিজরবা তোমোক তৌবা চাক অমদি ঔমশাং মখেল অচুদা মাগী মিংয়েং থল্লকলে। মুংশিংনা পুরকপা চাক-ঔমশাং মমমনা মাগী মাত্তোম শূমাঙ্দা লৈরবদা খমুংদগী কনাচুবো মশক উদবা অমনা মহাকপু চয়োমশিংগী মনাক্তা য়োমবা


নূংখমলোমনগী' কন্না ঈথশিন্নকলে। মীগী মনাক্তা ঈকাইজদুনা মতুগী মনাক মককোইনবগী থকইন্দু অদু থাদুবা হোৎনবদা অদুকী মতিক ঘাদা থোকদ্রে মদুদি, মতিম কূৎ-কূৎ য়োৎথদুনা শাক্ অদুবু কাথবা হোৎনন্নকলে। অসিমক্তদসু কাবা ঙমশিন্নক্তদুনা মিৎকুপ অমগী মতমদু পমথবা তোদনা মচীন থোক্না হান্নকলে— 'অতুদি থবা থুমসি, অমনি অমনি থঙলসি।' অসি হান্নবগা লোয়ননা লোংবানগী মযোয়শিং অদুবু লৈদুনা অমুক য়েংলকই— হান্নদগীসু উশীৎলমদবা মপূন্নীং অদুনা হুজিক চাক-ঈনশাংগী মনমনগা অমুক থোজিন্নক্লবা অসিদদি মথোয় পূন্নমক্লা মতম অমত্তদা পূন্নপ হোৎনক্লবসু মানা লায়না ঙমগনি থন্নকলে। মিৎকুপ অমগী মনুংদা, অন্নাম্বা লৈরিবা সুংদা চাকশিন্নকপনা হেনখিবদগী থমদু হিংচা য়াইতম্বগী পূকচেল চেন্নকলে। চা-দবদগী মপাংগল হন্নমদুনা কবিগুম্বা লাইগী লোংদমনা মানা মায়থীবা থোক্লবা ফাওবদা চয়োমশিং অদু শূপকোন কোন্দুনা চেনথ্রগা লোইয়ে থন্নকলে।

হায়না হায়না মফি শেম্বা লোইদুনা থমদু মাগী লাম্বা লাইদুনা লৈন্নকলে। চন্নাম্নবা মোংশানি, অকং অকং লাকমবগী শাবাক্ চাইবা মতৌম্নি। হৌগত্ন্না মোংবানমা মপশেয়হা মমক্তা কোয়না লাম্বা শীনজিন্নি। অহানবা লাম্বা থোন্নকলে, লৈসুং-উচুক শৎপগুম থম্বনা লায়না লংথরে। অয়ো চৈনা কাওদুনা মপশেয়হাদু তুথরে। মথং অমা চঙ্লকলে, পায়ফাক্রিবতে লংথরে। ককচেং মরী চৎপগুম মথং মথং চঙ্লকলে, চঙ্লক থূদীং ওন্নথরে, অয়ো অয়ো লাউনরে। অদুম্বা লোংবাবগী মযোয়মথে লোইনা তুপিদুনা মথোয় অমকতম

ভুখিবদগী হৌগৎলবা ভমদনা অয়ো চৈনা খাঙ্দুনা লৈখিঔ, লাখী শরক শিহন্নীংস্রবা খম্বনা নোকমি নোকমি তৌতুনা নোংবান তম্না য়েংলকলে। মিৎয়েং অতু উবদা অঙোম নোংবান অকনবা হৈনদবা পস্থেংলে। অদুবু মহোয়শিংগী মমাঙ্দা ঈকাই কীরক খুম্বহু পামজদবা নোংবানশি; অতুগীস্ত মথক্তা খম্বগী লৌ খঙ্দরি, মপাং-গলবুদি মকল্লে মুক্তা লৌদ হৈরমলোই, ওজা নাইবা এহাকনি, কেগেদা ইপা য়াৎপনি, বাখল অসি মাঙ্ওইনা নোংবান মফি শেন্নকলে।

কেগে মোইরাং লৈবাক্তা লাম্বা লৈতনা তোমথিন ফাওতুনা লৈরবা নোংবাননি। মোইরাং পাখং লুচিংবনি, ওজা নাইমা অথুপ্পা লৌ কয়া তম্নকপা নোংবাননি। কনবা থৌনদা মাগুম্ব য়াওদ্রবদগী মোইরাংদা লমকেৎ লমহাই পাল্লকপা, মীশা ম'য়োক য়াবীনিঙাই লৈত্রবা নোংবাননি। শাগৈ জাত হায়রবস্থু অঙোম নিংথৌগী মচানি, মমানা খুরায় লৈমনি, মরল লৈবদা নোংবাননি, শক ফজবদা অঙোমনি। মরম পূন্নমক অসিদগী থোয়চৎ য়াংচৎনরবা লমকেৎ লমহাইরবা, মাপমনা ময়াই কাবরা, অহন্দগীনা মহা ফাওবদা মানা কিবা লৈত্রবা অতুগুম্বা নোংবাননি। মাগী লমহেনবা মতোদা অহল মথৈনা খোয়দৌ শীক্তুনা খাঙ্বা, মমামগা মথৈনা অমুক্তং হায়তুনা চীংনরবস্থু ফোংনদি থক মায়োক য়াঙমদবদগী তকসি শোন্দুনা তোক্লবা অতুগুম্বা নোংবাননি। অদুমু ওসিদি শকখঙ্দবা লায়র-চুদৎপা শামামবা অমগা কি শিন্নতুনা ফিবম হেক তানম্নকপদা মাগী লাম্বাগী মপাংগল খঙ্লকপদগীদি নুংশা থাবনা মমায় ভাঙ্গুশিল্লবা .

হৌরকলে। অদুবু অসিমক্তদসু মপূক্কী থাক্কবদি থক থাদোক্খি—লাম্বা অসিন্না মমথীব মথৈ মপাংগল কল্লবসু মহাক্না হৈবগুম অথুম্বা মুক্নাগী লৌদি থক খড়ুলমগদবা মত্তে। অসুম্বা খম্নুনসু, অকিবা লৈতনা হেক্তুমক লৌ তৌরুগদবসু খঙ্খানড়ুনা অসুম তাঞ্জা। ভাইডুনা লৈখি। হন্দক্তি খম্বসু মণশেন্নহা অতৈদা তৌখিবগুম ঊরায় লাম্না পাক হেক লাকশিনবা য়াদবদগী অসুম নোংবাশগী



মতীং খড়্দোক্লবা তাঞ্জা ভাইরকলে। মপা কবুই শলাং নিংথৌর মশামক্না পুংকক চাউরক্লবদগী পাখং কারক্লবা ফাওবদা অথাক লৈতনা লাক্ল-কামবগী অয়োনবা অথুপ্পা থোঙ্লৌ-থুংলৌ পূম্নম

তম্বীহুনা, চৌংথী মমাম্নবা পুম্নমকপু হিরম থুদীংমক্তা অক্রবা খুমন মচা খম্বনি। মতিক চাবা লাম্বা কংলবদা তনিদি মথবাম্ন মুংতোইনা, অমদি মিংকুপ নাহুম শিংনা পাম্নকলে। মপুক লাম্বী রাখল থাদোকখ্রে।

অস্নুম তৌনা অনিমক অমনা অমগী লৌ তাইনহুনা লৈনম্নকপা তাইহাক ওইরে। তাইহাক ঈম্নম্নকপা অনিদা মোংবাননা খঙ্লে, মাগী লাম্বা অসি মুক্না চপ-চানা হৈ। মপুক্তা অসিমা খনখিবদগীদি মোংবাম অহু মুংশা থীবা হোৗম্নকলে। খম্বনা উম্নে, মোংবামনা: খক লৌ হোৗম্নকদবা লৈত্রে। অস্নুম্না মতম মাঙ্হন্দুনা লৈবহু মচেনা চৈম্নমগনি খনবদগী অমুক শাংথকম্নীংত্রে। শীত্রে—খম্বনা লৌ হোৗম্নকলে। মতাং অসিদদি মাগী মাগী হৈনবা মহৈ ফুদোক্নহুনা মশা মশাবু কম্নগা য়েক্নবা লাকথুনবা হোংনম্নকলে। অস্নুম্না ওজা নাইবা মহৈ মাম্নবা মশেন কোম্নম্নকপদ অমনা অমদগী মপাংগল হেনখ্রবদি হেনখিবহুমা অহুম্মক হেনহ্রবনা মদুবুদি কমামসু পাক্নবা খক ভমদে। পোকচৈদগী মী অমনা লাকচবা খঙ্লক্ত্রিবঃ খম্বনা মপা লৈত্রবা মপাঙ্গলনা মম্নম ওইহুনা মোংবানবু মখোঙ্ মথুং ফনমক শিংবা ওইহুনস্নু ঈম্নায় লায়্নবা থাংগত্তুনা উক্ন-রু লৈম্নগা মকোক তাওহন্দুনা লৈমায় থক্তা লংথম্নকলে। মোংবাম খম্বগী মথা থাহুনা ভুখম্নে। কম্না লৈমনখিবনা অমদি কম্না লংথখিবনা মোংবাম অহু খম্বনা কোনখৎপিত্রেবদি মকোক তাওবনা হোৗগৎ কাহ্থৎ তমলোই-দবনি। খম্বনা হোৗগৎপিহুনা হোৗগৎলক্নবা ফাওবদা মকোক অহুম্মক তাউফিং তাউফিং তৌনি অদুমক্তদা অতকপা মতাংনি! মহাক্না

হায়রকই, 'উম, নোংদি থদ্রে ইনাউ! ঐশা অমুক্তা ভগীরথদি কনা য়াম্না হৈগনি।'

ঈকাইবা থক্দবা মাগী মতৌ অমু উবদা যথশেম্রহা মথৈ অমু নোঙ্কীংবনা শিগদোয়ে অদুবু মাবু কিবমক্তনা মটীমবাম মথক-মখা অদু য়েত্তুমনা কাজিন্দুনা য়ামা থাদ্রম্রে। অদুমক্তদা থাদ্রবা ওমদবা অমখক্তি অনৌবকপগী শোঙ্গেল অদুনা লোক থুবা তাহন্দুনা থাগ্না চেম্বোকংগা মতাই অমদা কয় কয় ওন্দুনা থাড্থয়ে। মদু পূম্নমক কষি অমত্তা উদনা নোংবামনা হায়রকই— 'পুম্নো চৎলো অকনবা! চয়োম 'পূম্বা নঙ্গীনি।'

'চয়োম 'পূম্বা নঙ্গীনি' হায়বসি হেক তাবদা খম্বনা মুক্তা কিশি থোকপা মংদনা চয়োম পূম্নমক শূপকোম কোমশিল্লগা মাগী লীচৈনা শেগ্রাক্ত চপ্তুনা তাক্লম্বা কাওবা মংদনা মায়থোং মকায়াম্না থম্মোইদা মচেগী শক্তম উনা উনা মমায় ওন্দুনা চৎথয়ে। হয়াউজবনা মমূম য়োমবা পাইমীংলে। হনুমানমনা সনা লঙ্কা চোংবদগী হল্লকপদা মমা ইবেম্মা সীতামা শ্রীরামগী থূদোন তম্নকপা অমৃত-ফল অহুমথক পূম্নকপদা নূমথম্নকপনা পূবা ওবশিল্লক্তবগুম থোক্লবা, অকনবা মমা শক্লা পূম্নক্তুনা মমা শকপী মচেমদা লেম্লজনীংবা অদুগুম্বা চয়োমশিং অদুগী মনমনদি থোড্থাং থূদীংগী হুং হুং নমশিল্লকপদা মফম অদু-মক্তদা কমথতুনা চানীংলবনি। অদুবু লায়য়বী মচেগী ময়াদা তান্নিবৈ কষিগুম্বা অমত্তন্ত হুকপা হৈনয়ক্ত্রবা খম্বনা অমূক কামবদা মমূম য়োগে মতাগুম থোড্থাং লাওনা কাল্লকলে।

যণশেন্নহা মখৈনা ময়া কাবমখৈ মতুংদা ওক্লা হেংমহৌরি। অকনবগী মগুণ অকনবনা খঙ্হই হায়নবগুম মুক্লা থাদুনা মখোয়গী চয়োম মখৈ মুনথবা ফদু ফাওবদা নোংবাননা অপাউবা লৈতনা খম্বগী মায়কৈদা থাগৎ-শিংথেংনা অম্বম থেংদনা লৈহৌরি। তুমিৎ-কুম্বা অশোনবা মী চ'ম চামবু উমদুনতা লাকপদ উসি ফাওবদা নোংবানন', পাবীনদা লৈতনা ফাওরক্লবস্তু মথবায়না পেঞ্জবদি মৎ-লমদে। মানা খল্লম্মী, থাংজীংনা কোনবা লমদম অসিদা মাগী মাথোক য়াবা ওন্বা অকনবা মচা অমা ফাওবা পোক্ত্রবর ? অম্বম্বা খোয়াং খোয়াং লৈয়কপাদগী থাংজোংগী নোংদম্বা মাগী মতিকচাব লাম্বা অমা উসি ফংজবদা ফনমক নহাক্ক মায়থীত্রনম্ব খোইনা মুংঙাইহবা লৈহৌদে। ঋদূবু মণাগী মরম্মাই তানবা থাথম্বা মাঙ-ওইনবদ মীওইবগী কৌনশা ওহবনা কবি করম তৌরগা মমাঙদা চয়োম কোন্দুনা হরাউ হরাউ চৎলিবা শকখঙনদবা নিপা অসিবু উমগদগে, মাবু অমুক্তং লৈনাক নিংগৌ মমাঙদা নিপা থোক্লা উমদুনা মপূক্লীং পেম্না মায় পাকচবা ওইবা য়াগদগে হায়রবসিনা অয়োনবা মাগী থম্মোই কিশিন।

ভাইহাক য়েংতনা অম্বম লৈরম্লগা নোংবানন শেংম্বংনবা শেংল্লকই— 'নোংবান ঐগী হাতক চাবা লাম্বালি, চৌংঙ মাগী মোংদমাক।'

কবি চায়স্থিবনো অর্থ খঙ্দ্রবা মরোয়শিং অতুমা নোংবানদা অমুক য়েংনরকলে। মখোয়না উরে-- নোংবানগী মমায় অতুদা মীন মুক্ত থাদুনা চয়োম মুনবীথিবগী মুংঙাইহবা, মুংশাঙবনচিংবগী মমি কথিস্ত তাবা লৈতে।

অপোমদা খম্বদি কঞদোরি ? মকামামনা মায়থোংদা হায়রগী হেক্না অহংবা মঙান ফাওহন্দুনা নোক্না নোক্ন' চয়োম কোন্দুনা মহুৎ য়োমবা ওস্তম লাকপদা লমথাঙদা মী থয়না ঈশীংলম্বা থেংনরুরে। চংনা চংনা মামা থক্লকই—'পুরকলিবা চাক-ঈনশাং অসিদা ভায়ো ওইনবা ঙা খরদংগা য়াওরবদি ইচেনা হয়াউরমংগনিদা।' পক্সে, থনবগা চঙ্শিল্লকপগা মারৈ। চঙ্লক্কনা ঈশীংপাশিংদা ইত্তিং তিংবা হায়রৈ 'ঙা খিত্তা পীয়ুবা।'

ঈশীংপদ' বাবনা শদো থোংলম্লবা ঈশীংপাশিং অত্তুনা শাউনা হায়রকই, 'কবি, নোং ঙামবদগী চরা হেন্দুনা লৈখোম লৈনাং ময়ক্তা বানা হোংনজ্রনা ফায়গা নঙোন্দা লেম্বা পীথোকপা। চথোকউ চংলু, কদাইদগী অঙাওবনো ?'

অত্তুমক্তুদা থম্বনা ইতাউ তাউনা হায়রকই— 'মূক্না শামজুনা ফংলকপা চয়োমশিং অসিগ' চাক্নগে তৌবনি, অয়াম্ব' নত্তে ভায়োগী ওইনা খরদংদ পীয়ু, কবিগী অত্তুক শাউরি ?'

মূক্নাগী বা পল্লুবনা মথোয়না থম্ববু য়েংথংনরকই, মাগী ফিবম মতা অত্তু উবদা হৌনা নোক্কনা হায়নরকই—'কবি হায়বা ! মূক্না শামবাগী চয়োম ফংলকই হায়বা ? অত্তুদি ঐথোয়গা অমুক শারনি, ঐথোয়বু ভন্নগা অফাব' লেমলৈমখৈ পুজথো !

মূক্নাগী বা তাবদা থম্বত্তু পস্থবা তৌদনা চয়োম লৈপাক্কা থন্নগা নোকমি থোকমি তৌনা ফিবম শেমজুনা লৈরকলে। লৈথোম লৈনাং ইচৈ তৈব' ঙ' ফ'বশিং অত্তুগ কে'মজুন' মূক্না অমুক শামরকলে। মথোয় অমত্তুনস্থ অমুক্ত-কাওবা য়াম্লুবা ভুমত্রবদা, ভা

লৌখিগদবতু পাম্মুত্তুনা হায়রা ভুখ্রবশিং অহুনা হৌগৎলক্ত্রূনা অমুক হেক্তুমক কোরৈ। অসুম তৌনা ওইখোক্তবা মওঙ্দা মী পূম্নমকপু মথত্তনা ডাইহৎলবা উবদা মখোয় মখৈ মহৈ মহৈ য়েংনরকলে অমত্তুং কমাযো কমাযো হায়না বা ভাঙ্‌দবা মিৎয়েংনা হংনরকলে। খম্বনা ডা পীযো হায়রবদা অমনা মন্নামদা য়েংলকই। হৌনরুবা লৈতমা মখোয় পূম্না লাউরকই—‘পুখ্রো, লোইনবা অকনবা মতিকনি। মঙ্‌না ডা পুখিবদা ঐখোয়গী মুংডাইতবা করিস্থ লৈতে।’

মখোয়গী হায়নবা শোয়দবা মতোদা পেল্লবা থম্বনা লৈম্নিবা মীশীং অহুদা মাবুস্থ হাপচিন্নগা মী থূদীংমকী ওইনা ডা শন্নক য়েম্থোমকলে। য়েনবা লোইয়গা মানা হায়রকই—‘অস্থুক য়াম্বা ডা ঐতোন্দা কান্নদে, শন্নক অমত্তং লৌখিগে।’ অসি হায়দুনা মাগী শন্নক অহুদং লৌখত্তুনা শেৎলিবা ফিগী কীজি-খাউদা হাপচিন্নগা হান্নগুম লীচে শেগ্রাক্তা চপ্তুনা চয়োমশিং অহু অমুক কোমশিন্নগা হোয় মাই করিগু হায়রম্বা ভোদনা চৎপা হৌখরে। মায়ু লাইরা, মীরা মখোড্‌ খঙ্‌দবদগী ঙা-কাবা মী মখৈ অহুনা চঙ্ক্রহুনা উরিমখৈ অহুম মখোমম্বা থোশানদনা য়েংতুনা লৈহৌরে।

হন্দক্তি খম্বতু ওন্থোকপা ফিবম অমা ওইখরে। মখোঙ্‌ কন্না থাংবা য়াদরে। অহুমক্তদা মচে মীংশিং মীংশিংলক্লগা ফিবনা অন্থুম হেন্নক্ত্রূনা মখোঙ্‌ থুনা থাংমবা হোৎনবদা হুমাংনা মশা পূম্নমক চোংলকলে। অচৎ-অওক মখৈনা মাগী থোদো মতা অহু উরনে, মিংথম হোংবা য়াদবা মশক্লগা লাই-মচাগুম ফুজবনে, পূমত্তক ভক্লা

চংলবা তোক্‌না মতুংদা মাদু হেক হেক য়েংনহৌরি অমসুং অমদা অমদা কমানো কনানো হংনহৌরি।

লায়র-শড়্‌দা লৈহৌবী, অয়োচৈনা কংহৌবী, অনাবগী মথক্তা মাগী বাখল্লা অমুক্তা হেন্না বাজহৌবী মমা শকপী মচেমবা থেড়্‌জিল্লকপা উবদা মুংশা থীরক্লকচুনা হিল্লখদগী হৌগৎলে। ভুরোয় তায়োর হৌগত্‌না বানা শানা থোরক্লগা খরায় খোজান্দা লেপ্লবে অমসুং চেপ্‌থ চেপ্‌থ মোপবাগী লম্বী য়েংলকলে। পীক্ত পীকলিবৈদি মচে-মমদগী হেন্নমদে। মীয়োন তায়কবৈদবা শলাং মাইবা মকাক্তা মনীং তৌনা লৈরুখি। মথংদা, মপাম মোইয়াং লমদবদা লাক্লগদা মাগী মুংশি লাংনা য়োমদুনা থোড়্‌কাপ অমা কাওবা কানথোকহনবদা তৌদনা মশি মতুমদগী হেন্না লুনা তৌজচুনা, লোংনতম্ব মিথক্লেং কায়নং লালহক্লরক্তবা অচুপ্তম্বা মৌপয়াখি। মাগীদমক্তা অবাবা খড়্‌লক্তবী, মীশোক-মীচৈ অমন্তবুম্ব কিয়ক্তবী, হিংচা-কোৎচাবী মক্তোগুম মোপবাতগী হাকন্দা তোয়না বায়ৈ চেল্লকপী, মৌপবা অশিতবা অথোইবা লাইমীং ওইচুনা পুন্সীথোড়্‌চৎ তমক্লরকপী অচুপ্তবী খমনুনা ওসি মহাক্তা কোকা মোমগা তাইনচুনা অয়ো-চৈনা কংলিবৈ অসিদা বাংলেম পুঙ্গোয় খরদং মৌপবা উদনা লৈবদা মিপাই-থাবাই বাজরবী, মথরায় মমি হামচৎনরবী খমনুনা খরায় খোজান্দা লেপ্লুনা মিংকুপ থুদীং থম্মোইদুংদা চীংড়ু থাংজীং কোন্দুনা মৌপবাদু হন্না হন্না শিন্নজরকলে অমসুং মতুগা লোয়না লোয়নমনা চায়রবা কংশিন্নবী মায়থোংদা মপি মরী মরী চেল্লহন্দুনা পিরাং মরীক্লা মিথক্লেং থংলবী মচেম খমনুনা অচং অথোকমথেবু মৌপবা ওইহনীক্লদুনা

চিংথা চিংনা য়েংজয়কলে। অদুগা যানা যানা ত্ত্বাইরবদগী মোইরাংগী মশক উরকপা মৈরেং হৌদদি অশোনবা থম্মোই তনিক তনিক্রকলে, মচুনিংশোগী চেংলৌ শক্তম উদবদা তাইবঙ্ অপুম্বদি পুম্নাঙ্ হাঙ্বা উরকলে। মচীন্দা মুক্তম মুক্তম শোন্নকলে—'অত্তাওবা নঙ্গু কৈরনো, করি লমবু পাংবনো, চা-দ থক্কে মতৌনা নপুক কাবা ত্তমদনা কন্না মকাদা চঙ্‌বনো? নপাংগন চাউবে থন্দুনা অভিয়াগী চেক্লাওম ননাং তৌবা পামলিবা, মীয়োন শুদবা নহাক্না তাইবঙ্ লোমচৎতি থঙ্‌দনা অথঙ্‌বা শানা খোকখিবা— অম্রক শাংবা মতমদি কদাইদা লৈরিবা— কল্লক মায়োকপু য়াবরা', মিহৌলাংদবু থুবরা? ইবুধৌ থাংজীং কুবীরু, মশূ পিশকপু কোনবীরু, করি থঙ্‌দবা অত্তাংনি, লাইরবীগী মণিনি।'

অদুগা মথন্তা মুক্তম মুক্তম ত্তাঙ্‌ঠুনা মমিংকী পিনা মশা ঈক্লজ্জুনা লৈরম্বদগী মৈদদি উপায় লৈত্রবী খমন্নুদো বা ত্তাঙ্‌লম্বা তোকখরে, মমিং চেজেং উইশিন্দুনা লেপ্লম্বা মকম অচুমক্তদা কমথথরে। মকোক ত্তাওরক্তুনা মমিং তন্দন পাইরবদা উইশিন্দুনা চৈথেং অচু থাঙবা হোৎনরম্বদগী থুনা অমুক কাউথোকখিচুনা মোইরাংগী যাখম্না অমুক থ্রুংখরে। অদুগা মমিং উইশিন উইশিন্না মপুক্লীংনা কোয়না মোইরা খিজুনা অকনবা লৌচিংনা মনাক্তা কন্না চিংশিনবা হৌরকলে। মোইরাদা শো শান্নবা অপল-অহুই পুক্লনক অথাঙ্ কমবী মথুংনা মুংশিনা চান্না নাম্বোকলে। অদুগা মোইরাগী মখুং পায়চুনা মাগী মনাক য়োনবা মপুক্লীংনা যানা খম্বু পুশিল্লকপা হোৎনরি। অওকপনি, পুক্লীংগী পাঙল! অদুগা মহাক্না মপুক্লীংনা

মৌপযাবু চিংলক্তুনা মাগী মনাক্তা হেক লেপহল্লবা ওম্বা মিংকূপ অতুমক্তদা খঙ্হৌদনা খোঞ্জেল অমা তায়কই। অথোইবা লাইনীং ওইজবা, মিংকূপ থূদীং খোৱাংজরক্লবা, হামচৎনরম্লবী মথয়ায়দা মৌমা পাজল হাপ্তুনা পূক্লীং হকচাং তেকথৎহন্নবা ওইবা অতুগুম্বা মৌপবা-খোঞ্জেল অতুনা মৌমা থুমনা কৌরকই— 'ইচে 'সিদদি কৈদৌরি? চঙ্লসি চৎলো ইমুংদা।'

তাবদা খমনু মশা পূন্নমক তু চুংখি, মনাতোন ফুং লাউহুনা খম্নোইমুংগী হয়াউজবা ঈফুৎ অতুনা ঈরোঙ্ অনি ফাংতুনা মমিৎ মিৎলু অনিদা পিয়াং ওইনা চেঙ্হোরক্তুনা মথাদা তাগদবগী মিক মিক লাউনা পৈথক্তুনা লৈরবে। উইশিল্লম্বা মমিৎ খংপাঙ্ পাঙ্-থোরকপগা লোয়নমা কল্লবা ঈফুৎ অনি অতুনা পন হোগায়বদা চেম্বরকপগুম মথাদা জয় জয় মাম্থরকলে অমমুং লবাই-লুতোন কাপ্পবা হয়াউবনা ঈল্লকপদা মখোন চুম্না খোকহমবা ওমত্রহুনা খোঞ্জেল শিন্না শিন্না হায়রকই— 'অসুক কুইমদি কৈদনো, নচে যাগনি খন্দরা?'

হায়না হায়না উরকলে, মমাঙদা ইচাউ চাউনা লেপ্তুনা মাবু হল্লুনা য়েংলম্বা মৌপবাগী ওইরমলিবা ফিবম মতাদু উবদা ইওক ওক্না অমুক হায়রকই— 'লৈখোম লৈনাং তৈবদি, কদাইদা করি তৌরুরে? মীগা য়ৈনরকপরা, কোল্লিবতুনা করিনো, মীগী মপোৎ মুমবদা য়েরি চৈবীরকপরা, করিদগী লৈখোমনো?' অসি হায়বগা লোয়নমা অবাবা ফিবম হোংতুনা হয়াউজরম্লবী খমমুনা মুংভাইবা ইপোম লাক্তুনা মিকচয়ম্বী মশাদু অমুক শাউমা মিকপা তাতুনা শংত্রিক য়েংনা লৈরকলে।

নোকমি নোকমি তৌদুনা খম্বনা মচে য়েংলা হায়রকই—'পোৎলাকপা হেক্তে মহায়বা! মীপোৎ লাকউ হায়দুনা নঙ্‌না ঈনশিনখিবয়া, ঐবু অঙাং নাবায়া, মীপোৎ করিগী লাকনি? মূক্লা শায়বদগী ঐনা ঙমজরক্তনা মমা শক্লা কংলকপা চয়োম লেমলৈ অসিবু কনাদগী লাক্তনা অম্বুক য়াম্না কংগবা?' অসি হায়না হায়না মশাদা হম্না য়েংথরকই— ঙা-ফাবশিংগা কোয়বদা মথোয়গী মশাদগী তৈরকপা লৈথোমশিং অদু হয়াউবা ময়াইনা হেনখিবদগী মাদি করিম্ থঙ্‌লক্তে। মহাক্না মমা শকপী মচেম অসিবু অম্বুকী মতিক মুংশিজরম্মী মদুদি— শূবগা চাবগা চাং মায়দদুনা শূবা-মোম্বনা হেনমনবদগী থাঙ্‌জবা ঙমদদুনা কোকা মোমগা তাইনথ্রবী মমা শকপী মচেবু ঙসি অহানবা ওইনা মহাক মশানা তাঞ্জবা চীঞ্জাক পীজদুনা পেলহঞ্জগনি হায়বা বাখল অসিতদা লূপখিদুনা জগৎ অপূম্বা পূমকাউ কাউথোকখি। মাগী পেঞ্জবা অদু থুনা ফংজনবগীদমক থোঙ্‌কাপ অমমম থাংদুনা অম্বম তপ্না চৎপদুগী মহুত্তা উচেক-কুম্না অচৌবা মশা থগ্নুনা মালং ইপোমদা তাউদুনা পাইরগা মিৎকূপ অমগী মন্নুংদা মচেগী মনাক য়োংগে থঞ্জরকলিবনি। মচেগী মবা তাবদগী হুজীক্তদা মশানা মশাবু হম্না য়েংথজরকপদা মচি থূদীংগী লৈথোম তৈরম্বদু উবদা নীংথিবা মীনোক্লা, হয়াউজরবা মায়থোং অদুবু অমুক্তা হেন্না মকায়ামহন্দুনা মচেদা হায়রকই—'খোঙ চোৎলগা চীন চোৎক-দোয়িবনি, তৈসম্বু কৈদৌনি, শেংনা ঈরুজথোক্লগা লোইরবদুবো। চংতুম চৎসি হোগংলু, লাম্বনা পূক তংথরে।'

অসি হায়দুনা মহাক্না হাম্না মচেগী মাঙ্‌ থাঙ্কুনা পন্দনা ময়ুমে চঙ্‌লকলে। খম্বনা হৈদোক্তনা লৈমায়দা ইচাই চাইনা তাখিবা,

কম-কা চোংলিবা ভাশিং অদু উমগা মচেম খমনুনা হায়রকই—'যুক্কা থাম্ববনি হাম্রছুবা মীগী শরূক খাক্লমদনা মথন্তনা লোইমা পুমক্লবরা ?'

খম্বনা খুনা খুম্রকই— 'অসি হেক্ত মহায়বা ! মখোয় মী য়াম্মীবে, মীয়াম্না কাবা ওইবগী ঐগী শরূকস্ত য়াম্বনি। মখোয়বু ঐনা যুক্কা থাবদগী মখোয়দি লেমলৈবখে ঐত্তোম্দা লোইনবু পীমবনি। ঐনা লৌমকপদি মী অমগী শরূক্তনি, চপ মান্নবা য়েনবনি।'

অসি হায়বা লোইম্বগা অতৈ অমা অমুক মথা তাবা ভোদনা খম্বচু চয়োমশিং অদুগী মমাঙ্দা খোঙ্‌হাই চন্দুনা কমথরে অমসুং হায়রকই, 'হাইমা ইচে, লাকও-সে ! ঐ লাম্‌লে খঙ্‌দবরা ? যুক্কা শাম্বভদা শদৌ খোংলক্লবনি ; শিগদৌয়ে চাম্বসে।'

ভাঙ্‌মীংবা কোঙ্গায় তোক্তুনা মৌপবাগী খাডভমদবা মতৌ উদুনা খুনমক খমনু কমথরকলে। চয়োম কাক্তোক্তুনা খম্বনা শরূক শিহনবা তোদনা অচোবা চখোম অমা লৌবগা মচেগী ময়াদা ইল্লকলে। মচেনা মৌপবা মতৌ উবদা পেঞ্জবনা থপ্মোই থন্দুনা মমিং উইশিন উইশিন্না নোকমি নোকমি ময়া কাচুনা চখোম অদুবু চাইরকলে। মৌপবা থৃৎনা শোকপদগী চয়োমগী চাক-ঈনশাং মথৈচু অমৃতমক্তগীনু হেম্না হাউথরে। অসিগুম্বা চাক-ঈনশাং অসিদি হৌবদগীনু হৌনা অচুম্মক অমৃতগী মশক ওইমক্লবনি। মযুমগী মনা মমাব: মুংশিজম্বা মচাশিংগীদমক নুনা চান্না য়োঙ্গমক্লবা অচুগুম্বা চয়োমগী চাক-ঈনশাংমক্তনি। অসিগুম্বা অহাউবা চীঙ্গাকশিং অসিদি লাম্মন্তুনা কন্বিনু লৈত্রবা উনা মচেং অমা কাওবদা মুংশিবনা

য়োম্বা মৌপবাগী মথুংদা শোক্তুনা পীজনীংনা অহুম্না ইল্লক্লবদা মতুমকন্দু ঙসিদি খমনুগী মকাদা অমূতদগী হেন্না থুম্নগদবনি। খমনুনা মমিৎ উইশিন উইশিন্না ময়াগী পোৎ অতু শায়ত্নুনা, মপুং ফানা পেঙত্নুনা অনিশুবা চখোম ভাইত্নুনা অমুক অন্দুম লৈরকপদা ময়াদা করিগুম্বা অমত্তম্থ তারকপা উত্ত্রবদগী মমিৎ খংপাঙ্ পাঙ্লকই। মমিৎ পাঙ্থোরকপদা উরে, ইচাউ চাউনা মমাঙ্দা থ্যাম তৌবা মুনিগুম ময়া হা কারগা মমিৎ উইশিন্দুনা খম্বা মচেনা ইল্লকপা চখোম ভাইত্নুনা লৈরমলি। অহানবা মচেদা মান: ইনখ্রে, অনিশুবা



চখোমদি মাগীনি, অসি খন্দুনা ময়া কাপোক্লগা মমিৎ উইশিন্দুনা সুংভাইবা বাগ শাত্নুনা খমনুনা ইল্লকপা চখোম ভাইনা ভাইনা ভলোয়-মথৈ থাঙ্লমলি। বানা থাঙ্লম্বা মৌপবাগী মতৌ উবক্লবদা খমনুন।

মশাগী অয়ানবা খঙ্লক্লদুনা থুনা য়াঙ্না অচৌবা চখোম অমা পায়দুনা খম্বগী ময়াদা ইল্লকলে। খম্বনা মহু ময়া য়োকাক্লিবৈজো য়োংশিনবনা হানথরে। মথং তাবদা হাথু হাথুনা খম্বনা মচো অমুক ইল্লকলে অমস্তুং খম্বদা চাক ইন্নবা চখোম শেম্বদা য়াই-চিন্নবী খমনুনা ময়া কাথোকহৌদদুনা চখোম অদু চীনবান ইত্তে তৈজা ওকথরে—। মচেগী মত্তৌ উবদা খম্বনা হৌনা শাংনা মোক্লকলে।

খমনুদি মশা ঙমখ্রিবীনি, চানীংবা থক্লীংবা খোইনা লৈখ্রিবীনি অদুগী মথক্তা চাদ-থক্তবনস্থ মপাংগল ময়েং তারবীনি। মপুক্লীং সুংজাইজবতনা ময়ম ওইদুনা কংলকপা পাইয়কী মপাংগল অমনা অবাবা খঙ্দনা খম্বদা চাক ইনজবা ঙম্মবীনি। কুইথবদি ঙমক্রে, চীংগী অক্লবা কুহাগুম মস্তুং হোক্রোঙ্ হোয়বা মৌপবাগী কুহা-চম্বন অদু ফুমবা তাম্ন তাম্ননা মস্তুংশা হোনবা নংদবমথৈ চখোমগী মথংদা চখোম শেমদুনা অস্তুম ইনশিল্লকপদা মথূদাং অদু চোকথবকলে। মথূং থূংচানা চখোম পায়শিনবদু য়ায়ক্লদুনা থূবাম থূবাম পায়বগা হৈজিনবগুম তৌয়ক্লে। অদুমক্তদা মশাগী অবাবা কাউদুনা পেক্লবনা হেক্লবী খমনুনা মোক্লা মোক্লা মৌপবা মপুক থলহন্নদা হোংনরি। কয়িগুম্বা তাল কায়রকপা য়াওবদনা খম্বা মশানা অচৌবা চখোম কোক্তুনা অহোবদু হেক হেক অমুক মেনশিনবা হোংনরি।

অস্তুম্বা অবাবা কোঙ্গায় সুংজাইবা লাইতং তৌদুনা মিংকুপ অমগী সুংজাইবদা শাংনা চেক্লয়ক্লবা অবাবা ঈচেল থকহন্দুনা মচীন মৌপয়া অনিনা নোংমা নোংমগী লেম্নবদং হোংনদুনা, পুন্সী লমী য়ানশিন্নি।

ষণ শেনবা

খমন্থু নাবা ফরকলে অদুবু থবক শূবা-নোম্বা ঙম্বমক্তি মন্ত্রি। অদুমদি ওইরগা মোপবাগী মাঙ্দদি থবক ঙম্নবী, করিস্থু তৌত্রবা অমা ওইনা উহন্নবা নোম্বা-লীকপা তৌরি। মহুগী মতুংইন্না মচীনগা মথাগা, মথুংকা-মশাগা থদক কয়াদা কয়া থোক্লা মহাক করিস্থু তৌবে হায়রবহু উৎপা হোৎনরি। অদুবু পূন্নমক অবেস্থনি। মচেগী মতাং অদু থম্বনা লায়না খঙ্খি। মানা খনখি—'নায়বস্ত নাত্রবস্থু হজীক ইপাঙ্গল চাউরবা ঐ অমা নৈন নৈনমক ইচেনা কন্বিগী দমক কোয়না চীঙ্গাক থিরুগদগে? অথঙ্বা মীনা ঐবু করি হায়খিগদগে?' অসি খন্দুনা মহাক্লা মচেবু নমহৎ নমঙত্তুনা মথা তানা অদুম্মক মপান থোকপা হৌরকলে। খমনুস্থু হান্নগুম অদুক হাক্লা পাথৎ চাউবা মথৌ উৎখিদ্রে। অদুন্নদি ওইরগা থম্বনা মপান থোক্লমদাই খূদিংমক্তা অমূক অমূক স্বর-মপী কোন্নবস্থু, মমীত্তগী মপি মরী মরী শিন্দুহুনস্থু অমদি মপান কৌবা থোকহল্লোই, অরাবা মমি তাহল্লোই হায়না খঞ্জরকপা অদুগুম্বা মশাগী অচেৎপা রাশক অদু কায়রবা তানক্লবদা থম্মোয় শেগাক কায়দুনস্থু, মোপরাবু ইমুং কাচিন্দা উত্রাক্লা হিল্লুনা চাদ-থক্তুনা অস্তুম কংশি শিজৌ হায়বদি ওইথোক্তবনা চৎলুস্থু হায়-ঙমদা, চৎকন্থু হায়না থিংবস্থু থিংঙমদা খমনুনা মতম পূন্নমক্তা অনাবা চৈনাখোল লীশীংদগী ছেন্না রানা খাঙ্হুনা সুমিৎ খূদিংগী মোপরানা হন্জিল্লকপা মতম ভাইজবা তাখি। অন্তম্না অহানবা সুমিৎ খরদি রানা রানা চৈনদনা খাঙ্লন্নবস্থু অদুগা খম্বনস্থ য়ুমদা নৈহৌবী মচেগী মতৌ খনবদা মপূক্লীং মতম পূন্নমক্তা অন্তুম থুম্নৌ ওইনা নৈমন্নবা সুমিৎ কয়ানিমক্লম হৌথ্রবদগীদি থরা থরা য়াংলয়কলে।

অদুবু খম্বদি মমা শংকপী মচেম্বগী সুংশি লাংদা য়োমজুম্না তাইবঙ্, মীয়োম কম্বিস্থ খঙ্জত্রিবা অডুগুম্বা মীশকনি। মপাঙ্গল চাউজুমন্থু, মপাঙ্গল ঋমা খোক্ত্নস্থ, মীয়ক চঙ্জুনা কয়ায়ক হয়া লেপ্পুজুমস্থ মহাকদি মচেনা তৌয়ম্বগুম নুমিৎ খুদীংগী ওইনা মচীঙ্গাক কংলকপা হায়বদি কয়য়া ওইখোকলুগদগে। ঋণশেম্নহা অমদি ঙা-কাবশিংস্থ অস্থম নুমিৎ খূদীংগী মুক্লা শায়জুমতা লেনবজুস্থ ওইখোকপা অমা মস্তে। অহানবা নোংমা নিনিবুদি নুমিৎ খূদিং শায়রম্মী। মখোয়গী মপুক্তা থাজরম্মী—নোংমা নত্রগা নোংমদি মখোয়না খম্বু তম্বস্থ ময়াওয়কপা য়াই। অদুবু নোংমতস্থ অমুক্তা মখোয়না খম্বু তম্বা মরৈবক্তুবজুদদি অরেম্বদা চয়োম অমদি বানা বানা কাজবা ঙা-ময়াম নুমিৎ খুদিংগী অস্থম মাঙজুনা তোক্লগদবা উনবদগী মমৈদদি অমুক হয়া মুক্লা শায়সি, খোংয়ায় মাঙজোং তায়সি, লমজেন তায়সি হায়বস্থ-চিংবা কয়ি অমতস্থ য়াথিদরে। অস্থম্না কাংবু অমস্তুমস্ মুক্লা শায়জি হায়বা য়াথিত্রবদা খম্বদি মমিস্তা মপি তাবমখৈ মথবায় বাখরে। কৈ, লাইনা তম্বনি হায়জুনা মহাক্লা মখুত্তা মাগী লীচৈ ভুংগোন অস্থ পায়জুনা খমা লাপখোক্লা অস্থম লোক্তাক খোঙবান কোয়জুনা মাগী লাঙ্গা খিবা হৌরকলে। মগুণ খঙদবা কনাগুম্বনা অহানবদদি মামা মুক্লা শীংময়বদা হয়াও হয়াওনা য়াবীয়কপস্থ তুক ময়াওনরম্মী। মহুকী নুমিত্তমা মথবায় হয়াউনা চীঙ্গাক কংজুনা ময়ুমদা পুয়গা মচেনা হেক হেক লেয়জবৈ। অদুবু মমৈদদি কনাস্থ মাবু লাম্বা পানবা চোং-খোকপিয়কউ হায়বা য়ামখিত্রে। অময়োম্বদা চীঙ্গাক কবজন্থ বাংশিংকলে।

অসুম্না লাম্বা কংখিজ্রবদা বাবনা কুম্বং্নম্বচুনা তৌকন খন্নবা নোংবগী অমুক্তি খম্বচু উথা অমদা মথক্তা লেপ্লগা মখিং শুন্না সেংচুনা অসুম নৈমন্মী। অসুম্না অম্বাংপনা য়োমচুনা বাবনা মথবায় হাম্চংনম্লক্লবা মতমদদি অহানবমক্তদা মহাক্লা মাগী অম্নাবু হেক্তা মীংশিংলকই। কবুই খুম মীংশিংলক্ত্রা লোইবা মাইদবা অশাংবা খম অমা মথক্তা হোন্দোকচম্লকলে। অসুম্না মিংমা কুপ্না মনুংদা মথং মথং ওইনা পুক্লীং মিংশেন্দা মমি তাম্লকলে— কবুই শলাং শিংথোগী চীয়োঙ্ পানবা মুম, ওকোন অমদি পুংজা নাইনা খোংবা য়েনবা য়েনবীশিংনা মুংশা মতান্দা মতোক ইয়ং লংনা ভুবং ভুবং চত্ন্না কোয়না চাক্তাবা— মাগী অম্মানা য়াহোয়কপদা পীজবা কেগামদা হাপ্লা হাউরবা চম্বা, লোক্লংদগী হুমলকপা ঈংলবা চীংগী মুংশিংনা তত্তনা শীত্ন্না ফীজি কীনা হাইবা মতৌ, মথৌ-মশিন পায়না পায়না মাগী অপ্লানা মাবু লঙ্মবা, মাগী পাউখুম তাম্বগা কাক কাক হোনা নোকচবা, কম্রিগুম্বদনা কৈবম পমলগা উথা-বাখা থুংনা চত্ন্না মুংশিনা চাম্না চুপ-চুপ চুপ্লিখিবা, পুংকক চাউমক্লবদনা মশা-মক্লা মুক্লা অমদি লাক্ল-ফানবা তম্বীবা, থাঙ্-তা শীজিম্নবগী অয়োমবা কম্না তাকপিবদা মাবু কয়াগী মতিক বাহনখিবা অচুগা মশামকচু কয়াগী মতিক অবাবা থাঙ্বা তাখিবা— অসি পুম্নমক মথং মথং মীংশিংলকলে।

মথংদা উম্বকলে চৌংগী মম্বোয়শিং মথোয়গা লোয়ননা কোয়বা শাম্বা, উ কাচুনা উচেক মচা লোকপা হোংনবদা উচেক মশীংশিংনা পাইশিম পাইশিল্লক্ত্না মশম কোয়খিবা— থোইহীনা চোম্বা খোইনা

বাম্বা. লোক্লগা নখা য়োকাজিবৈদো মখোয় ময়াম অকং অকং লাক্লদুনা লোইহৌ মথৈবা লৈমায়দা তাদুনা মাংখিবা— অচৌবা নুংজাউ থাংবা তাবনা— নুমিৎ থুদৌংগী তাইহাক লৈতনা থংনবা, তাইহাক লৈতনা চাবনা, মখোয়মথৈবা মহাক্কী মীচং ওইজনবা কয়া হোৎনবদা অমনা অমবু শবো কয়া তৌনখিবা, মাবু মখোয় পুৱমক্কা মখোয়গী লিবখৌ হাপ্তুনা উনা-পুংবা উপাখা মকোক্তা শেকপিন থানখিবা, উপা মচা অমনা চামম শাখা হুমাই হুমহুনা মাবু হকচাক লাংহন-খিবা, অচৌবা নুংপাক অমনা তাংবন ওইনহুনা কয়গা মহাক্কা তৌরকপা য়াথং মতুংইন মখোয়-প্রজাশিং অদুনা বানা বানা চেন্নবা, অমগী মথক্ত অমনা বাকত্তুনা মখোয়গী বিচার কয়া মহাক্কা তৌখিবা —অসি পুম্নমক মথং মথং ময়েক লানা উরকলে। অমবোমদা মচা মচা মথৈবু অওকপা থবক তৌহন্দহুনা ওয়-তৈনবদা লমজিংবীদমক মপা মমাশিংনা মতম পুম্নমক্কা মাবুতা চৈনখিবা— অদুনা অহল্লমনা শাউদুনা থম্বদা মমাল লৈতনা মমাল শীনমমবদা মচামথৈনদি মদুংদা লোম্না অমুক থম্বনা শাউখিবা কিজহুনা তৌনখিবা চাযোল-থাযোম মত্তৌ কয়া— ময়েক লাখা মথং মথং কাওরকলে। মখোং হুক্তনা মাগী অচাওবা শাজংজবু মুংশা থৌজবী মচেমনা তাইহাক লৈতনা বুমদগী থোরক্তুনা মাগী লৈকম খিরকপা। চংদু চংলোইদবদা শোয়মনা লাকে হায়না শম্বী পোন্দুনা মচেদা কয়াবক হয়া নমথাক তৌরীখিরা—থমদুনা চংগ্রবদবা মমাঙবশিংগা লোয়মনা বা-বা পোক্তুনা মচেদী মত্তৌ তম্নহৌবা ! কবিগুমদনা মাগী অয়াখা মাবু খিবা লাকপা উবদা মখোয়মথৈ চাইথোক্নহুনা উ-মরুমদা অমদি অশোইবা

মোংশোঙ, মক্সগা খাঙ্‌তুপ পাখী মরক্তা বাবা চঙ্‌তুনা লোইনবাগা মতক চেপ্‌থ চেপ্‌থ য়েংদুনা লৈবা, মাবু কাংলবা ৈয়েলি-চৈগনি হাঙ্কনা হারনা মথুং পায়তুনা পুরগা খুম য়োবগনি মাগী অরান্না মাবু ঈশিং-খোং তান্না পুরগা মকোক অরু তুমতুনা লেংবা ঈরু-অথোক্পিখিবা— অসি পুন্নমক মতেক লাবা উরকলে। অরুবা অকোন অহান নাইনা মথং মথং খম্মোই-উকমদা, হৌখিবা পুনসী থৌদৌ-থৌওঙ কয়া কয়া মমি তাবা হোৎকপদগীসি—মহাক্না পাখংবক কাবত্তম চাউরক্ত্না মপাংগল মপুং কাবকপা উবদগী মপাংগল চাং য়েংনবা মাগী অপ্পানা মাবু পুবগা ঈশিংখোং মনাক্তা তাতুনা লৈরা চাউরবা নুংজাউ অমবু চীংথক্তা পুখত্না শূমাঙ, মচি অমদা খাঙনা চাইথফাল ওইনখিবা অত্তুগা নোংমনা অকোরবা খুম পুন্নমকী মমাক-বশিং খোমগত্না মাগা অমমম ওইনা তকথংনবী খুক্তা শান্নবা-খিবদা মহাক্তনা তমতুনা মমায় পাক্সবদা হয়াউজবা মাগী অপ্পানা অত্তাংগুম্না কোয়মাঙ লাঙজখিবা মতৌ— মহু পুন্নমকহু মথং মথং মমিত্তা শংশঙ উরকলে।

মৈখদা লাইগী লোংদনা অতুম খোকউ তখনা লোঙ্গা মগী অপ্পা অমদি অম্মা অনিমকপু মাগী অপোকপা অমদি অপোকপী মমা নত্তে হায়বা খঙ্লকপদগীদি মথোমগী মনাঙ্‌দা কুনা লেপ্পুনা কাওবা ঈকাইখিত্তুনা ওন্না খোইনা, মাবা লৈকম-চাকম খঙ্‌লিবা মতৌ— মপুং মনুংদা মচেদা মামা মশাম লমদা চংশিনি হারবা অরা হয়া তক্নবদা মাবু য়োনা সুংশিজবী মচেমনা তৌকম খঙ্‌লবা অমমা অমমা মশা মাই চিক্ৰখিবা মতৌ— মহু পুন্নমক মথং মথং উরকলে।

অসিবচিংবা য়াথল পয়েং পয়েংনা লাকহন্নুনা মাবু মঙ্লান অমদা তাউহাল্লঙৈ অসিদা মশানা মশাবু থঙ্জদা মথন্তা নাম্বুয়কপা পিয়াং মন্নী মন্নীনা তবোপ তবোপ্পা মাগী চায়রুং অমিমক্তা চেম্বয়কলে। খুন্নম মচা থম্বনা মথূৎনা পিয়াং মন্নী অদু মূথং মূথংনা বাথল মথা অমুক থম্বয়কই— মাগী চক্রিতনা মন্নম ওইদুনা মচীন-মৌপবানা মোংখা মোংতান্নখদাইদা হৌগত্তুনা লোম্না চেল্লক্লবদা মিংকপ খোয়রক্লগা সুমিৎ থূদীং মতৌগুম মাগী অপ্পানা মাবু হৌদোক্লবা ওনশিন্নকপদা মানা লৈরমদবা উবদগী অমদি কোয়না থিরবদন্ত্র মফংলক্কুবদগী মাগী অপ্পা অন্না অমিমক্কা ওইহৌরিগদবা মতৌ অদু অমুক থল্লক-পদগীদি·— খোয়দৌ মথাদগী শফু কন্না ফুকৎলকপা, বানা হোৎনচুনন্ত্র খিংবা গুমন্ত্রবা অদুগুম্বা অহিকপা খোম্লাঙ, অমনা অহোবা থৌরী উতোং ফাওগৎলক্কুনা লাক্লগা মচীন য়ৌশিন্নক্লবদা মী থঙ্খ্রগমি হায়না কিদুনা য়েংকী মথূৎ থূবাক্লা কন্না কন্না থক্তুনা মখোল অদু থৎপা হোৎনখিরৈঙদা অতোপ্পা অহোবা মথূম থিদুনা কন্না ফাও-দোয়কপা পিয়াংগী ঈয়োঙ অমি অতুদি অমযোমদা অপনবা লৈতনা মপান খোক্লক্কুনা ঈচেল থক্তুনা অন্তুম চেম্বয়কলে।

অতোপ্পা মীনা থঙ্খ্রগমি অমদি উখ্রগমি হায়না কিয়বা লোংখোয়মচা থম্বনা তম্বমথৈ থুনা, মথবায়মক থাগদবমথৈ কন্না হোৎ-নজদুনা অমিবক ফাথবা হোৎনয়গা মহী চেম্থোক্লম্লবা মথাগী মপূক্লীংবু বাথল অমযোমদা চিংখোকদবগী হোৎনয়কলে। বাঁথল মথৈ খোম-জিল্লকপদা মহাক্লা বুমদা লৈহৌবী মচেগী, মপাম খোকনু হায়বা য়াম্বং অদু ইন্দুনা মপাগী নজাই অতুদগী হেন্দোক্লমন্ত্রবদি অমিগুম্বা

শিল্লম খঙ্‌ঙবগী অল্লাবা মৈরি অসিনা খম্বোই চাকথেক্লমলোইরম্বি হায়না হয়া হয়া খল্লকলে। খম্বা তৌকম খঙ্‌ল্রে, খল্ল খল্লগা অতুম মমশিল্লকলে। হৌজীক্তা খকথিবদগী মচিৎ-লৈহৌবা অম্বংবা শিংগী মরীক্লা তচোৎ তচোৎ তৌরিবা, ফুগায়না শাংপা শম্বালদা লীক্লা মরীক চোৎপগুম নীংখিজরবা তবোপ তবোপ্লা মায়থোং অতুনা তরক তশোন অহাঙ্‌বা শুমদা অতুম য়েংতুনা লৈরকলে।

পোকচৈদগী কবিগুম্বা ব্রাখল মমি অমত্তগু ভারক্তিল্ল্রবা লৌরবা খম্বোই অতুদা ঙসিদি মথোঙ্‌ মরম খেঙ্‌দবমখৈ কদোমদগী ফাও-ব্রকপনো খঙ্‌দে, অমগী মথংদা অমা ওইনা মরোঙ্‌ মরোঙ্‌ কোংগোন শোবগুম লোইবা মাইত্রেবা ব্রাখল-পেয়ে অমা শোগৎলকলে। ইহান হামবদা ফাওরকখিবা, খম্বদা খ্বায়দগী হেন্না ঙক্লা থোকপা ব্রাখলি, মহাক্লা মহাক্কী অপোকপা অপোকপী অমত্তগীসু মশক খঙ্‌কৌত্রিবা অসিনি। ব্রাখল অসিনা মহাকপু লৈকম খঙ্‌হনখিদবসি, কবুই-শনাং খুন্দা মমানবনা মাবু মপা-মমা মশক খঙ্‌দবা মচানি হায়-ব্রকপদগী রৈন-গুনবা থোক্তুনা হংনরুবদা মাগী অম্না অমদি মচে অনিমক্লা হায়কম খুন্কম খঙ্‌দবা মওঙ্‌দা ফুম্বঙ্‌নখিবা অতুগুম্বা মিৎকুপ অতুদা মোংমসু থোকখি। অতুগা ঙসিন্সু ঙৎশিনবা লৈত্তনা মথক্তা লমহাঙ্‌দা চীক্লা লেপ্তুনা মশাক্সী খম্বোইগী কাচিন-কোয়া খুংনা নৈখায়তুনা কোয়খি থিবা হোৎনতুনসু কংলক্তুবা অসিগুম্বা মিৎকুপ অসিদা খুমন মোংয়োয় মচানা মশানা মশাবু খ্বায়দগী তোক্লবা, মত্তোন্দগী হেনখিবা মরাইবক খীবা নচা অমত্তুসু মশুগী দুৎশোন লৈবাক অসিদা হঙ্গিন হঙ্গিন খিরুতুনসু কংলয়োইদবা, অচবা মাশী

বকা অমমা কাওবা মতোন্দগী হেন্না থাংগ্রবা অতুওবা মালেম

য়বুং অসিগী লুবা হেনহন্নবা পোকপা অমেখা মপোক অমনি হায়না লোইবা মাইদনা অনুম থন্নকলে। মশাদগী হেন্দোকখিবা অশাংবা অমদি অশাবা স্বরমগী অমমা মমাঙ্দা হৌখিবা উপাল-শিংগী মনা-মশা কাওবা লেঙ্হন্দুনা অমুদা মশাগী পলেম পল্লৌ অমিগী শককম লাকশিনবা হোৎনরি। কনা হোৎনজুনমম্ভু অকনবা ইবৈনা খৌগী তাবগুম মবৈ মবৈ তাশিন্নজুনা লৈরবা অতুওবা সমুদ্র-ঈমায় অচু কাওদোক্ত্না খৌগাংক্লরবা পলেম মরুগা পল্লৌগী করিঙুবা ওইবা য়াবা শককম অমত্তম্ভ থক কাওগৎলকপা লৈখিদে। মীগীদি লৈন্ন-লৈন্নগা অমৃত থোকই, খবগীদি লৈন-লৈন্নগা অমমা লৈচিন উরকই। মাধা উজরিবমক্তবু লায়রবী মচে খমনুগী বাজরবী মায়থোং অতুগা তামনা লৈহৌরবা মপা কবুই নিংথৌগী য়োৎকি-যুমীগুম লিংলবা অমদি অশূকপা মোংশাগুম চৌং-লেন্নবা শককম অনি অসি মতায়রে। অমুম্না হক্তিন হক্তিন উড়ুমতা লৈরবা, মামন্ন লুনা কিনা পূজা কচ্চরিবা শক্তম অনি অচুমা হায়রকই— 'কন্না লৈকন্নবা লমতা-মচাগুম করিগী অচুক নপূক সুংশিরি? কনাগীনমক্তা ঐখোয় অনি হিংবনো? ঐখোয় অসি মত্তমা তাইবঙ্পানবা অসিদা মঙ্গী হায়বা কনানো? উহৌক্রবা, থঙ্হৌক্রবা পলেম-পল্লৌগীনমক করিগী অচুক বাবগে? মালেম অসিদা পোকলিবা তাইবঙ্মীচা পুন্নমক পু-পাং শুদবা চাক্তনি, পুন্নমক থঙ্মক্রিবনি, নথন ইখত্তগী মত্তে।'

খম্বনা উরকলে, য়েংনা য়েংলা মাগী খম্মোই মিংশেল অমুক্ত মচে অমদি মাগী অপ্পাগী শক্তম অমি অতুনা অসুম অসুম পাকখোক চাউখোরক্লনা মখৈদদি পাক্লবা খম্মোই—সমুদ্র-ঈপাক অমুম্বু দুপ-শিনখে। মুর্ত্তি অমি অতু মত্তনা মতৌ অমমু অমুক উবা নৈখিদ্রে।

লংজীন ফংদবা য়াখলনা অসুম্না মপূক্লীং মথক-মখা ওলহন্দুনা ফুখঙ্মনা লেপ্লিডে অসিদা খঙ্হৌদনা শোয়োক-য়াঙ্বীয়োমনা মণবী-মমাউ ময়াম খোংবা মখোম অমা তায়কলে। ইঙক ঙক্লা য়েংখোরকই, খম্বনা উরকলে— লম্বী মথক্লা মণ-শল্লুপ অমা মমী মমী মক্লাবুং পাংনা চংমন্নি। পনথজ্রে, অমৌবা মহাল অমনা য়াখল-মৈথুনা মমহল্লবা থম্মোই অদুবু খংঙান ঙাম্মোকহন্দুনা থীন্দনা উখোঙ্দগী খোয়কলে। মণগী মতুংদা কোয়রাঙ্ লাঙ্না ইন্নরকলিবা মণশেন্নহাশিং অতুগী মায়কৈ তমনা চঙ্শিন্নকলে। মাবু উখনা মখোয়মখৈ ইঙক ঙক্লে অমসুং মহৈ মহৈ চিবোন চিবোন তৌনখি। নোংখামনা অহানবা খম্বনু পেন্নক চাখিডেদা লমহাঙ্দগী কৌহন্নখিবা মিপামচা অতু ঙসিন্নু য়াওখিরম্মী। থুনা চেম্মোরক্লনা মহাক্ল খম্বনু লমখাঙ্দা ওক্লগা হায়রকই, "কদাইদনো লায়রবা?"

নোংখামনা কৌবা মিংগৌ তমহুনা মখোয় পূম্নমক্লা খম্বনু 'লায়রবা' হায়না অহুম্মক কৌনখি। মশাগী অনৌবা মিংগৌ অমা কংজবসিদা খম্বনা কনাদম্নু শাউবা নৈত্তে, চপচাবা মশাগী মিংথোকপদা মমিং ওইনখিবতনি হায়না খন্দুনা হক্লাউজবহুম ফেনখি। খম্বনা হায়রকই— 'তৌকম খঙ্দহুনা লেপ্পমলিবনি। হায়দু—মকম কনাইনা শিন্নচ-লুকম নৈমগে?'

নিপামচা অহূনা উবে, খম্বী মায়থোংলো মখোয়গী মানগী মমি তারি, মকণিদ্রবা মাগী মমায় অহুনা থশোইইনুংগী ওমচারুবা মৈথুনা, মৈবনা কাহৎলগুম তৌরি। মামা হায়রকই— 'অহুগা মঙ্গি কদি থবক তৌখদি হৈ?'

থুমা ওক্তুনা খম্বনা খুমকই 'কনিসু হৈরজবো। এবা হৈবদি মখোয়না থঙ্গুবা অহূতনি।'

অহুদি কমদৌগনি, থবক তৌদনদি কদাথা মচাক-মরুন থাই-দোক্তুনা পীবিরকনি?'

হায়না হায়না মহাক্না কবিনো অমা ডাইহাক খঙ্গাখরকই অহুগা খম্বু মকোক্তগী মখোঙ কাওবা হম্মা হম্মা য়েংলকই। 'মশিবা তৌবিবলিবু কবিনো, চাথোকদবগুম য়েংলিবশিবো!' অম্না খম্বুনা খঙ্গু তিক্তক-মায়ক্তক অহুম লেপ্তুনা লৈ।

নিপামচা অহুনা হায়রকই 'উম, ওমগনি, মঙ্গদি শোয়না জনগনি।

ডাইতমক্রুবা খম্বনা হায়রকই, 'থুনহুম হায়রো কবিনো, জনত্রবহু তৌরক্লে।'

নিপা মচা অহুনা মথা শমথরকই, লোংবাম কাওথনা লেমগ জনত্রবা কাও অমথক লৈ। মথং খমবগী শকম-কাও অহু মঙদি থক অমবনা? লেমবীমবা লৈত্তহুনা শকমদা অহূনমক থাক্তুনা থমলিবনি॥ মহু লেম্নবুগে হায়রবা?'

খম্বনা হায়রকই, 'থম অমুবুদি হজীকমক চঙ্গুনা লেপ্লে, অমুম মপু অহুগী মমুদি?'

মথং থকনগী মজাই অদু মহাক থংনবা ? থংজেরো।

মথং থমবগী মুমবু থংদে তাবদা নিপামচা অদু ওকখিবনা মুমিং মথা চপ মুংখ্রে। মথুং থিন্দুনা মহাক্না তাক্লকই,—য়েংউ, থাবগী হোজঙ্ থোঙ্ অসি উবরা ? মসিমকনি, বা, অদুগী নৈকম, চংলো, নাইবক য়েংসু।' হায়রক্লগা মহাক মথায় ওন্দুনা মপাংলেনিংগী মথাক য়োনবা চেনথংখ্রে।

মথক্তা তায়হৌরবদা থম্বনা মামা তাক্লবা মকম অদুদা চাইহাক্তং অমুম য়েংহুনা নৈরক্লগা মতম মাঙ্হল্লবা তৌদনা মায়কৈ অহোমদা থোঙ্কাপ থুনা থাংবা হৌরকলে। মশাগী অকোয়বদা নৈহুনা অমুক্তং য়েংখোক্লগা থোঙ্জাউ থোঙ্ অদুগী মথাক নকশিল্লকলে। মকম অদু মী অমত্তা নৈরমদে। অমোবা মকম ওইবগী হৌমবা হংগোইবশ তৌনা তপ্না হোজঙ্ থোঙ্ অদু মথুংনা ঊনখোয়কলে। মায়া উবকলে, ইংখোল মমুং অদুদি তোঙ্গানবা নৈবাক অমনি। মচি মচি হৃদীংগী মাগী মীমক্তা নৈ অদুবু মখোয়ময়াম অদু অমত্তসু য়া তাঙ্নদে, মী তিনবগী হৌনবা মীনিম, মীশা কয়িম্ব নৈত্তে, পূমচীক চীকই। ইংখোল অদু কনা চাউই, নৈরমনিবা মুম-কৈ পূম্নমক্তুসু খোইয়াং থুমক অতৈদগীদি নুবা মানবা হেল্লি, কজবদসু মল্লিবা তোপ-তোপ তাবা মওঙ্নি। থম্বনা থল্লি—'চেকশিন্না কল্লবা পামথ্রেব্রা, কন্নবা অচৌ অশাংবী নৈকম ওইরিগনা ! মথং থকনবা হায়বা নিপা অসিদি মতিক মগুন চাউরবা নাই। থবক মুবা মী অমুক য়াম্না নৈবা অসিনদি ইমাকসু য়াম্না খুল্লমমনি।' অদুবু অখোয়গী কোয়্প অসিগী মীকৌ মীয়ামদি কমদৌরমগনা ? অরেম্বানীবু

[illegible], [illegible], [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible]-
[illegible] ?

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] খিনা কাবা লোৎ-মইৗ [illegible]
নৈরা, থিবা থিনা থোক্পাংদি লেপ্তবা মাংদা অমুম চং শিন্নকলে।
ইংখোল কোইনবা লম মতেক অমা চৎলগা চাউরবা মরাক্তা নঙোম্ন
অমগী মনাক্তা মহাক লেপ্লে। মাসা মী অমা অনিগা লেং-ঙৈনবা
চৎথিবসু ময়াওই অদুবু মথোন্ন অমত্তমত্ত মহাকপু কনালো, কৈদৌবা
লাকপলো হায়বমচিংবা করি অমত্তসু হায়রম তৌরবা নৈতে। তুমিন
তুমিন মাগী মাগী মথৌদা অতুম্মক চৎখি। ওসিগী মতৌ অসিবু
কচি ওইগদৌরিবলো থম্না থম্না থবকু পন্দনা চং শিন্নকই। নঙোম্নগী
কল্লাং অতু নৈমু কজনা হাই, হঙ্গিং তৌংবদা মাক্সুগদবমুক থাদ্রি,
অমরো মচু অমমা মিক মিক লাউনা কবখি। মথক্তা য়েংথংলি—
উবা-হুমলাং অমদি পুন্নিবা পৈয়া কাওবদা ওন্না মমিং লৈই, মথোন্ন
অমমবু অদুদা মথক থোক্নবা হোৎনবদা চং লিগথবা মীগী শাক্তম,
হৈশিংবো-চেকশিনবা অমদি মচুগী অরামন—পুন্নমক্তা লাকশিন্নুনা
য়েলুবনা থবকু অশাংবা মম অমা হোন্নকই। মকম অসিবা অমুক
শাথীনা মান্নমশিবসিবু করিগুলো, এবু কদাইদা চং নকুপলো 'অমুক
তৌরবা থমবা হোরকলে। 'লাইকম-মক্তি মত্তেমনা, মহাকসু ঐখবু
মী অমদি ওইরমগনি, কৈদৌবগে' অসি থন্দুনা মপুক্কীংদা তৌনা
হাপলনা নুংশা থিরপ থিরপতি তৌনা, পন্দনা অমম চংশিন্নকপনা
সনাম্ন অতুগী শূমাংলোমথংবা মতাই অতুদা হেক লেপ্পবদি থবকু
মথিং মনা ইথক থকত্রে। মতৎনা হায়া অসিদে—পোকচৌনী
লেনবকনা [illegible]।

খম্বনা উরকলে, খম্বুক অতেম্বনা মাঙ্গা থাই তৈথিবাগী কংখিবা চায়খিবা, কাচিন-কোয়া য়োধা নংত্রিক নংবা, মাপী মকা অমা কাঙ্বা ভাবা, মবুংবা ওেতক ভৌবা অয়বা ঈশিংবা চোনবা পুত্রীগুম তরু-তরুবা অচুগুবা মাল্লবা অমদি তরু-তমাল্লবা মতা কয়বা শুমাঙ্, অয়মা খম্বগী থোঙ্খাং পনহনত্রে। থাগী মথোঙ্ থোঙ্পাক অচুম্বা তচাউ তচাউ মচুদা মেত্তুনা থোক্নুম তাহল্লুবদা মপুমা কবি হায়-মকদগে খন্নকলে। অসুম্না মিৎনা কুপ্পং শুমাঙ্দা থমলুবা মমিৎ অনিমক অচুমা অমুক নৈথৎলক্কুনা মমাঙ্দা চুমত্রিঙ্ য়েংশিল্লকই— উবদা খম্বচু শ্বায় লাউই। চীং লেম্বা, কুচু-কুমেন পাল্লবা, কিজেং-চাকচা শীংথিবা, মপাগী লেং ওইনা ভৌবা নিপা অমখক কম্মেনগী ফক অয়োমবা মথক্তা থোক্লাই চন্না কম্নগা মমাঙ্দা থাবিবা সনায়োম্বা হিয়াকপু অমদা হিদাক থকলমলি। মচীন্না চুপ্তুনা হিদাকপুদগী মৈখু চিংলিবা শাশাংবা লুপাগী তোংকৈ-উতোং অচুগী মচীম অমীমক্তা মহাসুগদসু সনাম্বা নৈতেং তৌরি। হিদাকপু মমাক্তা লংনা কেঙ্লবা চাইখপেল অমসু লাকোয় মথক্তা খিল্লি অচুগা মচুগী মমাক্তনা মচু তানা উরৈয়োম শংবা থুদৈ অমসু পীক্লা থুগ্তুনা লাকোয় মথক্তা থমলি। সনাগী অমম্পুং কোমগী মশাদা য়ৈরুবা সুমিৎ মচান্না থক্তোকনা নৈনু হাইবনা থাজোম-কল্লাং অকোয়বচুবু লংথংহল্লুরি অচুগা শুমাঙ্ লোমদা হাইদোয়কপা মচান মশেক অমমা খম্বগী মমিৎ থকলম্লরি।

অসুম্না কমচুমা হিদাক থকলিবা মিপা অনিগী মমাঙ্দা মিপা অমিথকসু নৈপাক্তা থুকউ-থুদক কুম্বুমা লোয়নদ্য নৈরি। মথোন্নু

অদুগা মহাক্না কপ্লিলো। মা অমম্বু হাপ্পনরি। অদুগা অৱাংথংবা উখোকতেন মরাদা কমতুৰা অপুং-মচৈ কাৱরী লৈপাবী অশিথক্না অমমা কনেক লোল্লি, অমমা কাত্রং লংজা থাইবা হোৎনরি। কনেক লোল্লীবী অদুৰা কক অৱোম্বা মচা অমদা খোজ্রাই চন্না কুমলি, অদুগা অমতুৰা লৈপাক্তা কমতুৰা লংজা খিরি। নুপী অমি অদু থবক তৌনা তৌনা যুকুম যুকুম কপ্লিলো বাৰী অমা শাপ্পিবগুম তৌরি। কনেক লোনবী অদুনা তোংগানবী শাবানরি, মত্রাড়্ তেনকৈজুম চুন্না কমলি, অমতুনা হেন্নপ তৌই অদুমদি ওইরগা অমতুগী মৰাক্তা কমলমত্রবদি মহাকংমু কজদবী অমদি থক ওইরোই-দবা শক্তানি। থমমা মাবুদি নাকচেৎ ওইরগা মায়থোং উবা কংই, অমতুগীমা লুতুংমক উই। উম্বিবা লুতুং শমলাং অদুমা মুদা মুৰা মথক্তা লেং-লেঙ্ চৎপা মালহন্না লুথম্ মপাক্নী হাইকেৎ তাংথক মাইমা লেংপাক তাযক্লগা মথং মথং মীংজোম য়োনা হাইথমক্স্না অহেনবা শমদোন মপৈ অদুনা লৈমায়দা অমুক চোইনা তাদুবা মথংদা চংকদবা লম্বী থিরদা মমিৎ মনা শিংনরি। অম্মুনা থমবা মুপী অদুগী কোক্তগীমা মীংজোম য়োবা কাওবদু অমুক হন্না মথং মথং য়েংথরি। মুপীন মুবা শমলাং মপৈ অমদি কা-হেনগদবগীতা হোৎনরবা থবাক তামকত্মু মমীং তৌবা থিংনমবা লাকশিন্দুনা থমজিবা অমুবা কনেক ফীবাম অদুমগী লেমকৌবিবা কপিন্থ অমত্তনা লুপাশিম-খজিনবা লৈত্রবা হকচাংগী মচেৎ থমা অদুনা মীংথিবা লৈহাও লৈরেন মচুমি অদুগা কি-শেংকম অদুগা তাইনবা অকোয়বা মচেৎ অদুমা অমুবা নোংলক্তা তামথা চুমথাঙ্ পয়েংগুম মীংথিজরি। মোন মথক্তা

হাইকংলিবা লাম্বোম অমি অহুমা তাঙ্থোম থাইবনা থব্লো হৈরোম্মি, লোক পুলেক্তুনা চাবা হাউঅদবয়ক মাপ্নি।

অদুম্বা অথকপা, অমংবা, অথুম্বা মতৌশিং অমি য়েংবদা মিংকুপ অমগী মতমদি মানা লাকলিবা থবক অহুগী ময়ম পূৰমক কুপ্নিহু মীংশিংলুৱে। মমিৎ অমুক্তং কুপলুবমগীদি অমুক থংবীং মীংশিং-লক্কুনা হংগোই হংগোইনা থাই তৈবা শুমাঙ্ অহুগী মতাই থইরনা কোইথোক্কুনা তপ্না তপ্না মাংগোন্ তমনা চঙ্শিন্নকলে। মাং-গোম্বা লৈরিবা মীওই অমত্তুনা শুমাঙ্ মচিদা মাপা লেপ্লুনা লৈবত্রু উনখিরে। অদুম্বা চাইহাক লেপ্লুনা মপুমা মাবু উবীরকপা হাইরিবৈগী অহাঙ্বা মতম অমিদগু থম্বা উখোক-তেম ময়াগী লৈশাবী অমী অদুবু হেক হেকু হুহুনা য়েংলি। থোইবা মিতাক্তবগী মত্রে, থম্বগী থম্মোইদি গঙ্গাগী ঈশিংগুম তশেং-তশেংজরিবনি অদুবু মিৎকি মথোদি ফজবা নীংথিরবভু য়েংবনা মমাং থইরনা অহুম য়েংবতমি। মানা থল্লকই, ইস্, ফজংগ্রদা কমাগী মচানো অসিরে!

থোইবা কুইত্রে, লময়ায়দা মপুং লোকতুনা কুমবা মিনা অনি অত্ত শুরুমরপা হৌগত্তুনা থোকখরে। মথোৱনা চংখিবা অহুংবদা য়েংথোরকপদা মনাউ ইবুংগো মথংথবখনা থম্বু উরকলে। মাবু উত্রে থঙ্বদা মথোঙ্ থঙ্কত্রিবা থমনা চংত্রিবা মিপাশিং অহুমা তৌবা উচেৌবদগী হৌনমাগে অম্দুনা মানা লেপ্লবা মফম অহুমত্তুনা কুম্বহুমা শুরুমলকলে।

বাবু উবদা ঙম্লবা অদুক্নবদা পুক্নবা ওকসা কাওবা কাঙথোক-
নিঙুদা মিংকম থোকনবা অতুম্বক শংক্রিক রেমুনা লৈরে। ‘ভুমনা
শারবিবা ভোংকৈ অতু থুম্বা অতুম্বক লৈখবে, অমুক্তমু চীনবান
য়ৌহনখিবনে। ‘অমবোমদা বা-থোনদা চিংথোকখিত্রবদগী নীংকবা
মুংদহুনা থিরাক থৈথু মথৈনা ডাক্তক মমুতলগী মথকত্তোমদা জগোই
চাদি শাবা শাবা থৈক্রা থোয়দা হাইগংনবকনে। মহাক্না হায়রকই—
‘হিং, কদা ওইরিগবা, মুক্তি অসিদে।’ মীগী শকথোন লৌবা কবদা
লাইনা ঐখু নত্‌মগে লাকপনো? ওয়েরক্রম কবৈদা, অকনবা
শাবাসদা অমুক য়াম্না থোংনা-মৌনা কজবা শককদাদি ঐ জমি
কাওবমু উবক্তি। কিজেং-নৈজেংবা মকশিনহনবা পামত্রবা নংথৈবা
মশাগী মতামা দুমিং মতাবমকপু মথহত্‌না থৈশিল্লক্রগা মাংগোন
কক্লাংলগী অমুক থক্তোমক্তনা মশাগী মায়থোংদা অমুক হক্তিনদ্রি।
চেকশিনবীত্রবা শমলাংবা শাবান, শক্তম অতুগী কজবদুন থোইবা
হেনহল্লি।’

অমুম্বা নিশানা থিপাগী কজবা মতৌ উবদা ডাইহাক তত্থং-
দুয়বদগী জ্ঞান থংতা তাম্বত্‌না খমনা মাবু পুক্নমুবদগী হৌখত্তুনা
হারকী কিন্নেশভা লীচৈনা নৈবাক্তা শৌচুনা লেপত্রবা মতম অতুতদা
হবীক্তা পুক্নশিবক্তম্বা মনাউ ইবুংঙোনা বাদি ঙাংবা তৌদনা মতক
হাইকেনং নোঙ্গুম্বা ওক্সা হায়রকই—‘নাউ, ইশা! চত্‌লকউ কদনো
নাউ।’ ‘মত্রবু কদাতো, কামদি ঐনা মত্রবু অমুক্তমু উথিবা লৈত্রি,
ঐনা কাম্লগদবা? নাউ, চত্‌লকউ, হায়রীবা হায়রো নাউ।’

খম্বনা খোঙ্‌কম অহুম মখিদি মাহ্‌না চঙ্‌শিল্লকপা অমুক লেপ্লু্‌না অহুম তোবা হৌবৈ হায়বা ইখঙ্‌ খঙ্‌বনা মখন মখক্তা অমুক চঙ্‌শিন্নরক্ত্‌না মথবাক মপাদা লোয়নবনা মথুং অমি অহুবা মাহ্‌ থাহুনা হায়রকই—'ইপা ইবুংঙো, ঐদি লায়রবা মচানি, নম অসিন্নদি পোক্লগা মকম অমদা মতম শাংনা লৈজরবদগী লাকচবা কুইত্রি। ঐবু হায়না উবীখিত্রিবা অশেংবনি। পলেম-পম্মোগী মণকন্ত উপহৌদে। লায়রবনা ওস্তুনা ইপূক থম্লীংঙাই লৈজবদগী থবক খিবা খোক-চয়কপনি।

মনাউ ইবুংঙো বাংগোম নিংথৌনা তাকপিরকই—'উম, অহুদগী কমদৌবা?'

খম্বনা হায়রকই, 'ঐগী অবাবা ইভৌ উবীবদগী ইমাবা খণ-শেল্লোয় অমনা নুম অসি তাকপিরক্ত্‌না লাকচবনি। লৈবীরবদি ঐনা চেমজনদবা থবক মচা অমত্তং—'

লাকলিবা পাথং অসিনা মহাকপু কনাবো থঙ্‌দবা মতৌ উবদগী মনাউ ইবুংঙোনা তাকপিরকই—

'উম্‌, অহুগী ওইরে। অহুগা খণশেন্নবা অহুনদি নুম অসিবু কনাগীনি হায়রবগে?'

খম্বনা খুমকই— 'মথং খম্বা হায়রবা কন্নিবো অহুগীনি হায়রকই খুড়াবু।'

তাবদা মনাউ ইবুংঙোগী মায়থোংনা যোমোন মীক্লোক্লা। ঙৈরেং-লকই অমম্বুং মহুগা মতম মাহ্‌না অবাং-উথোকতেন লোয়দগী তাংবক নাইজ্রবী নূপী খোঙ্‌জেনগী মীংথিমবা মীলোক অনিথক মচেং মচেং

য়েংশিনদুনা থারকনি। খোংজেল অহুগী খোঞ্জীক পুখীংজরা পুমাহৈরা
লেপখিয়া খবলী খমুং য়েৌবা কাওজিনখিদুনা চোংলিবা খবাক মিহুন
অহুনা তাল মায়না খম্বোইনা থঙ্ থঙ্ পায়রি। খবনা, অতীকপা
চীংনুংদা খোংবা তাবনা মখোন মানবী, তাঁবিবা খোংজেল অহুগী
হৌবককম থিদুনা মাগী মিৎয়েং থাবকপদা উবকলে—পুগায়না শাংগী
খম্বাখংবক্তগীনু হেন্না নীংথিজবী, মিমি পামবা থানিমগুম শমলাং
কোয়কনবী, মিৎপান তবা তবাবী কোয়বাওবী মিৎনা অনিমা
মথংশিংদা মিৎথৈ অমদি মিৎনু অনিমক্তা মিৎমহা লৈকম ওইনদুনা
অমদি মিৎয়েং অহুনা মরম ওইদুনা সুক্তক শৈতক তৌরবী, মাকোক্
নাকচিমক য়েৌবা শাংবী, অতোবা আতিয়া মকোয়দা থাববা অমুবা
মচুগী চুমথাঙ্ মতৌওম মীংথিজবী অহুওবী পীশুম অনিমা অমুক্তা
হেন্না মায়খোঙ্গী কজবা হাপকৎদুনা, য়েন্দ্রম পায়বা য়েংকী থুবাংবা
কিবাংজী খোম্নুম মথক্তা উবক্তা য়েংপা শাঁবুময়াগী উবীগুম
খোশাদনা থমদুনা অমদি ওয়গী পুমুখী পাম্বোবনা পৃথ্বী লৈমায়কক্তা
চপতিংনা তাক্ত্রবা লৈখোয়রবী হকচাংগী অয়বা তারয়পা লোক্তা
লোক্তা য়েংখোক্লকপদা হাবথিবদগী হায়গী মকম য়েৌবা হজিক্তহৌবা
মংথিনদুনা হাইকেদ কাংলপ তৌবা লৈরবী তজাং তজাংবী চীববাদ
মথক মখা অহুনা খোংজোবী ওইবা থক-খা মায়গৈ খোয়া থংলনা
মক্ত্রবা শয়ৎ-থাবনবা ময়ায়দা তক তক তাবনগুম নীংথিজবী
অহুওবী অতৌবা-য়া-পয়েংশী থরংবা মপোক্তা লাখা পুমাঙ্লা লেমিবা
মাগী মমিৎ থকহনদুনা মিৎথুম হোংলনা মানু য়েংদুনা লৈরবী,

মমদু-মদা কাউবা অমুক্তদু উজবিগিনী অহুওবী তাইবদু, তম্বনী মুমদু পক্তুম মমদু উক্তরে। ঐ অনিকদু লোইবদে, মখোনা উবিদা লম অনিগী তুংগইদবা কবী মায়থোং অমদু মদু ওন্না য়েংলম্লি।



অনিশুবা পাখং অমগা লৈশাবী অমিগা মহৈ মহৈ কবা মক নিতাকন্থুবা অমবা অমদু থকচিন্নবা মতৌ অমি কখেন্না কম্পিন্না ইবুঙোনা চুদৈ অনগুম লোম্না খিংবে ভাবি অনমদু মখোয় মফেম অমগা অমগা ইবুম মুমকখুনা লৈজবিটৈ অহুম্না অমগা উবিদু লোকলবীদ্রি। কবা চুইবকদে—খিংবে অহন অমদু অমতঙ্গ

চেন্দোক্লকপা মরৈখিদ্রে। ইনাক্তি অউবনা ইকাইরকদোরে। মমাঙ
ইবুংঙোনা খোঙ্‌হাঙ্‌ অমিদংগী ওইনা অমুক্তং খোদেম্লকই। অদৈবা
লোক্লেনগী মখোয়েমদি, খোইনা করিস্ত হৌবা মত্তে অদুবু শাবি
শামৌ অহুম অতুগী মকাদদি মতু থঙ্‌হৌদনা খাল্লকপা অবাক-
অবাঙ মখোলগুম খোক্‌নবা থংগেক থংগেক থংনতুনা মাগী মাগী
হান্নগী কিবনদা থুনা শং-শং হঞ্জিনখরে। মতুগা মতম মান্ননা মমাঙ
ইবুংঙোমা তাকপিরকই—

'হনা, ঐগীদি থবক খোইনা লৈত্তেনা। ইচা ইমাই লৈরিবশিং
অনিনা মাগী মাগী মথৌ মশিন নাইনা শীন্দোক্লখিবনা মঙ্গী শরুক
ভম্বা য়াবা অনৌবা থবক অমত্তসু লৈত্তে। মহাক করি করি
মশিন্দি হৈ।

চিংনবা লৈতনা খঙ্গনা থুম্লকই, 'করিস্ত হৈজদে।'

'অতুদি কমদোনা থবক থিরিবা?'

থবক হৈতনা থবক থিন্নবা তাখিবদগী থমত্থু ইকাইজবনা মমার
ইচপাদুক তাঙ্‌শিল্লকলে। অতুম ওইনমক ইকাইবনা তমহনখিবদি য়াবা
মতম খোক্তুবনা অমরোমদসু হৈতববু হৈত্তে হায়রবু করি লৈবলো,
ওইরবা তাঙ্‌লুবসু মত্তনা—অসুম্বা থন্দুনা শোম্বরপতি তোবা মখোলনা
য়ানা হায়রকই—'ইমারবনা তাকপিরকই, মকম অসিদা শকম-কাও
অমুথক লৈ।'

মমাঙ ইবুংঙোনা থাজদবা মীমোক লোয়নমা হায়রকই—
'কাও অদু শেমগে অসিদা?'

হোয়, চাসবীরবরি মথু, অতৈ অমদি হৈজদবনিনা।

'মীনা শেনবা ওমন্ত্রবা কাওরেমনি হায়রবদি মনাকনা অদুনা হায়রক্তবরা ?'

'হায়রকই, মী অমত্তনা শেনওমন্ত্রবদগী ওতাই কনদুনা শকম-শা ওইনা য়োকপিন্নিমাল্লে।'

হন্দক্তি মনাউ ইবুংঙোহু খম্ববু ওক্তক তোনা অমুক য়েংলবা হায়রকই, 'মোইরাং মচা অমত্তনা ওন্ত্রদবনিবু নহ্না শেনগে হায়রিবা ?'

খম্বনা হায়রকই, 'হোয়, লাইবক অমুক্তং য়েংজনীংদুনা'

চাং য়েংবদা মশা শোক্লবদি নত্ত্রগা মশ অদুবু কাবা-পুনবা অমদি কোমশিনবা ওমন্ত্রবদি কমদোবা ! অতাং মুবী শোক্লবদি ঐ তোকলেদো ?

নোকমি নোকমি খম্বনা হায়রকই, মুংশা থীবিগনু পন্থোও ; কাও শেঙ্গরুত্তা তাকপিনু, অহাঙ্বা লমহাঙ্দা পুখোক্ত্না মুংশিং-মুংশা লাংজসনু, লমহাঙ শজীক থংসনু।'

মনাউ ইবুংঙোনা য়ানীংদনা সনা য়াথং অমুক তাকপিরকই—'মতুগী য়াথল থাদোকউ ইবুংঙো ! ইপা বা হায়গে। নৈত-লায়রবগী-দমক নঙ্না মতু তোগে খনবা ওইরবদি য়াগনু, মপুক খনবা ইপানা হোৎনবিগনি। মসিদা নঙ্গী কন্নিনু ইকাইকনু নৈতে। মোইরাং-মচা অতৈনু অনুম্না চাকচা-কিজেংপীদুনা ঐগী খনক তোবা য়াম্না নৈ। তাঙ্গা ফংদদুনা ওসোয়মথৈ হায়রক্তি। ইশানা ইশাগী ইশক তাকপন্নু হৌনদবদগী পাকনু হেক হায়দবনি। নঙ্না পুমনো নোবা মীওই ওইবদগী কন্নি অমত্তনু থঙ্গ্রে হায়ব। ওরে। তাও, মথং খনবা হায়বতু পাল্লিবা নিংথৌ অসিগী হেক ওমথং হায়রবদি।

মিংথৌ অসি ঐগী ইরাঙ্বনি। মোইরাংদা ইচিম-ইমাউ অনিমা পাম্বনি। মরম অদুনা মিংথৌগী মনাউমা মী অমা যোকপদা কবিহু মহাম তাগদবা মতে, মী অদুগীস্থু কম্নিস্থু ইকাইরুনিঙাই লৈতে

মাবু তাহনবা চাংলিবা, অতৈ যায়াম অদু খম্বগী মনাদা চংখি চংখিরে খঙ্দে, 'মিংথৌ অসি ইম্বাঙ্বনি' হায়বতু হেক তাখিবদগী কিখিবনা খম্বতু মশা চপশিন থুইজিল্লকলে অমস্তুং মাঙ্গোন কাথংলক্লুনা চৈশু তাবশুম মশুবৎ তৌনা থুম্নগা হায়রকই— 'খঙ্জরুত্রে, ঐবু চাকপিয় ।'

পেনবিয়দুনা মশাউ ইবুংঙোমা তাকপিয়কই—'খঙ্দববু মঙ্গী কম্নি বয়ালমো ? চৌগৎলু ।' অসি হায়রগা মজাইবেম্মা য়েংদুনা হায়রকই—মবুং অসিবু অরৈবা চেঙ্-চাক খরদং পীখো, ঙসিদি ঐবা মাগী থবক পীবা ঙমদ্রে, অমুক্তং খনখিবা তাবি ।'

অসি হায়বা লোয়রগা খম্বদা অমুক হায়রকই, 'ঙসিগী চয়াদং পুন্থুনা চৎখো, হয়েং অমুক ঙন্তা লাকউ, ইপা নঙ্গী থবক খল্লমখিগে ।'

খম্বা হায়রকই, 'থবক তৌদনদি মনাই ঐহাক খক চাকলেম চাজদে। মুংশিবীয়বদি কাওরেম শেলহনবীরগা অবামন ওইনা চনা অমত্তং কংজগে, চানবীয়ু ।'

চেঙ্-চাক লৌথোকলুনবা হৌগৎকে তৌরম্নবী থোইবীনা অমুক লৈতাবা কম্নগা মপা ইবুংঙোদা অমুক খম্বদা অমুক য়েংদুনা লৈরকলে। খম্বা খঙ্লে—মপা লৈতবী শকহেনবী অসি মনাউ ইবুঙ্ঙোমক্না পোকপীনি ।

ভাইহাক মন্না মায়থোং লূকলুমবা মতুংদা মনাউ ইবুংঙোনা হায়রকই, 'ফবে, নঙ্না ময়াম্রবনিনা ঐহু মপাংগল অমুক্কং উহল্লু য়েংসি— ।'

অসি হায়বগা লোয়ননা ফম্ফমলাংদগী লেত্থত্তুনা খম্ববু নাক্লবা ইন্দিত তৌবগা মঙ্গোল তম্না চত্শিল্লকলে। অসুম্না মপু মনাই অনিমক্না শূমাঙ্ মতোন য়োথ্রবদা লৈশাবী অনি অতুমু হৌনকুবা লৈতনা ক্রক-ক্রক হৌগৎনরকলে অমসুং লাপতক্না মথোয়সু অতুম ইন্নরকলে।

মঙ্গোল য়োৱগা য়োংকী কোয় খাজিন্দুনা থমলিবা কাও অদুবু উত্তুনা মনাউ ইবুংঙোনা খম্বদা হায়রকই— 'ঐগী শকম-কাও হায়বদু অসিনি য়েংউ। মীথোল তাবদা মমিৎ-মমা ইথক থক্লিবসি উবরা? মোইরাং পাখং অমত্তনসু মনাক্কা চুম্না লেপলুবা কাওবা ভম্লিবনি। যুম্না য়েংই, ঙমগনি ঙম্লোই থল্লু।'

হন্দক্তি থম্বত্ত বা ভাওলমক্রে। মাগী লীচৈ ভুংগোমকী অদু মচি অমদা ভাশিল্লগা য়োংকী কোয় মনাক নকশিনখ্রে। অকিবা লৈতনা মী অমনা মনাক নকশিল্লকপচু উবদা কাও অতুমা কি-কি কামনা থাইগদবগী মরু লূকলপ তোনা চীংতুমা লৈরকলে। অসুম্না মামা চীংতুনা লৈরিঙৈদা খম্বনা মথক থংবা কোকৈদা মথুং অনিমা পায়রগা মশা পূম্নমক মথক লাম্না হাইগৎখিন্নুনা মিৎকূপ অমা লান্দনা খণগী মাকন্দা মশা চপ তিংনা লেপ্লুবে অমসুং মপাম্বা লৈথোয়কপা নংক্রিঙৈদা মাংলেন্দা খূনীংদা দক্ লাউনা থিল্লকলে।

মপা অহু খর হাইকেৎ থিংদুনা ময়াঙ তেকথোক্লুনা খাঙলকরে। মথংদা খম্বনা হুৎলৈ খুনা মচি অনিমক্তা মথুং নামা নামা পায়রদুনা মাঙোক্লনা মুকশিনক্লগা থঙহৌদনা লৈমায়দা অমুক মকোক মনথ-বকহল। শক অহু পুখা ভমক্রহুনা লৈমায়দা মচীন তুজিনবনা লোয়ননা থূমাঙ অনিমকস্থ কোম্বতুনা বানা খাঙলকলে। অম্মুমা চাইহাক বাহন্নগা থাদোকপিরবদা অবাবা কোকপগী স্বয় হোন্দোক-চহুনা যণ অহু হৌগৎলকলে অমস্তুং মমৈ হাইদুনা মরৈনা মনাক্তোন শৎ-শৎ লেক্লকলে। অস্থুম্না মিৎনা কপ্পদং স্বয় হোন্দোক্লগা পেন-হৌত্রবা যণ অহুনা মকোক চেপখহুনা খম্ববু মচি নামনা হাইগদবগী অমুক তৌরকলে। শিংলবা খুৎ অনিনা খম্বনা মচি অমস্তুং মমৈনা নামা নামা পায়রগা কাওজাউ অহুবু মনীং মমাঙ লেঙবা য়াহন্দনা মখূৎ অনিমক মকশিন্নহনগদবগী তৌরকলে। হন্দক্তি খাঙঙ্মক্রবা কাও অহু নোং-খোংবগুমনা মো হায়না শাংনা খোংলকলে। মহু য়ৌরবদদি খম্বনা থাদোকপিরে অমস্তুং মনাক্তা নিঙায়দনা অহুম লেপ্লুনা লৈরে। হন্দক্তি যণ অহু ইতে তেরে, খম্বদা ওনশিন্দুনা কাওবা য়েংলুবা ভমজরে। মতম অহুদা খম্বনা মমাঙদা চংলক্লুনা মখা হোৎপিররে।

পূমভক ভকথ্রে, য়েংলিবা মী অহুম অহু মঙদা লীলা য়েংবগুম মমিৎ মনা কুপ্তুনা অহুম চপ-চপ যুংখিবদগী হেনখিত্রে। অকংবা যুখী অমমমগুম মচি লেঙখিত্রে। খম্বনা যণ অদুবু লাকপা লোইহুনা মখা হোৎপিহুনা লৈংব্রবা মতম অহুতদা মথক ওনখত্নুনা পীশূম মগ্না মক্লা লৈবস্নবা পা তঙ্কক অহুনা হাইখরক্লমা মতম শাংনা

হাইজোক্লম্না থম্লুবদগী মরেক মহাউ মাঙ্শিনম্বা মিং মথক মথক্না থুন। অমুক অমুক্তং কূপ্নরম্মি। মজা ইবেম্মনা ওয়াম ওমজবী ওয়াংবী চীনবাম অমিদা মোমোম মীনোক লোয়রমমা সেম্নুদা থাজ মায়থোং নৈশিন্নগা মথোল থোক্তবা কম্মিনো মযোল অমা হায়রগুম তৌয়রকলে।

শকখঙ্দবা পাখং অসিগী অসিগুম্বা ওইথোকখিত্রিবা মপাংগল অসি উবদা মনাউ ইবুংঙো অদু হয়াউবনা লুতোম কাগ্রে। সনা য়াখং তাকপিয়রকই— 'ওকলে, পেল্লে। নঙ্গী মতিক ইপা উবে। মী পূম্নমক্না কিনয়রবা কাওয়েন অসিনা নঙ্বু উবদা কিয়ে। ইপাম্বা মপাংগল খঙ্লুদ্রে, থোয়রকলো লাউ। অকনবগী মতিকচাবা ময়া লৌরুয়ে। মাবু মপান্দা পুথোক্লম্না অমুক যানা শেল্লুবগী কান্নবা নৈত্তে।'

খম্বনা মথূং লোম্নদুনা হায়রকই— 'চানবীদুনা তাকপিবমি। য়াংলেম মিংকূপ অমত্তুং ওইয়বস্তু মাবু মপান্দা পুথোকচরুগে, নঙ্গবদি কম্মিঙ্গুম্বা অমত্তুস্তু লৌজবা ঙমলোইদৌরি।' অসি হায়রনা হায়না য়োংকী কোম্ফে শংকদবগী তৌয়রকলে অমম্তুং হায়রকই— 'থম্মবং হন্দোকপিয়ু, শাবূক ঙাবূকমি, মকম খঙ্দে।'

কিনদুনা মহৈ মহৈ যা ঙাঙ্নদনা হন্দোকপ্লে। খম্বনা কোম্ফে লোইমা শত্লম্না অয়াওবা থোঙ্ অমা ফাংলকলে। অদুবু অঙকপমি, কাও অদু চপ লেপ্লম্না নৈবদগী হেনদ্রে। খম্ববু কিবনা থোঙ্কাপ অমা ফাওবা থাংবদি লায়রদুনা কেং-কেং হাইম্বা মহৈ অদু কাওবা

মতি লেঙ্খিরে। মতৌ অদু উবদা মুংশিরদুনা খম্বনা মরাঙ্লেন্দা থুবাক্লা অমুক্তং থাদুনা হায়রকই— 'হৈ।' হন্দক্তি য়াথং কংলদুনা মথ অদু মথোঙ্ থাংলকলে অমম্তং মথং মথং থোক্লক্কনা অহাঙ্বা আত্তিয়া মথাদা লেপ্লরে। অঙকপনি, মণগোন্দগী মপান হেক থোক্লকপদদি করি থক্লকপদগীনো থঙ্দে, মমৈ থাংগত্তুনা অমুক্তং চোংলল্লগা অদুম্মক হৌদুনা চেমখ্রে।

খম্বনা করিস্ত নাচুংল্লবা তৌদনা মাগী লৌচৈ অদু লৌরগা মতুংদা তপ্না তপ্না অদুম্মক ইন্নদুনা থোকখরে। মাগী মতুংদা তাবক অহুম অদুনা মহৈ মহৈ বা তাঙ্দনা অমুক্তং য়েংনরল্লগা মাগী মাগী মকমদা হক্লিমহৌরে।

বসন্তগী অমুক্তা শাৎপী, লৈরক কোনশাং-ডানবী লৈয়াং বাসন্তী-কুম মায়থোং মকায়াল্লবী মজাইবেম্মা থোইবীনা মোমোন লোকপী মায়থোংদা লৈরিক্তুম চুম্বী শাইমোন-শমলাং-মপৈবু নাপ-নাইব-মতাম্না থক্তোকহন্দুনা মনাই সেম্নুগী মরেংবান পায়রগা লোন্না 'সে—মু শকথীবী' হায়না অমুক্তং ইল্লরগা সঙ্গাই মনুং তান্না চেম-শিনখরে। সেম্নুস্ত মবেম্মগী তুংইন্না চেল্লক্কনা ইমুংদা লেপ্লরবদা থোইবীনা হংলকই— 'কমদৌই অচানবী?'

সেম্নুনা খুম্লকই, 'ঐদি হায়কম থঙ্জদে।'

থোইবী। ঐথোয়গী পাবুং অসিস্ত হেক হংগদবদি হংদনা অহুম ইপা, ইচা-তা তৌদুনা তোকলে। কদাইদগীনো, কনাগী মচানো, মমিং করি কৌবনো অসিনচিংবদি করি অমম্তস্ত হংবীখিদে, থঙ্বু থঙ্বীংলবরা করিনো?'

সেম্বু। হেন্না লাউ্‌তরুবা মী য়াম্না নৈবা উবদগী পাম্বুনা অসুনা তোকলিবা ওইরমগদি।

খোইবী। কাগী মত্তে, অচানবী মহাক অদুবু করাইদগীনো হায়রবদি?

সেম্বু। অদুবু ঐনা খঙ্‌গদবা?

খোইবী। নঙ্‌ অমুক্তং খোঙুল লীরগে হায়বয়দো।'

সেম্বু। খোঙ্‌ন্দি তাবরা ইবেম্মা? লাইচুম ওইয়রবদি?

খোইবী। মপাগী লাইয়া? লাইনবু যণ শেনবা লাকদয়া?

সেম্বু। শেন্নি, শেন্নি, লাইনা যণ শেনবা পীকথরা নৈ। লাই মীচাবা, লাই চাকমিবা, লাই কপচেংপা, লাই মুপীথিবা জাং জাং লৈবিপোৎমি। ছজিকী শক অদুনবু লাই ওইব্রবদি তাইবঙ্‌পানবা অনিনা লাই অমত্তনু লৈমরোইনা।

খোইবী। শক অদু করবদি কজেকো সেম্বু।

সেম্বু। লাইনে লাই, অদুনা খোঙ্‌ন লীবা কংলোইরে।

খোইবী। মপাঙ্গল অদু কম্রা হায়রি?

সেম্বু। হাইমা, লাইনবুদি কন্দবদে! যণ :মাদি থথথো, যণদগী হেনবা মী মীদগী হেনবা অ।—ইবেম্মা কাওবা শোক্লবনু মত্তমা কম কম ওন্নিবসে—।

মপু মমাই অমিমক হৌনা কাক কাক লোকমিনবকলে।

অদুনা থবগী মরমদা য়েংনবা চাউ্‌নবগী লোইবা নৈথিরে।

তাওর্বদা শকম-শা হায়নম্লিবনি। মপান হেক থোকপগা ময়াই থেঁক লৌংথোক্তুনা, পাক্লবা মথামা খোঙ্থাং খুদীং কেৎ-কেৎ হাইদুনা, অদুংবা মুমিৎ মতাম্মা য়ৈবদা হেন্না লংখৎহল্লবা মশাগী মতাম্মা অদুবা মী মথৈগী মমিৎ থকহন্দুনা, শোরোক য়াঙ্বী-থক অদু ইফুন ফুল-হন্না, অমদি কোক্রু-লাইথাগী চীংদোন্দগী হেন্না বাংখৎকে তাল্লকলিবা অদুগুম্বা বাংলবা মরুম মতোন অদুনা মাবু পুন্নিবা খা-গী হকচাং অদুনা মোমলকপদা তান থাদুনা কপ্ কপ্ কপ্ চেল্লকপদু উবদা মী পুন্নমক কিনবনা শমজি থাইদুনা অমক অমকপা যুম অমদি ইংখোল মনুংদা থৈজিন্নরকলে। থম্বদি করিসু মীংতাইবা লৈতনা লাপিতক্লা অদুম্মক মতুং ইল্লকলি। অউবা মোইরাং-মী মথৈমা লম্বী লমথাঙ্দা মী চৎনদনবা, অতাং মুবী থাদোক্লদনবা অফং অফং পাউথাঙ্ লাউনরকলে। অসুম্না পাউথাঙ্ মথং মথং য়ৈনখিবদগী তাইহাক্কগী মনুংদা মীনিনতনা শিল্লম্বা মোইরাং লম্বী-লমহাঙ্ অদু মী তাকখ্রে, পুমচীক চীকখ্রে। অতাওবা কাওয়েন অসিনা অসুম্বা চেল্লম্বদগী মচিং লাক্তুনা অমুক মখোঙ্ মরিমক্লা পুল্লপ পুল্লপ হন্দুনা তাওনা-কৈনা চেল্লকপা মতাংদদি মীদি লায়রদুনা মমাম্নবা যণ অতে কাওবা মমৈ থাংগৎ থাংগৎ চেন্নরকলে অমসুং লাপ্পা লাপ্পা মানা মামা শুম্বা চেম্হোক্লরগা লেপ্তুনা মতক মতক থাংগৎনরগা হিংচাবনা ওনবা মাল্লবা যণগী মশক অদুবু তক্লা চক্লা য়েংনরকলে। থাম্বুংদসু যণ অমত্তা উথিদ্রে: যণশেল্লোয় মথৈসু মানা মামা থোকপা চেন্নখ্রে। লোক্তাক খোঙবান্দা লৈরম্বা নিপা মূপী পুন্নমকসু ঈশিংদা মতক য়োৌনা য়োৌনা কুমথদুনা থাঙ্নখরে। অসুম্না মী

পুন্নমক কম্নমনো কম্নমনো হান্নবা মুংশা থীমখিবনা মিপাই থবাই খাঙ্‌নরকলে। খম্ববু মণ অতু শেনবা মীমি হান্নবা খঙ্‌বা কাঙ্‌বুনা লাউনয়কপন্থু য়াওই— ‘কে’—বাংগোন-মিংথৌ-মনাই-ও ভাবরাও? কাওরেন থাদোকনো, কাওরেন থাদোকনো, মী অমত্তা মপান থোক্লবা ওয়েয়োইয়ে পুশিনথো।

অসি পুন্নমক তামা তামা উমা উমা খম্বনা করিম্থু থৌশাক্লবা নৈতনা হান্নগুম অতুম্মক মশাগী শাক্তং কায়বা তৌদনা চৎলি। ময়ক মহক্তা লীচৈ তুংগোন অতুনা মাক য়েক্তা হেক হেক হাই-দোক্তুনা মাঙ্‌দা চেল্লিবা মণ অদুবু লমজিংলি। কনা লাপথৎ-খিতুনম্থু অঙকপদি—কাওজাউ অতুনা মাগী ইঙ্গিত হেক হেক উবগুম তৌরিবা মতৌ অতুনি! মীয়ামনা লাওরকপা তামা তামা মামা কম্নিম্থু থুমখিদে, মপৃক্তা খল্লকই—‘নখোয়দি ভাইহাক নৈতনা মপান থোক্তুনা কোয়না চাক্তারিবনি, মাদি ভসিদনি, ভসি অদুম্থু হজীক ভাইহাক্তনি, মাম্থু মপু খৎশেমনি, নখোয়ম্থু মপুনা শেম্বনি। নখোয়না কংবা মুংভাইবা, মণ অসিম্থু কংকম থোকপনি। অমুক্না মপুক্লীংনা পাউথুম পীনা পীনা অতুম্মক লমহাঙ্‌ তান্নগা মহাক্না মচি অমদা লেপ্তুনা ওয়গী মখৎনা খাঙ্‌দা মেৎলগা মমাঙ্‌দা নৈরিবা মণ অতুদা অম্থুম মমিৎ থমলি।

অশুম্না কাও থাদোক্লবদগী মোইরাং প্রজাশিংনা মুংশা থীনবা পাউ কংতুনা মনাউ-ইবুংঙোনা খুদক্তা শগোল তোংদুনা খম্বগী নৈকম থিরকলে। লমহাঙ্‌দা তামনা মী অমথক মথক্তা নায়রোম লোপ্লিবদু উবদগী মাবু তম্না থৌজিন্নকলে। খম্বনু লাম্না উবকই,

মামা খল্লি—'শগোল থৌজিল্লক্তনা ঐগী মণ থকৎহনগদৌরিবসিদু কনাগো !'

মনাক মকশিল্লক্লগা মনাউ ইবুংঙোনা তাকপিরকই—'ওকলে ইবুংঙো ! মণ হোইগৎলো, নৈবাক মীয়াম সুংশা থীমগে। পল্লগদু থুমকউ।' সনা য়াথং অসি তাকপিরম্লগা তম্না অমুক লৈদুনা সঙ্গাই তম্না থৌগৎখ্রে।

মপুগী য়াথং ফংলবদা তম্না তম্না খম্বতু মণগী মনাক্তা চঙ্লকলে। মাবু নক্লবা কিজবা কাওয়েন অদু অমুক হৌদুনা চেনবা হৌরকলে। খম্বসু মাবু তাল্লকলে। অস্তুম্না মপ্পাবুং অদু থুংনা কোয়ম্বৈ লৈনা চেন্দুনা মীগা মণগা লমজেন তান্নবা মতৌ অদু মচি মরুম থুপ্না লৈনম্নিবা অউবা মী মখৈনা অমুক্তা উাখিদ্রিবা থৌওঙ অদু উবদা মুংঙাইরবা কুম্মৈ অমা ওইনা মনুংশা পিংবমথৈ য়েংনরকলে। কমমক ঙাওদুনসু কাও অদুদি শা-মি, অদুগী মথক্তা চীংদুম মরুম চাউরবা লুল্লবা মশা অদু পুদুনা চেল্লিবনি। মমম অদুনা অহানবা মিৎকুপ খরদং মতীং উংলম্লবসু মথং তানা চেপ্পবদি ঙম্লক্তদুনা থুরুপ থোঙখাং হেক তারকপদা মাবু হেমগত্তুন চেল্লগা মমাঙ খৎনা লেপ্তুনা খম্বনা ওয়গী লেংবান্দা য়াল্লকপা থৌরী মকোন অদু লৌ-থোক্তুনা মচি অমিমক্তা কোঙোই হুকচিনখ্রে। বাবনা শদৌ থোংলবা কাওয়েন অদু হজীক্তি বাবগী মথক্ত। অকিবা শককম অমমসু মমাঙদা লেপ্লরবা অদুদদি উপায় লৈখিদ্রে, মম্নিৎ-মনা চুখথরে।

অস্নুম্না কায়বদা থম্বমা মাবু পুনীংবা মায়কৈদা অস্নুম হোইদুনা লাকলে। চংনা চংনা ষণ অদুনা মাকন্দা চংলিবা যম-ফলে ওইনা উরবা মিপা অদুদা অকিবা মিংয়েং হেক হেক থম্নকলি। অস্নুম্না অতেবা গাড়ী-ষণ অমগুম ইরায় লায়না পুখিবা উবদা মী পুম্নমক মথবাক য়ৈলখি। কল্লি, কল্লি, মথং থনবগী মনাই অঙকপনি। অদুবু নিপা অসিবু লাইম্না মীয়নে? অস্নুক কনবা, অস্নুক কজবা অদুগা অস্নুক কুইবা লোংমত্তুস্নু উরক্লবা অসিবো? অস্নুম্না মতুংদা য়েংহৌবা মী মথৈদা ওক্লা কিমা শোম্নহৌই।

অসোমদা মথং থনবগী সঙ্গাই অদুস্নু পুমলাঙ্, লাঙ্‌নবকলে, কাও কায়কলে, হোইগৎলকলে চায়বাসিনা য়ৌ-য়ৌ লাঙ্‌নবকলে। মনাঙ্‌ মজোয় ময়াদা মনাউ ইবুংঙো অমদি মনাউ ইবেম্মশিং পুম্নমক মচা মনাইশিংগা লোয়ননা কাঙ্‌বু ফানা পরেং শানা লেঙ্‌না কোজঙ্‌লোমদা ওস্না মিৎ থম্নরি। ময়াম অসিগী মরক্তা ইজাইবেম্মনু মনাই সেম্নুগী লেংবান্দা থৌশাদনা কোনবোই পায়বোই তৌদুনা মীংথিবা ফিরেপতা লেপ্লগা থৌম্নাংলবা মিৎস্না অমিনা উত্রিবা অমদি উকমীংলবা পোৎ অমবু লাঙতক্লনা অস্নুম ডাইদুনা লৈরি।

থৌম্নাংনরবা মিৎয়েং ময়াম অদুনা উনরকলে, হোজঙ্‌ থোঙ্‌গী থোঙ্‌পাক অদু তপ্না তপ্না হাইদোরকলে, লোয়ননা কাওবেন মকোক অমদি মথানচিংবা মথং মথং উরকলে। উরকলে, মাবু শেম্নবিবা মী অদুগী থৌম্নাংনরবা মশক-মশা। অসিমস্নু থম্নরকলে, মতুং কুইনা পীজ-পীথক তৌদুনা মাবু পীক্লিজৈদেগী অস্নুম শেম্নবিরকপা অমনস্নু অমগী মাঙ্‌নবা তৌগে থম্নদ্রবা অদুগুম্বা মপুম্নক ওইনা উরনা

মীশক মমথি। অসুম্না চঙ্‌লক্কুনা মীয়াম অতুমা য়েংবা য়েংনা খম্বনা যণ অদুবু মাগী হায়গী শকমদা পুশিল্লকলে। য়োংক্তি কোক্কৈ পুম্নমক লোমশিল্লগা মচিদগী থোয়ী অহু লৌথোকপিরে। মথংদা খম্বনা যণ অহুগী মশা পুম্নমক্তা অচৌবা খুবাক্তা মাদবী শীংপি ভৌরকলে। অত্তেবা মপ্পাউ মচাগুম মথা হোৎপিবদা মখিং উইথহুনা কাও অহু সুংঙাইবা ইপান লাংজরকলে। অসুম্না ঙাইহাক যণগী সেবা ভৌরম্লগা, শজীক থরম্ভ হুমবীরমহুনা থোরক্লগা মাবু ভক্তা য়েংনথম্লিবা মীয়াম মমাঙ্‌দা লেপ্লম্বা মনাউ ইবুংঙোদা চঙ্‌লক্কুনা খুরুমলয়ে।

মনাউ ইবুংঙোনা মজা ইবেম্মদা ওনশিন্দুনা ফিংনা হায়রকই — 'খীয়ে ইবেম্মা! মপু মনাইদি কৈদৌরি? মপূক লাম্লম্লগনি, মথুং অদিবু পীজ-পীথক্লবা থোয়াঙ্‌লু। মমা-মথৈস্থ চৎলু, পম্বরগনু। ইচা বাবম্লগনি।'

খম্বনা তপ্না হায়রকই - 'নমাই ঐবু ঙাকপিয়ু। মনাইগী লম্বী য়েংহুনা লায়রবী ইচেম অমা ঙাইরমখিগনি। অবামন ওইনা অপংবা চেঙ্‌-হবাই থরদং পীনবীয়ু পুজখিগে।'

মনাউ ইবুংঙোনা তাকপিরকই— 'কৈ, নচে অহুগী শক্লক ভমগনি, নঙ্‌স্থ নপূক থম্না চৎখো, ইপাস্থ পেম্লহোগে।'

খম্বনা অমুক হংগৎলকই, 'ননাই ঐবু ঙাকপিয়ু, ইচেমগী মমাক্তা ভাক্ত্রিবা পোৎ অমত্তা মনাই ঐ হুকচদে।'

অসুম্না খম্বনা লিথাঙ্‌ থাঙ্‌না ময়াক্ত্রবদদি মনাউ ইবুংঙোনা অমুক সনা য়াথং তাকপিরকই— 'অহুদি লাউ চঙ্‌লনি ঙাইহাক

পোখাম্রিডে, মচনশিং অসিনা মঙ্গী পুনবা পোং-চৈ লাঙ্লম্ম।'
অসি হায়না হায়না সঙ্গাইরোমদা লেঙ্শিল্লকলে।

থোইবী সেন্থ অনিদি খ্বায়গী মাঙ্ থানা চেনথংগ্রে অমত্তং মপান্দগী অত্থুম্মক মীনাইশিং কৌবা হৌরকলে। মখোয়গী মতৌবা পম্থক্রবা য়াত্রবী মনাউ ইবেম্মশিং অত্থুস্থ মখোয়গী মচুং ইন্থুনা পোং লাঙ্বা য়াওখ্রে। যুবরাজনা খুদাদা লেঙ্শিন্দুনা ফমলগা খম্বন্থ ফমহন্দুনা হায়রকই— 'পেম্লে, ইপা ওসিদি মুংঙাইরে। মঙ্ঙম্বা লিপা অমত্তং অম্থক কুইবসি থৌরাংলকপনি। যারগম্থ, লৈত্তবা মশক থঙ্লরোই, লায়রবা মমি তাররোই। ওসিদগী হৌনা ঐবু মঙ্গী পন্থৌগকনি খল্লগদবনি। অবাং-অপা পূম্নমক ইপাদা হায়-রগদবনি। মঙ্না ঐগী থবক তৌবা তৌদবা থক-থিগম্থ, ইচাদা থবকী মমল ওইনা পীবত্থ ঐনস্থ মুংঙাইতে।'

মনাউ ইবুংঙোগী য়াথং অসি তানা তানা খঙ্হৌত্রবা পন্থৌগী য়াকম মীংশিংলক্কুনা খম্বত্থ মরুলুক্ক অত্থুম্মক ভূমিন ফমলি। মনাউ ইবুংঙোগী থৌজান য়াহৈশিং অসি তাবদা মহাক্না চেনশিন্দুনা মখোঙ্ কোল্লগা ও থোংনা কাপ্পঙ্লবনি, অদুবু মত্থমক্তি মহা পূকচেল ওইবনা ভূবং-ভূবং চংনরিবা মীশিং অত্থগী মমাঙ্দা ইকাইহুনা ওমখিত্রে।

ইমুংলোমদা ওমশিন্দুনা মনাউ ইবুংঙোনা সনা য়াথং অমুক তাকপিরকই— 'ইবেম্মা, সনাহল, তাবিবমা ইপা বা হায়রগে অমুত্তা থোরকউ।'

লায়রবা বণশেনহা অতুদা মিৎস্না থম্বা থম্বা থোয়রক্লুনা মজাইবেম্মনা মপাবুং সনা মাঙ্দা য়াথং ভাইহুনা লেপ্লরবদা মপা ইবুংঙোন ভাকপিরকই— 'নবুং অসিনা শেংলি চাদিবা মকি মরোলশিং অসি উবদা ইপা মুংভাইতে, ইপাগী মায় থক্তম লৈরোই। অতুনা ইবেম্মা চৈরেক্তি অহনবা হোংহনখিসি তৌবনি।'

হেম্না হয়াউজরবী মজাইবেম্মনা নোংথাঙ্দগী হেম্না থুবা মিৎকৈ অমনা থম্বগী মশা পুম্নমক চামথোক্লরগা মায়থোং মকায়াম্না সজাই মমুংদা অমুক চঙ্খরে। থম্বদি হায়কম তৌকম থঙ্দবা মওঙ্দা অহুম্মক লিরি থোইরি কমদুনা লৈরি। মাবু কেন্দ্র ওইনদুনা সজাইমমুং অসিদা তৌরিবা ঈরাং পুম্নমক অসি মহাক্তি কবিস্ন খঙ্দবা মতৌঙুম গুন্দা মমিৎ থমদুনা ময়মাই রাখল অমদা অস্নম লুপলিবগুম তৌরি। লায়রবী মচেমনা মাবু ভায়রমগদবা মতৌ খনবদা মপুক্লাং তপথবা ভয়মদে। মামা থেঙ্না হল্লকবা উবদা কনামা খঙ্গনি, মাবু থিবা থোয়রক্লমদুনা, মামা মমুম য়োরবদম্ন অমুক মচেগী মশক উরুদবস্নু য়াই। অসিগুম্বা মাগী মুংগী রাখল অসিবু হুজীক ফোংদোক্লুনা অথোনরুবহুস্ন মহাক্লা ভমজদে। কমলি হায়বদু মভায়রে, মৈথক্তা তোংবগা মান্নরকলে। অসিগুম্বা ময়মাই রাখল অসিদা লুপ্তুনা লৈবনা মনাউ ইবুংঙো রাংগোম মিংথৌগী অথক-অয়ংনা থল্লবা মিভানিঙাই ওইবা পোংকী মথল মথেলতম্না রাংপা লৈত্রবা অসিগুম্বা সনা সজাই অসিদা লৈবা মিপা মুপীমবেম্না পুম্নপ পুম্না মাগীদমক কোয়না লাঙ্নরিবা মতৌ অসিমা মাগী মপুক্লাংমুদি থক চিংথোকপা ভমখিদে।

মজাইবেম্মনা অহনবা কিয়োন পুথোয়ক্তুনা মপাবুং মনাবুত্তা কৎশিল্লরে। মনাউ ইবুংঙোনা কি অতু পায়রগা খম্ববু কৌশিল্লকই, 'নাউ, চবৈ অসি লৌয়গা অমুক্তা হোংদোকলু, ইপা য়েংগে।'

হৌগত্তুনা হংগোই হংগোইনা কি অতু লৌয়গা খম্বনা অয়াংগী য়েংখায়োমদা থোকখরে।

ময়ক অসিদা মমা মথৈনা মাঙ্গোন্দা চেঙ্-হয়াইনচিংবগী ময়োম পুথোয়ক্তুনা থমলরে। মতু উবদা মজাইবেম্মনা মপাবুং মমা মায়থোং য়েংলগা হায়রকই—

'মীনা শুম্নদবা থবক তৌবগী মতিক চাবা মনাদি চেঙ্ মেক্কক অসিনা ওইরবরা পাবুং! ইকাইজৈদকো—' হায়রম্লগা ওইনরপ তৌবা খোঙ্থাংনা অতুম্মক ইমুং চঙ্খ্রে। মমামথৈনা ভিঙক মায়ওক য়েংনত্তনা লৈহৌরে।

মনাউ ইবুংঙোনা মনাউ ইবেম্মশিংদা শাউনা হায়রকই, 'ইকাইখ্রা? ঙয়াংতগী ইচা লৈশাবী অসি কাওবনা চৎমরোল থঙ্ই। মথোয়বু ইমুং অসিগী মী নত্ত্রবরা? মীনা শুমদবা থবক তৌবগী অবামনদি মীনা পুঙমদবা ওইগদবনি। চথোকখ্রো চৎলু, অমত্তম্ন নশক য়েংনীংদে।'

অমুক্তা ভাঙ্না ভাঙ্না মঙ্গাইনুংদা লেঙ্শিনখ্রে অমগুং মরাক খিলাবনা তাইবা পুক্রম পোন্দেম অচৌবা অমা পুথোয়ক্তুনা শুমাঙ্, ময়ায়দা ভিংথোয়ক্লে। মজাইবেম্মবু কৌত্তনা মনায়াথং হায়রকই—এ

হিবেম্মা, সেম্বু মপু-মনাই অহিমক্না ইপাগী পোক্কেন অনি [illegible] হাপ্পাংবা হাপচয়বো লাউ।'

মিংকুপ অমা কাওবা কায়দে, হান্নমা থৌরাঙ্ লোইহুনা চাইরম্নবগুম মপাবুং সনা য়াথং হেক ফংবগা থোক্লক্কনা সেম্বু মপু মনাইমা পাক্লা শন্দোক্লিবা ভবোং অহুগী মথক্তা চেঙ্ হৈবা হৌরবে।

মমা মথৈম্ব মচাগী মতেং পাংলকলে। চাইহাক্কগী মমুংদা মথল মথেম নাইনা হাপ্পা চেঙ্, হম্বাই-অমদি ঈনশাং মাপ্পীভনা চীং-মূক যাংমা পৈরকলে। থোংলু থাক্লবদা মচম যাত্তনবা অবাং অপা অমুক য়েংনরকলে।

অম্নম তৌরিঙৈদা মফি অহনবা হোংহুনা খম্বদু অমুক চঙ্-লকলে। অহনবা চয়েফি অতুগা য়েনংবদা মাগী হান্নগী মফি-মরোম অতুদি ফংমললমত্রহুনা পুথোকপা ইকাইবদগী অতুম্মক তাশিল্লগা কি হোংকমদা থনমলে। অম্নম্না অহনবা ফীজোম হোংলবদা, কুচু কুমেন্নগা পামবগা, মশাক্লগা ফজবগা হান্নদগীম্বু অমুক হেন্না নীংথি-জরে। মথক্তা কুপলম্বা উংকী মপৈ হাইদোকখ্রবদা মমুংদা লৈরম্বা মেতাম অন্নাবগুম অমদি অমুবা চীং-মরুমদগী ফাওগংলকপা কুই-থ্রবা কোয়োহনবগুম, ইয়ং লংমা উয়বা মীংথিজবা শকফম অদুবু লৈরমলিবা মী মথৈ অতুনা মিং কুপ্তনা য়েংনরকলে।

খম্বনা চঙ শিল্লক্কনা মনাউ টবুংঙোবু থুরুম্নরে। অহানবা চসি অমুক্তা শূমাঙ্ মতোন্দা চাকনিবা অমগুম লেপ্লখিবা মিংকুপ অতুদগী হোহুনা হজীক ফাওবদা অমগী মথংদা অমা ওইনা ভকপগী

হাং অমুম অমুম হেনহল্লক্লিবা খম্ববু মনাউ ইবুংঙোনা মকোক্কী মখোঙ্ কাওবা হয়া হয়া নৌমা অমুক য়েংলকলে অমসুং মনা য়াথং তাকপিরকই—'হয়েংদি ভস্তা লাকউকো, ইপা ইচা বা তাঙ্‌নগনবা নৈশা "হসিদি ইপামা পীরিবা খয়সি পুদুনা চৎলো। মচে হায়বদু চাইয়ফগনি।'

বা তাঙ্‌লবা মমাউ ইবংঙোগী হয়া হয়া য়েংবা মিৎয়েংদা অমদি অকোয়বদা মতোক্তদা মিৎয়েং থম্নদুনা নৈমিবা শকথঙ্‌নদবা, শক-থঙ্‌দবী ময়াম অদুগী মমাঙ্‌দা অমুম্মা লেপ্পুনা লৈবগী মতম শাংহল্লনীংক্লবা, হৈনজদবনা লৈকম থংলমক্রবা খম্বনা মাঙ্গোল দাড়িদগী চোংথবক্কুনা শূমাঙ্‌দা পৈরিবা চেঙ্‌গী-চীং অদুগী মমাক্তা লেপ্লয়ে। তবোং চিংথেক মরি অদু লৌথক্তুনা কয়া কিশি লাকশিল্লে অমসুং মমাক্তা লৈরম্বা মপোপ কয়বা শনৈবী য়াগী উথোঙ্ অমনা লেং-শিল্লগা লশিং মগ্নোম অমগুম লেংথোং নাতুনা ইরায় লায়না হাইগৎলকলে। অমুম্মা মপোৎ থোংগৎলবদা খম্বনা ময়াম অদু মথং মথং নৈদুনা অয়ুক্কং য়েংলকই। অমুম্মা য়েংলকপদা মজাইবেম্মগী মায়ু থকচিঞ্জরম্বী থম্বাল নৈকা মাঙ্গবী নৌয়বী মিৎস্নাগী থুয়বী মিৎয়েং অদুদা মাগী মিৎয়েং তারুবদগীদি মথং অমদা লাপ্তোকপা ঙমখিদ্রে। অদুবু নোংথাঙ্‌দগী হেন্না থুবা তেমশ্রবা মতমগী শাংথ্রবা মিৎয়েং অমিনি। মিৎকূপ তংথায় অমগী মসুংদা অমনা অমযু য়োংশিন্নগা পাঙ্‌দুনা য়েংলম্বা মিৎ অনিমক হম্বমরক্কুনা শা ভুথনরকলে অমসুং মানা মামা থকচিন্নবিবা থম্মোইদা মমি তাথ্রবা শক্তমশিং অদুবু অমুক অমুক য়েংনরকলে।

মমায় লৈথোক্লুনা খোঙ্‌থাং অমা অনি থাংবা হৌরবে অদুবু নিংকোক তৌবা খোঙ্‌থাংমা অমুক মতম শান্দবা মতৌ অমা মরাম্বা উমরকলে। খম্বনা মাগী ফিমন ময়োম অছু নীংশিংলকলে। অদুবু মীত্তাশিং অসিগী মমাঙ্‌দা মদুবু য়াম্বা পাম্মুবা শাজুনা মপোৎ থাবগা অমুক চঙ্‌তুনা লৌরুগদবসু হংগোইবা পোক্রে। পক্রে, খম্বা খোঙ্‌কাপ লাউনা থাংচুদা লাবা খোঙ্‌দোয় হুনখ্রে।



শীংচনবা

মোপম্বা চল্লক্কবা উবদগী নুংশাথীনা মানা চাইরম্বী খমনুংনা খম্বনা তৌরকলিবা মতৌ অদু উবদা পূমঙক শকখ্রে। মাহৎ পাক্‌-হংনছুনা লৈবা য়াবা মতমদি মৎখিত্রবনা হোবে হোবে তৌছুনা, য়াওরকপা পোৎ খম্বনা থোং থাক্কুনা মচীন মোপম্বা চাখিল্লবগা মথং মথং হংলকপদা খম্বনা মানা তৌরুবা পূম্নমক হয়াউ হয়াউনা লোইনা ভম্লকলে। অদুবু হেন্না হয়াউজফম থোক্লম্বী মচে অছুমদি হয়াউবগী মচীনবান কাঙ্‌লকপগী মচুত্তা মমিৎতা মপিছুম তমং তমং চেল্লকলে। তপ্না তপ্না খমনুংনা হায়রকই—'নিংথৌকোন, লৈম-কোনগী ঈয়াং কয়িস্থু থঙ্‌ত্রিবা মহাক্না ঈথক ঈয়াংতদা হয়াউরি। কনা হন্না য়েংবা উদবা মহাক্না কল্লক-খম্বন মায়োক য়াক্লবা থোক্লবদি মচে ঐদি মাঙ্‌লেদো।'

খম্বনা হায়রকই, 'অদুবু ইচে! মথংথনবা হায়বছুনা ঐবু লুনদি তৌখ্রেদা।'

মচেনা মিংকুপ অমত্তং মমিৎ উইশিন্দুনা তম্পাক মুমদা মনাউ ইবুংতোনা মাগী মোপম্বাবু লুনা চান্না তৌবীবা মতৌ অছু খনুংদা য়েংজরুরবগা মথক্কদা মমিৎ প্যাঙ্‌ছুনা হায়রকই, ঐগী ইপম্বাবুদি কনানা লুনা তৌরোই? অদুবু ইবুংঙো! ইচেনা নুংশা থীবদি—নঙ্‌গুম্না লুনা তৌহন্নবীংবা কনানা মপুগী থোজান কংলক্কবদা মখোয়গী লম্বেন্দা নঙ্‌না শৌ ওইরিবনি খন্দুনা নঙ্‌ভু তাথীবা মিৎয়েংনা য়েংলকনি। অস্নুন্না নিংথৌকোন হায়বছুদি খুদোং

থীবা পুন্নমক্কী হৌকমনি অদুগা অমম্বোমদম্ন সুংভাইবগী পেন্নে থোককমনি।'

খম্বনা ইপৌ পৌনা হায়রকই— 'অদুদি ঐখোয়দি অনুম নৈথা তানা নৈরসি হায়রিবরা ইচে?'

পীক্রা খমপ্রবা মোপবাগী থম্মোইদা অসি কাওবা ঙম্বা হৈরম-গনি খল্লুদবী খমনু অদু ইঙক ঙকথি অমম্নুং মিৎন-কুম্নগী মতমদং কাইথোকল্লুরগা মথংদা হায়রকই, 'কম্নিগী নৈথা তানা নৈরুগনি? ইপা ইমা অনি অদুগী মচানবো। মচেমগী পুক্লীংদি থুমন মঙ্‌না থায়গী মাঙ্‌থানা, মন্নাই লোংনা চৎচরবা অদুনি। অদুবু ঐথোয়দি মকম অনিদা খোঙ্‌দারবা কুইত্রি। কমানা কম্নিনো হায়রবদু কম্নিনু খঙ্‌ত্রি। মরম অদুনা অহানবমক্তদা নিংথোকোন্দা হেক্কমক শাৎকায়রুবদু মচে ঐনা পামদে। কুইগদবা মক্রে, মোংমা মিমিদংদি থুপচানখিসি। মপাংগল কল্লি হায়দুনা মতুতনা মকম খুদোং মম-থেকনি থমবদি অয়ানবা ওইরকনি। পুক্লীংগী লৌশিংনা অকনবা শানু কাবনি। মকম পুন্নমক্তা অশিংবনা লাকচৈ। অশিংবা অদুবু অমুক থম্মনা য়োমশিল্লবদি অদুগা ঐনা ইতত্তুনা হায়দুনতা লাক্লবা 'অচুম্বদা কিকয়োই, চঙ্‌জয়কপা হাৎকয়োই' হায়বা পাউভাক অদুগম্নু হাপচিন্দুনা পোৎলম অদুম অসিনা মশাগী উকল ওইনম্নবদি মোইরাং নৈবাক পুন্নমক অসি নোংমদি মঙ্‌গী থুদুম মনুংদা নৈরগদবনি। মী ওইনবা পোৎচঙ্‌দি কুপলেম কুপ্পি, মঙোন্দগী হেন্না কুপ্পা অমদি নৈতরে। মরম অদুনা মকম মতম পুন্নমক্তা মশা ইৎপা ঙমজনবা হান্না হোৎনখিগদবনি।'

খবনা মুন্না ভাবুনা খল্লগা হায়রকই—'থঙ্‌লে ইচে ! অদুবু···

মোইরাংগী পুক্লীং উরবুনা খমনুনা হায়রকই— 'ঐনা নঙ্‌বু পুম্নিং থিংবা মত্তে। পিশক পীক্লিজেদো নঙ্‌বু ঐনা থুনা হোম হোম চাউহল্লীংখি, চাউরবুনা মপাঙ্গল মপুং ফাজিল্লক্রবা, মখোঙ-মথুং পান্দুনা কোঁয়না চংপা হৌরক্রবা মতম অসিদনা ইনমদা পোত্থুনা মাঙ্তম ঈশৈ ভাহল্লীংই। কন্না পায়সি পায়ভমদা কোম্না থাসি থাঙমদা ইচেমদি বারেদা ইবুংঙো !'

খম্বনা হায়রকই— 'ইচে ইবেম্মা, য়াম্নিমখৈ ঐ মাথৈবুনা চংকনি, মীনা থংনবা হৌরক্রবস্তু চেন্দুনা থাঙ্‌গনি। অদুগা বা অমত্তংদি ইচে, মথং খনবদদি ঐ হয়েংমক হল্লকনি হায়দোক্লমলে। মদুগীদি কমদোগনি ?'

খমনুনা হায়রকই— 'মদুগী দোষতি ঐনা পুরগনি, নঙ্‌গী মত্তে। কানয়াই পুম্নয়াইগী মকোন অদুদা ইপঙ্‌ পঙ্‌না চঙ্‌লুবুনা নঙ্‌বু লাংদা থুহল্লুবদি ইচেমনা ভমলয়োই। মকম অদুদা অনুক হন্না অমায় ওল্লুবগনু ইবুংঙো।'

অদুম্না মচীন-মোইরবা অনিমক পাওমেল্লবদগী হয়েং লাকনি হায়রবা মহাক্না ভম্পাক-য়ুমদা অনুক হন্না মায় ওল্লুত্রে। মামা পুম্বকপা চেঙ্‌-হবাইনচিংবা চীঙ্গাক খয়া অদুনা মচীন-মোইরাগী মপূক থবুনা অদুম্না মপাম থোক্তুনা মতম খয়স্তু অনুক লেল্লকলে। অদুবু মদুনা ভুং কোইবদি য়াবা হৌমদবনা মমৈদদি খম্বচু মপাম অনুক থোকপা ভায়কখি। মামা থোকে তৌই মচেনা য়াদা, মচেনা থোকে

হায় মহাক্না খাম তৌদুনা মোংবা-মিমি অমত্তু চোক্লকখেল। কিবন অসিদদি মচীন-মৌপরাগী লাম্বর ভাম্বা মরমত্তমক ওইদ্রে। মোনা অমুক থম্মকলে, লেপ্পরে, অসিমক মপান থোক্তুনা মোঙ্গিল্লবা ভাদ্রে।

অমুম্না লেপ্পরবা মতুংদা খম্বনা চৌং কাদুনা শীং চল্লুরগা সুংলোয়া কৌদোক্তুনা কোকথোং মচা-মচা খাইদোক্লগা থমত্তুনা সুমিল্লাংবোইগী কৈখেন্দা হেক হেক য়োল্লকলে। অকংবা মমলবা মওংনা অমা ওইনা মচীন-মৌপরাগী ওইনা মপূক থম্মকলে। অত্তুম খম্বনা মীয়াম থেংনমনবা মতম থুগায়-থুগায়দুনা চৌংদা শীং হেক হেক চল্লুবসিনা থেংনবরা য়াদবা মীওই থরগা লম্বী লমখাঙ্দা তুক থেংনমম্ম অয়াম্বনদি থঙ্নদে। মোংমনা অহিং মমৈদা হৌগত্তুনা চংলি ওনা হল্লকই। মোংমনা সুংখিল পোবোপতা মীমা লোখাবদিগী চৈরক্তা চংলি, মমলি মমলিবদা হল্লকই। অত্তুম-তৌনা মচেৎকী য়াথং ভাক্তুনা মনা-মনিম মাইদনা, লল্লবা তাইবং মিংসেল-বাংনবা লৈদুনা মোংম-মোংমতংগী লেনখিমবা মওঙ্দা লৈরি।

অত্তুম থোকউ তমখিবনা মোংমদি মহাক্না চৌংদগী হল্লকপা সুংখিল পোবোপকী মতম য়োনা থেঙ্থরে। হায়রিবা মতুম অসিদি মান্না ময়ুমদগী থোঙ্শানবা মতম অনিগী মরক্তা অমনি। অদুবু হল্লক্কবদি য়াদবনা অমরোমদত্তু লম্বী লমথাঙ্দা অচুং-মথোক পাথমক্লবা মতমত্তু ওইবনা শীং কোকথোং অচৌবা অমমা মমত্তু মত্তুম মায়কৈ পাংলক্লম্মী। খুৎশি-খুমাপ্পোক্তা থেংমরা মী মতৌরা মামু ভকনা কিমা য়েংনহৌবা হায়বসিমদি মতম পুম্মমক্তনি। ঙসিবু অনি মরিমা অত্তুম্না থেংন-থেংনবদা ভক্লহৌরি।

অসি পূম্নমক হন্না য়েংলুবা তৌদনা, কম্বিস্থু নাচুংদনা থম্বনা চীংথুম মরুম থাংলবা শীংপোৎ অদু পুথুনা অন্থুম লাকলি। চাক লামশিল্লকপগা, মতম্নগা চাখিত্রবগা অকোংবা লম্বী চৎনুগদবদু চিংনথুনা খম্বস্থু থুনা য়োমনবা হায়দুনা মহাক ওসিদি থুরক লম্বীদা কাওরকলে। অস্থুম্না চঙ্‌শিল্লকপদা লম্পাক মচা অমদা মী খম্না লৈরম্বা উম্নকলে। মখোয়গা থেংনদনবা মাথৈকম লম্বীস্থু লৈতবনা, খম্বস্থু অদুম চঙ্‌শিল্লকলে। চঙ্‌শিল্লগদি উরে—নোংবাননা লুচিংথুনা থণশেন্নোয়-মথৈ ফমলমলি। মহাক্না অমুকস্থু হেন্না ওক্না উম্নকলে, মখোয়না ফমলমলিবা মপা অদুদা মানা কাও শেনখিবা মথং-থনবগী সজাই অদু লৈরমলে। খম্বা শ্বায় লাউই, মায়কৈ অদোমদা মিৎ অমুক্তং পাঙ্‌থুনা য়েংলুই। কনাস্থু লৈবদি উদে। চীংগু লাইনা ফমবীরবনি থন্দুনা মহাক স্বয় হোন্দোকচবে অমস্থুং মিৎকুপ অমগী মন্নুংদা মপা অদু লাম্থোকখিগে মতাঙুম থোঙ্‌কাপ তোয়ম্নকলে ফম্নমলিবশিং অদুবু খম্বনা উম্নবস্থু উদবগুম অদুম্মক মখোয়গী মপা লাম্থোয়কলে। থঙ্‌হৌদনা মতুংলোমদগী থোঙ্গেল অমা তাম্নকপদা খম্বদু থংপেক থংই। নোংবাননা কৌরকই—'লায়ম্নবা, শীং থাথো, তাইথো মুক্না শান্নখিসি।'

মঙ্গাবৃংদা পেন্নক চাখিবা সুমিত্তা খম্বনা মুক্না থাখিবদগী মচান্দা কঞ্জথোক্নবস্থু নোংবানদু থনুংদদি মোইন্নাংদা মাগী মমান্ন থুম্নগদম্বা হায়না সুংশা থীবা পোকলম্মী। মরম অদুদগী মহাক্না কনাস্থু থঙ্‌হন্দনা অকাওবা মুক্না ওজা থন্দুনা অনৌবা লৌ কম্না অমদু তমশিনখি। ওজা অদুনা মাগী মহৈ থাক্তনা তম্বীন্না

নোইরবনা হায়রকই—'ঐনা থঙবদি লোইনা তাকলে। লৌ-শিং অচিংশীজিনরবা কাওবদা মীয়া মচু খাগ্রবদি মহাক অচু লাইপোক অমা ওইবা শোয়রবনি। কুমবদা মপা লৈত্তবা মহাকনি, মূঙ্গা হৈবদসু মচু মতায়রবনি, অসিমক্তদা মমায় থুবা তানবদি মচুগী লাম্বা অচু শোয়দনা লাই ওইরগদবনি। অচম্বা মীদগীদি মচুগী কমিসু কিমিংতাই লৈত্রবনি থঙউ।'

মাগী ওজাগী ইকোম কোমবা বাহৈ 'মীদগীদি কিকম লৈত্রবনি' হায়বা অসিতনা নোংবানগী থম্মোইদা তত্তনা অসুম থোম্বাঙ্ঙ্ ঙ্গৈনা লংহুনা লৈখি। মতম অদুদগী হৌনা মহাক্না থম্বু অসুম খিজুনত্তা লাকখি। অহানবা চাংয়েং মক্তদা থম্বু মায়থীবা পীবা লায়না থোক্লগনি থনবদা মচুগী মতম অচু শাংথহন্নীংদবনা মহাকনা থম্বতবু লাওতক্লনা কোয়না খিখি। চীংগু নোংদমনা, মপূক লাম্নবা নোংশাগী নমাওদা কজমবা শক্তি অমা পুশিনবীরকলে। তাওনা কংলবা তাঙ্গা অসিবু খৌশাদনা নাম্বোকহনখিবদি অচৌবা মঙ্গাল ওইগনি। অসি থম্বুনা নোংবাননা কৌরকই—'তাইথো লায়রবা, মূঙ্গা শাম্নখিসি।'

মহাক্না য়াম্নসু থৌম্নাংবা থায়দগীসু হেন্না কিজবা মকম অদোম-দগী থোক্লকপা মীকৌ মত্তে থঙলবদা থম্বচু উশীত্তবা মীকৌ-মীবাম অছুবা থংশাউ শাউগৎহনখ্রে। সুংশানগা শাবনে, চক্ষুগা হায়নে, অক্লবা কোকথোং পুবকপগীবু বাবনে, মাগী থৌওই উশীত্তবা বাওঙ অচু তাবদা শাউনজখিহুনা, মপূক্তা অচুবদা কিক-মোই হায়বা মচেৌ য়াথেং অচু থবৌং মীংশিংলক্কনা লৈবায়দা কোকথোং অচু হক লাউনা থাদমগা বা-লাম কমিচু তাওবা তৌদনা নোংবান

তম্বা চুমত্রীং অচুম চঙ্শিল্লকনে। মতৌ উবা মোংবান খ
খমুংলদি য়োনা কিযগা কিদবা শাশিল্লচুনা হায়রকই, 'ঐনা মতে
ঐনা খংত্তে, ঐগী ইয়োয়শিং অসিগা শান্নগদবনি। হায়, অবো
অমা শাম্বা চোংথোকউদনা কৈদৌরি ?'

মথক্তনা লাউজবা মতায়দে, কনা অমত্তমত্থু খংবগা লাম্বা থ্রাখব
চোংথোক্লবকপা য়াওখিদে। মোংবানমা খল্লি, তসিল্লি মহাক্কা খম্
ঙমহৌদবা য়াদে। মাম্মা চৌংদগী বানা লাকপা চকম য়াওরবা মতা
অসিদা অহানবদা মী অহুম মখিগা কোয়হন্দুনা মপুং কানা মপাক
লোথোকহল্লগা মতুংদা মাগী ওজাগী লৌ শীজিল্লচুনা মিংম্বুপ অমগী
মতুংদা খম্বু মায়থীবা শীয়গা মাগী মিংচং তাননৌগে, অচুম
মকম অসিমকম্থু খম্বগী মথুক্তা মায়থীবা য়াবা মকম থোক্কে—অমুম
খন্দুনা মাগী মহোয় মখৈগা হান্না যুক্না শান্নহল্লবা পোকন শীঙ্গুবনি
অমহোমদা মাঙদা চঙলক্লিবা খম্বদি থোঙথাং লেপ্পা লৈল্লি। পকন
চঙ্শিল্লক্না মোংবানগী মথুদাং পায়রগা হায়রকই—'অকৈ অমগ
মত্তে, ওজাগা হেক্কা শান্নগদবনি। ঐ থেঙন্ত্রে, ইমা, পোং
য়াওখিবসে ?' অসি হায়চুনা মোংবানমা কল্লি অমত্তম্থু থোং
শাবা মংত্রিতৈদো পুনকোন কোমশিল্লগা বাংলা থাজম্নবা খকমবা
লৈমায় মথক্তা অশাউবগা লোয়মনা ইকু লাউনা কৈথং মংখয়কখে।

অউবা মখৈনা মোংবানগীদমক চুংনা খীনখে। অহাঙব
লমহাঙ মচি অচুনা মহাক তাইহাক্তি খব শিংচুনা খীংঙাঙবা
ঙমদনা তংগখবা অচুমবক লৈগ্রে।

অতুম্বা শোরবামবু লংখয়ন্নগা বা মখা অমুক তাবম্বা তৌদনা মমদি কনাদসু হয়া কাওবা য়েংলমদনা মশাগী কোকথোং অমু য়েংবা হাইগত্তুনা কন্নিসু তৌখিদবগুম, কন্নিসু থোকখিদবগুম



অমদি মাগী হান্নগী থোংচৎ অচুম্বক কায়বক্তি বগুম থবনা ভুমিন্না অমুক হানজিল্লঃ মশাগী লম্বীদা চৎশিনবা হৌরকলে।

মথক্তা হায়ম্ব্রে, নোংবানমা খম্ববু থৎলম্বা মকম অসি মপাক্তা ইবুংঙো মাংগোম-লিংথোগী হোজঙ্ মপাদনি। মজাইবেম্মা থোইবীবু নোংবাননা নুমজমকপা ভসি চৎলোংতগী মতে। মাদা থম্লি—কেন্সে লৈবাক্তা নোংবান মতুমা কদাগী মতিকদা থোইবীগী মথুং লাম্ল্গনি। মীশম্ব মত্তাঙ্নৈ, চুম্মী, মপুং মরে ফাজিমক্রবী মজাইবেম্মা অসিগী মতিক চাবা লিপাদি নোংবান মতুমা মোইরাংদা কমাম্ব লৈতে। অতুদা নোংবানদি মতম অসিদা হায়মা মমুম পাল্লবনি। মরম অতুতমা কদামম্ব মাকম অসিবু হৌদোক্লবা মাবা ওইনা লৈখিদে। অদুবু নোংবানদি মমায়দা কোমায় তোপ্পা মীওইনি, ইকাইবা থঙ্দনা মহাক্না মজাইবেম্মগী মকাদা মাগী মপূক্নীংগী থৌমাংবা অত্থু ভাঙ্গা হেক কংবদা ফোংদোক্লবা কম্না হোৎনজে। মজাইবেম্মগা মরী লৈনবা থবক অমত্তদম্ব মহাক্না মথমায়-হকচাং লূম্না য়াওশিনখিদবা লৈতে। সেম্ব মপু মমাইমা মাবু চুম্না লঙ্ম-মম্বদগী হেজিঙ্লকপা মতৌ উতুমা কন্নামক অমম্ব কোংবা থীমা হায়বিখ্রবনি। অদুবু নোংবানদা মতু পূম্নমক কন্নিম্ব চঙ্খিদে। মজাইবেম্মগী অশাউবা মতৌ অমদি মপু মমাই চঙ্তুনা মাবু লঙ্নবা মাবু কন্নিম্ব থৌওইবীদবা, নাচুংবীদবা অসিগুম্বা থৌওঙ্ পূম্নমক্তা অকবা মাগতদা ঈশৈতুম ওংতুনা মুংঙাইথোকপা ওম্বা অতুগুম্বা নোংবাননি। থাজৈমক শেংবা মহাক্না মজাইবেম্মবুদি শেংনা মুং-শিজবনি। ওসিদি লাইনা পীবা তাঞ্জানি। লাইপোক্নুবা মীশক অমবু মাদা পামজবা মকম অসিদা লায়না মাক্নথীবা পীতুনা মাগী লাইমীং লম্বীদা অনৌব থুংদাল অমা কৎপগুম থোক্লগনি, থম্বোইগী

মবেম্মবা পেনবিছুনা মুংশিবা মিৎয়েংনা মাগী কংনবা খম্নোইবগী অশোবা য়েন্নীং চোংজবসনি—অন্তুম্না বাগ কয়া শাডুনা পোয়ম কয়া লেপথোক্লুনা হয়াউনা খম্বনু খামজক্লই। অদুবু ঙসিদি নোংবানগী মখাইবক থীবা মুমিৎনি। মহাক্না খম্বনু খাম্থিবা, খ্বা তাঙ্‌নবা খম্বনা শীং-থাবা অসিগুম্বা মতম অসিমক্তদা। লেম্নু অহু কনাইদা চৎনুবনো খঙ্‌দে, হৈাজঙ্‌-ময়াদা চঙ্‌লক্লম্মী। নোংবানখোয়মু য়েংনীংদুনা মাঙ্খোক্লুনা চৎনবগীদমক মরু লুকখডুনা অনুম লাকপা হোৎনবদা মহাক্না খম্বনু থোইবা শেংনা উয়মদে। হৈাজঙ্‌-খোঙ্গী খোঙ্‌না হেক পায়বগা মতম মায়না নোংবাননা খম্বনু খাম্বা 'লায়রবা ডাইথো' হায়বা বাহৈ অহু হেক তাবদা কপাবুনো হায়না নৈদুনা হয়া অমুক্তং য়েংলকই। মহাক খায় লাউই, মবেম্মবা মহাকথক্তীরক্তুনা অহিং খুদীং পিরাংনা মোম চোৎনরিবা, মিৎকুপ খুদীং, পুংজা খুদীং থরায় হকচাং হুপ্না হুপ্না খোয়াংজরকলিবা অতুগুম্বা মীশক অহুনা ইথা থাজদনা মাগী মমিৎকী লম্বেম থৎলমলে। সেম্নুনা মখাগী খোদোক য়েংদুনা অমুক মতম মাঙ্খহলমজে, খুজক্তা মবেম্মদা পাউ পীক্লনবা চেনশিনখ্রে।

সেম্নুনা হোবে হোবে চেল্লগা হায়রৈ, 'সনা ইবেম্মা, থুনা থুনা।'

ক্লেডুনা থোইবীনা হায়রকই, 'করিনোমে, ইপা হেক পাখৎ-লডুনা।'

লেম্নু। নৈহোবে, হৈাজঙ্‌ ময়াদা—

অহানবা তাবদা থোইবী খুক লাউবগুম তোই। মথং তাবদা হায়রকই— 'ইকাইবা খঙ্‌লবা, লঙ্‌গী কোনায় তোপ্না অহুমনে?'

অদি হায়রবা লোইরুগা মশাই সেম্বুনা থুরকদি হায়না খম্বা থুরুবা পাওথুম অদুবু চিংবরূপ তৌনা থৌরাংবা ঙাইরকলে।

পাওথুম পীরকপগী মতুংদা রা-অওক অথোং তৌমচুনা থজদ মাঙ্‌হনবা পামজরবী সেম্বুনা মম হাচুনা মবেম্মবু অচুম্বক চিংথংলগা নৈহৎ মোথোক্‌পা ইপা পাখত্‌না হোজঙ্‌লোমদা অচুম চিংচুনা পুরকলে। অদুগা মশাইনা চিংবদা য়াচুনা লাকপনা হোজঙ্‌ মৌবরুবদা মতুংলোমদগী সেম্বুনা থজীক্তং কাথোকলিবা অহোবা অচুবা য়েংথোকখিবদা— মিৎয়েংকম ওইনরুবিবা পোৎ অত্তু উবদা, মুখা মায়থোংবা হমাং ঈমীরা নৈচিম থারগুম নৈতেংলকলে অমসুং লোয়না লোয়নদা থম্মোই ভমীক ভমীক থাঙ্‌লকলে। মিৎকম হোংখিরে, পা কুপখিরে, মতম কুইনা থৌরাংজমরুবা মশাবি মনেম-মচাগী চেংলৌ শত্তম উরুবদা থোইবী লেপ্প-লেপ্পনক জ্ঞান মাঙ্‌খ্রে। তুগদৌবচুনা সেম্বুগী লেংবান্দা পাম্বোম অনিমক থম্মগা হাইথচুনা ভন্দন পাইরবা মিৎম্না অনিমক উইশিন্নকই। তাঙ্গা অসিদা হরাউনা মংথোম থোক্না সেম্বুনা থুবাক হৌনা থুচুনা 'য়া—ভল্‌' হায়রচুনা লাউরকপা তাবদা থোইবীনা ভপলি ভপলি ভবাবী মিৎম্না পাঙ্‌থোরকপদা খম্বনা মোংবাবু লংখরিবচু উরুবে। সেম্বুদি হরাউজখিবনা মশাচু থরু-মথৈ চোংলি। থোইবীদি হায়দগী অতুম্বক ফিবম কমিন্থ কায়রে, খম্বগুমা মিপা অমনা মোংবানগুমা অমবু কমিন্থ নৈতনা তৌবচুনি মজাইবেন্দা থোইনা কমিন্থ ভরা থোকখিদে, মানা খম্বগী মমুং মশাম কাচিন কোয়রা পুম্মক শেংনা উজবা ঙমখি। অচুনা সেম্বুগুম কমিন্থ হরাউবনা পুক্তোল কাবা মতৌ তৌখিদে।

অসিগুম্বা মবেম্নগী হাযচংনবী মতৌ অসিনা লেপু অহুম্বু অমুক অহুম হুইযকলে। অহুম্না পোংবানগী মতৌ উবদা পোক্লীংলেবনু লোকপা চঙ্লদা; খম্বনা বা তাঙ্দনা অহুমক পীং কোকথোং হাইগতুনা চংখিবা মতুং অহুদা উবিমথৈ সিংকম থোক্লেবা মপু মনাই অবিমক্না অহুম ভাম্নতুনা লেংলকলে।' খম্বনা অমুক থাপ-তোকখ্রবদা থোঙ্বাম্বা থক্সিনখিবদগী মচু হাংদোক্কনা মপাম থোযক্লগা ইকোং কোংবা অমুক লেংলয়ে।

পোংবাম হজীক কাওবা ভুগংপা তোকলমত্রি। মাবু লংখ-মমলগা খম্বনা পীং পোজস্তুনা চংখিবা, থোইবী লেপু অসিনা ইকাই ইকি নৈতবমথৈ মপাম থোক্কনা থৌমাংবা মাবু লেংহৌবা— পূম্নমক অসি পোংবামনা মথং মথং উবকই। পোংবানগী থম্মুংবা প্রণয়-মৈত্রী হৌযকলে, পূম্নমকপু থংপেক থংহন্না মাঙ্দা চংলিবা খম্বুম্বু ভামখবা মহাক্না ভংহুনা হৌবা লাউযকই—'পূম্নমক থঙ্জহৌ, ভসিদগী হৌবা মহাক পোংবানগী লেক্লবনি। মাবু মক্ক কুক্কোক্লবা হোংমবনা ঐগী ইথৌনি।' অসি হায়মগা মহাক্না মজাইবেম্বা থোইবীদা মথৌ তৌবা লেংলকই। অদুবু মাগী মিথয়েং অহুনা কমাদম্বু পোকহন্নুবা ভমত্রিতৈদা থোইবী লেপু মপু মনাইনা থোঙ্গম লাউনা নৈশিমখিবদগী থোঙ্দগী থক্কোরক্কনা লাকলবা মপাগী মিথয়েং অহুমক্না মপামক্তা অমুক হক্সিল্লক্কনা মকনবা পাহুনা মাগী খম্নুংবা চং লাউনা থেংলখি।

মাগী অকিবা রাশকী থৌম্রাউ অহু ভাবদা থণশেনহৌ অমকনু থোইনা মাহুংমখিয়ে; পোংবানগী মতৌ লেংহুনা অহুমক চুমিন চুমিন

লৈমখি। অতুগা মুজা থম্মোই অমদি মাগী থোক্লগা অতুদা থংলেক থংখি অমত্তুং লোয়না লোয়নবা হোজঙ্-থোঙ্ লোয়শিনখি।

তাইবঙ্ লোমচৎ অক্তকপনি! থবনা কনবা হৈবা-হেনখিবদা অহানবদা যোংবান থোইনা শাউনীলেমদে। মণলেনবুক্তো-থবনা চন্নোম মুন্দুনা পুখিবা অকনবা মনাখি থন্দুনা কন্নিত্ত বাযৌখিদে। মীকোক থোৎবা পাখা মীগী হৌনশা ওইনা মাবু কনম্না ক্লেসিগে হায়না থনবা, অকনবা মাবু ওয়বদি হান্না কাওবগী মথক্তা অমুক্তা হেন্না মমায় পাকনি হায়বা বাখল অসিনা মাঙ্ ওইনদুনা মহাক্লা থম্বু তাখী তাওই মতৌনা হেক শাউবমক্তি তৌরমদে। শাউবা য়াবা শাখৌবা মঙঙ্ সু কন্নি অমত্তা লৈরমদে। থোয়থা লিনথা থাদুনা থম্বু শুক্ল শুক্ল হেক নৈহৎনীংবদি যোংবানগী পূক্লীংদা থক থক্লমদে। মাবু অমুক্কং তম্মী হায়বদং থোক্লগা কোম্না মক্লপ শামত্তুনা মাগী মীচঙ্ মত্তুম থোপচিনগে থক্লম্মী। লেংমান্নবা লাম্বা পাবা হায়বসিমক্তবু মোংমা মোংমগী থোক্লবনি। অত্তুম ওইনমক মায় পাক্লীংবদি হৌনবনা ওজাগী অনৌবা লৌমা অমোনবা খুৎলাই ওইনত্তুনা তসি হোজক্লবদি মকম চাদবা মকমদা অমুকত্তু হন্না লায়না মায়থীরে। উহক্লনীংদবা মীশকত্তু উথোকত্রে। লৌ পুক্লমক্লীত্তু শ্রীজিমকম লৈখিত্রে। মক্লম পুন্নমক অসিমা থঙ্ হৌদনা মাগী থম্মোইদা প্রলয়গী মৈখি হৌত্রে। তাইবঙ্ থোক্লা য়োকথৎচয়ক্লবা তত্তনা ইশিং চাইজরক্লবা অত্তুগুম্নবা আশা লৈরাং অত্তুগী থোংলবা লৈমাবা শাবরা— কমক-থম্মন-মৈত্তম চুম্বদগী তুসিদি মবান লৈজবা কন্নি থচ্ছ ক্লবা থম্বা অচাকপা মৈখি হৈজিনখ্রে।

অসিগী মমাঙ্দা কমানমা মায়োক' য়াবা ঙম্মক্ত্রবা ; ফুক্রা, কাঙ্দৈ, লমজেন্দা চহি তরেৎ চুপ্পা পাবীমবা লৈরক্ত্রবা, অকমবা অয়োম লোংবানবনি। মজাইবেম্মদি মাতগী ওইগদবনি, অকমবা অবা শক্ত্রবা শোয়দনা কংগনি খন্দুনা মপুক্কী থাজবা অমনা থৌনা হাপ্ত্রনা অমুক কুইবসি লৈজরকপনি। ময়ল মথুমগা য়াত্তরে, কমবা থৌবদগা মপা লৈতরে, মশক মতৌমগা চঙ্খোল্লে— অসি পুম্নমকী মাপমনা ময়াই কাহুনা লমকেৎ লমহাইনা মহাক্লা পান-জয়কথিবা অচুপ্তবা মতৌ অচুদি লোংবামগী ময়াল অমা ওইরমদে।

মহাক্লা মজাইবেম্মগী সুংশিনা য়েংবা মিৎয়েং অমত্তং, মোমোন মীমোক মচা অমত্তং, অমূত চেনবী মপাউথোম অমত্তং তাজ-উজমকমী-দমক মতম অয়াম্বদা অমুন্না অনকপদা চাহুনা মশাগী মতম মাঙ্হনবা, ময়ম লৈতনা কয়িগুম্বা অমা হেক্তমক ওইহন্নুনা ময়ম অমা থোক-হনবা অসিগুম্বনা মাগী মথৌনি। লাইনা পীবা তাক্ষানি হায়হুনা হয়াউনা মদুবু ওকচগে ভোক্লবদা ঙসিদি লম পুম্নমক্তা মাগী ময়াই চায়থমবতুম থোকখ্রে। খম্বনা মাবু লংখরম্বা অমদি মদুবু মজাইবেমনা হেক উথিবা অচুগুম্বা মিৎকুপ অচুমক্তদা মাগী মথবায় হকচাং অমিমকী মরু ফুকপা ওইথি অমস্তং মতুগী শায়বা মৈয়িনা ময়ে লীশীং কাংনা কয়ি থঙ্জদবা থুমন মচাগী মতুং ইন্দুনা মাবু চাকথেকহন-গদবগী মতুংদা তাম্নরকখি। মিৎকুপ অসিদগী হৌনা লোংবামচু হায়গী লোংবাম নংখিদরে, অমোবা শকলোম অমা পুথরে। মী-হিংচা অমগুম হায়গী শাগোম্নরম্বা মীয়োক মীচাম পুম্নমক অমত্তচু য়াওবা উথিয়ে, লোথ্পু লোকোয় লৈতনা তিম্নরকপা মশাগী

মখোয়-মনাও মথৈনা কাওবা মাগী অনৌবা শককম অসিগী মনাক মকশিল্লুবহু কিজহুনা অস্তুম অস্তুম লাপথোক্লম্লকলে। অস্তুম্না খম্বনা মাগী অথোইবা য়েক্লবা অমা ওইনা খন্দুনা মজাইবেম্মগা মাশা অনিমক্কী মম্বক্কুগী খম্ববু য়াম্নিমথৈ থুনা চিংথোক্ক্‌না মশাগী লম শেংদোক্লবা হোৎনবনা অনৌবা লাইনীং অমুক ওইম্লকলে।



মঙান ফংবা

কাও শেল্লম্বা মুমিত্তগী অমুকহন্না উজবা ফংখিদ্রবদা, হন্নাউ হন্নাউ মুজা থম্মোইদা ময়েক লানা, সনজীংদগীম্থ হেন্না ঋাংনা খিনজয়ম্লবা আশা-চীংজাউ অদু মোংমা মোংমগী অস্থুম অমুক মরেং তাথয়কখি। কাও শেল্লম্নগা মনা শক্তুনা চেঙ্-হবায়নচিংবা পুন্থুনা খম্বনা চৎথ্রবদা কমাম্থ থঙ্হন্দনা মজাইবেম্মনা খম্বনা হুন্দোক্লম্বা ফিমম-ময়োম অদু লোন্না লৌশিনখি অমম্থং শিঙোল কা-দা পুশিল্লগা থম্মোইদা চেংনা কোনশিন্দুনা মদূবু খম্বমক ওইনা শীংথুনা হন্নাউজবী মিৎম্না ঈয়ানা হগ্না হন্না চামথোক্তুনা, অনৌবা আশা-লৈয়াংনা আতিয়া মকোয় থলহন্না মথংগী মুমিত্ত খম্বনা অমুক হল্লক্তুনা কাও শেল্লনগী মতম অদু ঙাইদুনা লৈজখি। ঙাইনা ঙাইনা লাকখিদ্রবদা মিৎকুপ খুদিংগী নিংদোম পীংপীং চোংনা, মাঙ্দা শমুক থাদুনা ঙয়াংগুম্না সেম্থু মপু মনাই অনিমক ফনেক ল্যোনবা কমলিদি কায়ববু ঙাইহাক লৈতনা শূমাঙ্দা লৈথোক্তুনা থবক্লা অমা তৌ, মিৎনা অমদা য়েং, পূক্লীংনা অমা খন তৌদুনা মতম লেমখি। শোৎ-পেক লাউবা মথোন অমত্তং তাবদা লাক্লমাল্লে খন্দুনা হেক্তুমক য়েংথোক্লুই, অদূবু ঙয়াং তৌখিবগুম মপা ইবুংঙোগী শূমাঙ্ ময়ায়দা ভচাউ তচাউ লেপ্লগা মুজা মাবু মিৎকম হেংদনা য়েংলম্বা অদুগুম্বা শকফম অদূবু দি খক উজবা ফংখিদে। ফনেক মাঙ্দা থাদুনা খম্বতমক ঙায়বে, পূক্লীং চঙ্লুবদি ঙমখিদ্রে। অম্থুম্না ঋাথলনা মুংবঙ্লবদদি হকাম তোয়না চল্লকলে। হৌগত্তুনা ফি-শা- শঙ্দা

চঙ্‌ডুনা কি অদূক শাক্লই, মাং অমা কাওবা কাবা ঙমখিদে। অমত্তং শোয়বদা, মংলা অমত্তং তংপদা মচুগী দশাদা হেক্তমক সেন্নুগী মথক্তা তাই। মরম চাবা চাদবা, সেন্নু অছু মবেম্মগী মীচৈ চাদবা থক য়াদে। অম্নুম্না মীচৈ চাবতদা সেন্নুছু মপূক থমগংখি। মবেম্মগী মখোয় লোয়নবা মাদা ঙমজবা কয়া খোক্লা হোংনজবা শাক্লই অদুদু নুংদা ঈশিং চাইবা তাডুনা মতোকই।

অম্নুম্না নৈকম চাকম থঙ্‌দনা মজাইবেম্মনা ওম্না খোইনা লেন-বসি মোংমত্তংগী মতম মংখিদে। মপা ইবুংঙো অমদি মমা-ইবেম্মশিং পূম্নমক্না মজাইবেম্মগী অসিগুম্বা—করি অমত্তদম্ম হৈনীং-খিদবা, চাবা থকপা খোশাবক্তবা, মহোশাগী কিবম পূমহোং হোং-লকপা, মিংকম কোমথমকপা, কুচু লাংশিল্লকপা অসিমচিংবা মতৌশিং অসি উমবদা পাথংমমকলে। হংবা ঙাঙ্‌বম্ম মীংখিমা পুমদে, অদূক হঙ্গিম্না হংলুবম্ম শাউই, তূমিম্না হোগত্তুম্না হেক্তমক চংখি, মতম পূম্নমক্তা খোয়মাঙ্‌ খোয়শাউমবা মতৌনি।

মমা ইবেম্মশিংনা সেম্নুদগী লোম্না পাউ লৌমবা হোংনবদম্ম অশেংবা লংজীন অমা কাওবা কংবা ঙমখিদে। অমত্তোমদদি মজা-ইবেম্মশা মোংমা মোংমা অম্নুম ময়েং ভাশিল্লকপা উবদগী সজাই মম্নুংগী মী পূম্নমক অছু ওম্না নৈকম-চাকম থঙ্‌নখিদে। মথবায় শকপা মচা নিঙোলমা অম্নুম্না মওং থঙ্‌দনা নৈশ্রুবদা মপাবুং লমা পুক্লাংম্ম তপথকম থঙ্‌খিদে। মাইবা মাইবী কাওবা কৌছুনা ইয়াং চবাম কয় তৌহল্লকলে। অছুমক্তদা খোইবীগী অমাবদি কয়কপা থক মরৈখিত্রে।

অমুম্বা থাজবা মুমিৎ কয়া কয়া মথং মথং অমুম য়েংনা য়েংনা হৌজিনথ্রুবদা, মিৎকুপ মাহুম শিংনা মিৎকুপ খুদোং তাইয়কপগী কায়বা কংলক্তুবদদি আশা-ময়োম তেকথরে, মীংজবা থুংবা মুমিৎ অছু অমুক লাকখিগনি হায়বা উয়ক্তে। খোইবী হিকথরে। তাইবঙ্ পামবগী কম্মিগুবা পোৎ-অমত্তনমু মিতোন পুক্নীং পেনহনবা ওনখিত্রে। মীংখিজবী, তনৌ হেনৌবী মায়থোং অঙুমা মুংখিন্দা খোকপা থানিনগুম মতাম মপা য়াওখিত্রে। খম্বাল নৈকা ওনজবী মিন্নাদা য়াগমা থনবী মিৎয়েং অছু থক উখিত্রে। ওয়াম ওনজবী ওতোংবী চীনবাম মথক মথাদা মোংমত্তমু খোয়কুম মোমোয মীমোক উৎখিত্রে—ইকং কংশিনবগুম, ইমুক মকশিনবগুম, ইহা হায়রবগুম, মুং-পাম অনিমক ইহাঙ্ হাঙলবগুম, অপাম্বা কৌবা নৈত্রবগুম, অওয়া, অয়েম্বা শককম অমা পুয়কলে। মিতোন-কাম্বা অচেৎপা লাইমীংকম ওইনথয়ে, মপাম ইথোক থোকখিত্রে। কম্বুংবা য়াতাহুমা নৈয়গা মপানগী কম্মিগুম্বা পোৎ অমত্তমু উজমীংত্রবগুম মিৎন্না অনিমক উইশিন্দুনা থাঙলকলে। লেঙলি পাম্নবা কম্মিগুবা পোৎশক অমত্তনমু মুজ থম্মোই তেকথৎহনবা ওনত্রহুনা অয়োমবা থম্মোই-লকা-নৈকোয়্ংগী মীংখিবা মতৌ য়েংজহুনা মুংতাইজয়িবগুম, থ্যাম তৌহুনা কম্মিনো অমা খিম্মিবগুম অমদি থাঙওনত্রবা য়াথলগী চৈমা থাঙবা হোৎনবদা পাঙথোকপা ওনত্রবগুম, তবা তবাবী মিৎন্না অনিমক উইশিল্লি। চীংঙ্ থাংজীংগী চানবীহৈবা মোংদম খোয়া মুংতাইয়বা মুংশি নৈপুম শেমজবগী তাইবঙ-খোমবা মঙলাম অমদা তাউহুনা মোংমথক্তং হবাউ-মথোই কাজকুবদা চাং হেনমজুবদগী

মথা ভানীংঙাই লৈথিত্ত্রবদা অসুম্না মজাইবেম্না থোইবীনা পোলোই, খঙ্ত্রবা বাখল মৈরিনা চাকথেক্তুনা কয় কয় ওয়া, থবায়মক পুবা ঙ্মেয়োইদবী মতৌনা অসুম্না মশাবি মমান মচাবু ঙাইহুনা লৈরি। কোক্তগী খোঙ্দোন, শমদগী ৎজীন-মতোম অমদি থম্মুংদগীনা ভুখোঙ্ খুদীংদমক কাওবনা চপ মান্নবা থম্মোইগী মূর্ত্তি অদুবু ঙাইবদা অবাবা শরুক য়ামিন্নরি।

খোৗয়াংজব্বা সুংশি-চেংলোৗ-শক্তম অদুনা অমুক হন্না মাঙ্দা লেপ্লবা মবৈখিত্ত্রবদা থবায়-হকচাং হামচৎনববী ওইদুনা মপুং মবৈ কাব্বী সুজা হকচাং অদুবু তেন্না মকোন্দগী চেন্না য়াংখৎহন্দুনা, নোংমত্তং—মডুমকসু বাংলেন মিৎকুপ খরদং উজখিবদগী হেনখিত্ত্রবা অদুগুম্বা চেংলোৗ শক্তম অদুনা অচেৎপা লাইনীং ওইদুনা, তাইবঙ্-মালংপানগী সুংঙাইবা অপূম্বা থাদোক্লগা লেঙ্দবা সুংঙাইবতবু খিজবী, পূক্নীং চেৎপী লাইনীংবী অমগুম নোংমগী মথংদা লাকপা নোংমবু, মিৎকুপকী মথংদা তারকপা মিৎকুপ খুদীংবু লোইবা নাইদনা শাংখ্রবা যুগ অমমম ওইহন্দুনা অসুম্না বানা থাঙ্জদুনা লৈখি।

মরক মরক্তা মপাবুং ইবুংঙোসু থম্ববু কাউঙমদদুনা হেক হেক শোল্লকই—‘পঙহোইদা, নীংঙমদেদা—’ অসিনচিংবা।

থম্ববু মথংগী সুমিত্তা শোয়দনা হল্লকখিগনি হায়না থাজবদগী, ঙসি নত্রবসু হয়েং লৈরিদনা হায়না খন্দুনা অড়গীসু মথক্তা মপূক লান্নবা মতম অদুদা বাহংগী মথংদা বাহং হংজিল্লদুনা অবেম্বদা মাবু

য়াইল্লুগদবত্থ পামদতুনা মনাউ ইবুংঙোমা খম্ববু মথংগী সুমিত্তা শোয়্-দনা হল্লক্লবা য়াথংতমক তাকপিতুনা থাদোকখি। খম্বনস্থ শোয়্দবা লাকনি মহায়য়ম্মী। মথংগী সুমিত্তা লাক্লগা মাবু মওঙ্ অমুম শেপ্খিবা, অমুম্না হয়াউহনবীবা অসিনচিংবা য়াগ অমা তোপ্না শাতুনা মনাউ ইবুংঙোম্থ মাবু ঙাইনা লৈখি। অসিগুম্বা সনা-পূক্লোংগী সুংঙাইবা য়াগ অসিনা মরম ওইতুনা সুমিদাং ফাওবদা নীংখিবা চেপ্লা য়াখিদে। মহৌশাদগী হেন্না ঙনখৎনা লেঙ্খত্নবা মীনাই মীশন মখেবু চৈবগা থাংবগা তৌতুনা ঙন্তানা য়াইশিং-য়াইশেং লোইথোকহল্লগা থুদাদা লেঙ্শিন্দুনা খূদোং ফাল্লগা খম্বনা লাকপা ঙাইতুনা লৈখি।

য়েংনা য়েংনা মতমদি হৌজিল্লকলে। ঙাইহাক লৈতনা শূমাংদা সনামিৎয়েং থল্লকলে। তোয়না তোয়না শোল্লকলে, 'কন্নবু তৌরবনো, নাবা য়েকপতুম য়াওরবরা?'

অতুমকপু থেঙ্লবস্থ থেঙ্না মরাকখিগনি, মশানস্থ লাকনি হায়রাম্লবনি, করিগুম্বা ঙঙাইফদবা অমনা মওইরমগনি অমুম খন্দুনা সনা পূক্লোং ফাথবা হোৎনরি। অমুম্না ঙাইনা ঙাইনা সুমিৎ তাশিল্লক্লবদদি, মথক্কী য়াহৈশিং অসি হায়দুনা নীংঙমদবা কোংদোক-পিরকই। মচা মনাই থাতুনা থিহল্লুগদবস্থ খোঙুন লীক্লকমখি খঙ্খিত্রবনা সনা পূক্লোংদা ওমচাক্লবা য়াথলনা ওন্থনতা লৈবা ঙাখি। অদুবু হেন্না হেন্না সনা পূক্লোং য়াহল্লকখিবদি—'কনাস্থ লৈতে হায়-রম্মী,' করিগুম্বা মশা ঙন্নমদবা খোক্লবদি তোক্লেদো, মাবু কনানা লায়কম্নবিরমগনি' য়াথল অসি খক্লক্লবদগীদি তপথকম খঙ্রহুনা

তাহৌ তাহৌ চত্থ্না পৃক্নীংগী অক্লবত্থ য়াংহনবা বানা হোৎনত্থনা নৈথি।

অস্তুম্না চাইনা চাইনা মনাকথিত্রবদগীদি মচা মনাই চাইথোক-হন্দুনা মোইবাং থুনক্তা খখবু কোয়না থিহন্নকলে। মখোয় পুক-নক্না হন্নক্লগা উদে, থঙদেতা মহায়নবনে। মতম অসিদদি অদাংবা খর অমা হোন্নগা অত্থম্মক মনা মায়থোং নৃকখখনে।

অস্থুম্না তম্পাক খুমদা খবায় পামবা অনিমা মতোকী মণি মাঙ্গ্রবদগী মশা লেঙ্ঙম শাগুমজ্রবা লাইরেন-লিক্লাউ অনিগুম খবা মাগীদমক্তা ওয়া থোইনা থাঙ্নম্নি। চীংজু লাইমক্লা লোৎশিন্দুনা খমখ্রবগুম থোঙ্ল 'পুম্বা মুৎখ্রবদা নোংমত্তুংগী থৌদোক অদুবু চুমগী মঙ্-হাদা তুক উথিবগুম খন্দুনা মথং মথং ময়েক লানম্বা খম্মোইগী মমি অত্থু খজিক-খজীক অন্থুম ময়েং তাশিন্নকপা হৌথি।

অসিগুম্বা মতাংদা মোংমদি, থঙ্হৌদনা সেন্থু চেনশিন্নক্ত্না মবেম্মবু থৃজেং পায়ত্থনা চিংলগা হোজঙ্-থোঙ্ তান্না পুম্নমবদা মঙ্না তাইবঙ্ কাওনবগুম মীংজবা লাইগী শক্তম অত্থু উজবা কংলুরে। অদুবু লাইবক থীবমা মমম ওইত্থনা খবায়মক ফুকদবমথৈ মাবু য়েংত্থনা থ্বায়দগী হেন্না তোন্নবী অমগুম মতোন্দা চঙ্জবা মতৌ কোংনোক-চন্নবা অত্থুগুম্বা মতৌ অত্থু মহাক অত্থমদি কন্নি অমত্তত্থ উবীথিন্দরে।

ইমুংদা চেনশিন্নক্লগা মিতোন-খবায় শকচবা, শিত্থ্না মান্দুনতা নুংনা চান্না খমজমক্লিবা কিমন ময়োম অত্থ লোৎথোক্লগা খম্মোইনা কেজেং কোনশিন্দুনা মখোন থোক্লা—অত্থুমদি ওইরগা কনানত্থ তাবুনি

মতুবা অচুগুবা অহিকপা থোম্বাঙ্না কপ্পুনা ওইনা বাহৈ চাম-চামনা ভেংথাখি।

বানা হোৎনজচুমা খজিক খজীক য়াংখৎহঞ্জনক্লগী সুজা খঙ্কোইদা অসুম্বা অমুক অমোবা মৈহুম চুশিনবীয়মচুনা থোংলবী খঙ্মোই নৈকা হুদীংমক চাকথেকহনবা হৌরকলে।

মোংবা সুমিদাংবাইরম অমদি মথেম্মবু হাইফেৎ সুংঙাইহনগে খন্দুনা সেনুনা থেম্বা মোবা কয়া তৌরবা মচুংদা মজাইবেম্মা থোইবীনা সনা কৈথেল থোক্কনা পোৎ নৈরম্মী। কৈথেলগী হোনবা মীগী ঈয়াং, ইনিন, মোকপা, খৎনবা, লাউনবা অ'সনচিংবা করাগী মরক্তা ইনৌ মোবা মওঙ্ অমা পেংনবগুম মজাইবেম্মগী সনা মায়থোং অচু ঙসিতদা মকায়াম্বা মতৌ তৌরি। মজাইবেম্মা লেঙ্থোরকপা পাত্তি ফংত্রুনা সনা মায়থোং অদূতবু উজরগা মপাপ কোক্লজগদবগুম খন্নজরবা কৈথেল মীয়াম্না অনকপদ অয়াম্লদা মচক থাংগৎ থাংগৎ-তুনা য়েংনরি। ভুং খংবা কনানা অতোঙ্বা মকম খিচুনা লেপ্লব-মক্তদা শেংনা উজনবা থূনীং অমূক কাঙ্খৎলি। মীয়োন খঙ্ত্রিবা মচামথৈবু ময়েংবান্দা তোংহন্দুনা মজাইবেম্মবু য়েংজহোনবা মখূৎ খন্দুনা তারি।

ঙসিদি খোয়ী-কৈথেলদা লাইয়েম্বীমক থোকলে। অউবা মথৈনা ঙম্না মকোক মকোক মোয়া থুরুমনরকলে। অবৈবস্থু অয়োনবস্থু ঙসিদি মপূক ফনরে, কৈথেল-লাইয়েম্বী মশামক্না কৈথেল কাবিয়-মবনা লৌনীংবা মমলদা নৈনীংবা পোৎ নৈনম্নকলে।

মপু মনাই অনিমক তপ্না তপ্না মকম হূদোইংদা থাদুনা য়োল্লিবা পোৎকম পুম্নমক অস্তুম চত্তুনা য়েংলকলে। মনাই সেমুনা অউবা পোৎ মখৈগী ময়মদা মথুং থিন্দুনা থিন্দুনা তাকলি। পোৎ অদুগী মহ উ, মদুগী শীজিন্নকম মথল কয়া অমস্তুং পোৎ অদুগী হৌরক্কমনাচিংবা অরাবা খঙ্দনা মবেম্মদা হঙ্গৎলি। মজাইবেম্মগী পূক্নীংনা তারুবা পোৎ য়াওবদনা মতিক চাব। মমল পীদুনা লৈশিল্লি অমস্তুং তুংদা থোগল ভাইদুনা লৈরিবা মপাবুংগী মনাইদা হেক হেক শিন্দুনা পুহল্লি।

অস্তুম্না ফদা কুইনা য়েংলে, কনা য়াম্না লৈশিল্লে, নিপা অদু না হায়জরুবদি ভমদা পোৎনা লুমশিল্লকপস্তু থাঙ্বা ভমশিল্লক্কা অউবা মী মখৈনা নোক্নীংবা অদুগুম্না ফিবমদা তুমিন তুমিন অদুম্মক ইল্লকলি। লূপ্না মী অমা শিগদোরিবদুদি মপু মনাই অমত্তুনস্তু খক উনবা লৈখিদে।

অস্তুম্না পোৎলক্কা পোৎ লৈবা লোইশিল্লক্লবদা হকচীক লাংবা ওইনা মীরক্কুগী থোরক্কূনা মতাই ওইরপ্না লেপলবে। মজা ইবেম্মনা কৈথেল মচি অসিদা, লোক্তাক লাইয়েম্বীনা অরুবা ঈপুংবুঙ্দগী ফাওগৎলক্কূনা থাংজীং-লাই থুরুম্নবা কংকান্দা লেপ্লবগুম শীংথিজরবী থোইবীনা, লাপতক্লা লৈরিবা, মী অদুকহাক্লা কূংদবা, অয়োনবা মী অনি মরিদং তরক তশোম -ফমদুনা অরৈবা মী ভাইদুনা লৈনরিবা শীংয়োনকম অদোমদা থাজ মায়থোং ওনশিল্লকই। করিনো অমদা ভাইহাক কুইনা অস্তুম য়েংলুরগা শেরামবা অমদা ·মপুক চঙ্লবা

সেম্বুদা তপ্পা মেন্ড্রবা খোঙ্খেনবা হায়রকই, 'য়েংঙুমহাই অচানবী, আদা, নুরা লেংমাম্নবী অমমা শীং য়োল্লিবসে উত্রা ?'

সে স্তু উরকলে, মপু মমাইমা অপান্নবা য়েংশিল্লুবদগী মহাকপুনি খড়্লবী শীংয়োনবী অদুনা ইকাইবনা মশা চপশিন খুইক্তিক্তনা বানা মমায় লোৎপা হোৎনরি। মতাইবেম্মনা চিংহুনা শীংয়োনবী অদুগী মনাক্তা মপু মমাই অনিমক চঙলকলে।



নিতি মুমিৎ থৃদীংগুম ওসিন্নু খমনু অদু কৈথেল্দা শীং কোকথোং নচা অমা য়োল্লমী। অচোৎপা ওইবদগী মতম অদু

কাওবা শীত্তুনা অম্তুম লাইনা পুশিনবিরকপা মী ওইহুনা লৈখি। মমাম্নবী শীংয়োনবী কয়া মপোৎ লোইছুনা অকংবা তম্নেৎ শেমজা থরনা লৈবীংবা লৈমতুনা মযুম মায়কৈ তম্নথরে। লাইবক থীবী থমমুগী মকাম্নদি মতু থোকখিদরে। কনমক হোত্ন্না থাদোকে হায়রবদম্নু অচোৎপা শীং অদুবু কনানম্নু লৈবিম্নু হায়বা য়াখিদে। কৈথেন্দগী কবিগুবা থরদং লৈছুনা পুশিনখিদবদি য়াদে, মপূক চাউবা মোপবাগী চকম হাপকনি। মথুৎনা চুবা মেত্তুনা, লোক্তাক লাইজদা অহাঙ্বা মমিৎ অত্তু অর্থ য়াওদনা অস্তুম য়েংছুনা লৈখি। মতম অসিদা মজা ইবেম্মনা মাবু উগ্রবদগীদি মশুং মমাম্নবী ওইবনা ইকাই কীরূক খুমছুনা চেনখিবম্নু য়াদা কমলিবা মকম অতুদা অতুম্মক লৈক্রক্কা চঙ্নীংলবগুম মশা চপশিন্না থাঙ্ছুনা মমায় লোৎচনবা হোৎনরি।

লোইরবা।